ꯃꯅꯤꯄꯨꯔꯒꯥ ꯃꯌꯥꯟꯃꯥꯔꯒꯥ ꯂꯩꯅꯕ ꯃꯔꯤ

মণিপুরগা ম্যান্মারগা লৈনবা মরী

বি. কুল্লচন্দ্র শর্ম্মা

ꯃꯅꯤꯄꯨꯔꯒꯥ ꯃ꯭ꯌꯥꯟꯃꯥꯔꯒꯥ ꯂꯩꯅꯕ ꯃꯔꯤ

মণিপুরগা ম্যান্মারগা লৈনবা মরী

অইবা

বি. কুল্লচন্দ্র শর্ম্ম

অফোঙবা

বি. কুঞ্জবিন শর্ম্ম

২০১৫

"Manipurga Myanmarga Leinaba Mari", *Written by B. Kulchandra Sharma*, Brahmapur Thangapat Mapan, Imphal -795 001, Manipur

"মণিপুরগা ম্যান্মারগা লৈনবা মরী" অইবা বি. কুলচন্দ্র শর্ম্মা,
থাঙ্গপাৎ মপান, ইম্ফাল।

অফোঙবা	ঃ বি. কুঞ্জবিন শর্ম্মা, ব্রহ্মাপুর থাঙ্গপাৎ মপান, ইম্ফাল -৭৯৫০০১, মণিপুর।
ইরিবা মরম	ঃ মণিপুর ম্যান্মার /বর্মাগা অনীগী মরক্তা লৈনরম্বা মরী
কোপিরাইট	ঃ অফোঙবা অমসুং অইবা
অহানবা খুৎনম	ঃ মার্চ, ২০১৫ ইং
কোপী মশীং	ঃ ৫০০
ফংফম	ঃ অইবগী য়ুম
	ঃ অফোঙবগী য়ুম
	ঃ সাহিত্য পরিষদ, ইম্ফাল, পাউনা বাজার
	ঃ রোয়েল বুক হাউস, ইম্ফাল
	ঃ ইম্ফালগী লাইরিক য়োনবা দুকানশিং
মমল	ঃ ১৫০/- (লুপা চামা য়াঙ্খৈ)
কভর	ঃ অইবা

লাইরিক নম্ফম ঃ লময়ানবা প্রিন্টর্স, কোনুং লম্পাক, ইম্ফাল

ম্যান্মারদা লৈরিবা
ম্যান্মা-মৈতৈশীংগী মফমদা
খুদোল তমজরি —

— অইবা

— অফোঙবা

G

5

ৱামাঙ য়ানবা অমসুং লাম্থোকচবা

"মণিপুরগা ম্যান্মারগা লৈনবা মরী" হায়বা লাইরিক মচা অসি য়াম্না খঙ-হেরে হায়দুনা ইজবা নৎচদে, অপঙবা ঐনা থেংনজরুবা খরদং খ্বাই তরাগী মফমদা থমজবনি। অশোয়-অঙাম য়াওরবসু ঙাকপীয়ু হায়না খ্বাইগী মফমদা চঙজরি। মমাঙগী মীরোনগী মীওই কয়ামরুম্না তৌরম্বা, মৈত্রবাক্কী অমসুং মৈতৈ মী কাংলুপকী, নাগা, কুকি-খোংজাইনচিংবা মী কাংলুপ ফুরুপশিংনা মমালৈপাকসিগীদমক্তা তৌখিবা মমল য়াম্লবা থবকশিং ঙসিগী মীরোম্না খঙদনা নৎত্রগা কাউথোকখিদুনা লৈখ্রবশিংদুগী শরুক খরসু নীঙশিঙজবগী ৱাফম ওইনা থমজরি। অদুগা মণিপুরগা ম্যান্মারগগী মরীশিংসিদা য়েংথীনবা অমসুং লাম্থেংনবগী মরীশিং অদুদি পন্দবা য়াদবা খর পল্লবসু লাইরিক অসিদা লৌখৎচদে। মীওইবনা মী ওইনা হিংন-পান্ননবা, মাগী মাগী কাংলুপকী খুন্নাইশিং লীংননবা অমসুং হিংহন্নবা হোৎনবদা অমগা অমগা মতেং লৌনখিবা অমদি পীনখিবদুদা থেংনজবা ৱারী-ৱাতাইশিং অমদি ৱাখোঙ-ৱাফমশিং খর খোমজিঞ্জদুনা থমজবনি। মরোন-মরৈ তীন্নদ্রবা, মরু ওইনা লাইনীঙ-লোনচৎ মান্নদ্রবা মী কাংলুপ অনিসিগী লৈপাক অনিসি পুৱারীগী পরীং কয়ামুক্তা থোক্লকপা থৌদোক-ৱাথোকশিংগী মতুং ইন্না অমুক চান্নবা, অমুক য়েংথীনবা ওইনা পান্নরকখিবনি, ঙসিসু অদুম পান্নরি। অদুনা মখোয় অনিমকসি তুংলমচৎকী লমদাংশিংদসু নুংঙাই-য়াইফনা পানমিন্ননবা তাইবং মপুনা পীনবীসনু।

—অইবা—

7

য়াওফম তাকপা

ৱামাঙ য়ানবা অমসুং লাম্থোকচবা v

ৱাহৌদোক ৯

১) ম্যাম্মা/ম্রাম্মা অমসুং মৈতৈগী মরী ১১

২) লৈঙাক্লোনগী মরী ১৩

ক) লৈঙাক্লোনগী মরীদগী চারৌ-মৌরৌনবা ১৬

খ) খুন্নাইলোনগী মরীদা চারৌ-মৌরৌনবা ২৫

গ) শীল্লম-শীনফমগী মরী ২৭

ঘ) শঙশা-য়ুমশাগী মওং-মতৌদা ২৮

ঙ) কিয়োংগী মচৎ-মনাৎ ২৯

চ) কুম্মৈ-ফিয়োংগী মরী ৩০

ছ) মৈতৈ-উমংলাই অমসুং ম্যাম্মা-নাট ৩১

জ) মৈতৈগী পাঞ্জি অমসুং বামোনশিং ৩২

ঝ) মৈতৈগী ব্রহ্মপুত্র তুরেন, নিংথি ৩৩

৩) লল্লোন-ঈতীক্কী মরীদা ৩৬

৪) পৃথিবীগী ২ শুবা লাঞ্জাওদা মৈতৈ অমসুং ম্রাম্মা ৪১

— ম্যাম্মা-মৈতৈ অমসুং জাপানীজ উনবা ৪৩

— মণিপুরদা লাঞ্জঙনবগী থৌরাং ৪৫

— মখা তারকপা কেম্পশিং ৫৩

— হৈরোক্লোমদা মাইন-বোম ফুম্বা ৫৫

— নুঙতাক্তা য়েক্লবগা লাম্বা ৫৫

— জাপানীজশিংনা মণিপুরবু কোয়শিনবা ৫৭

— বোংলী খুন্দা অরোয়বা খোঙফম ৫৮

— লান হন্দোকপগী খোঙচৎ ৫৯

— লাংকাউঙ কেম্প ৬০

— মখা তানা লান হন্দোকপা ৬১

— মখা চত্থরকপা থৌরাং ৬৬

— লান লেপ্পখিবা ৬৭

— বর্মা লৌশিনখিবা অমসুং মায়থীবা ৬৯

৫) ৱাখোম-ৱারোয় ৭৪

৬) ম্যাম্মারদা মণিপুরীশিংনা খুন্দাবগী পুৱারী
Indo-Myammar Cultural Relation 9-11 March 2012 at Moreh ৭৬

৭) মরী-মখোঙ লৌজখিবা লাইরিকশিংগী মমিং-মথা ৮৩

ৱাহৌদোক

হৌজিক্কী ম্যান্মার, মমাঙগী অমসুং মমাঙঙৈগী বর্মা লৈপাক অমদি মসিগী মীশিং/মীওইশিংবু মণিপুরী মৈতৈশিংনা, "খামরন/খাম্রন" নত্রগা "ঔৱা/অৱা" হায়না খঙনরকখি অমসুং কৌরকখি। অদুগা মখোয়না মৈতৈ / মণিপুরীশিং অমসুং মৈতৈ-লৈপাকপু "কটে (Kate/Kase) হায়না কৌই। মখোয় ম্রাম্মা/ম্যান্মাশিংবু মৈতৈনা" ঔৱা/অৱা" হায়না কৌবা অমসুং খঙনবা অসি, মখোয়না মখোয়গী নিংথৌ পানবা লৈপাক্কী কোনুংদু ইরাবতী তুরেনগী খোংবান্দা তাবা অৱা সহর [AVA Town (21.52N, 96.01E)] দা ওইরম্বদগীনি অমসুং অৱা হায়না খঙনদ্রিঙৈগী মমাঙদা খৃঃ ১৫৮৬ গী অদুৱাইদদি "খামরন" হায়না খঙনরম্মী (চৈথা কুম ২০০৫,২৭)। অৱা/ম্যান্মার লৈপাকসিদা চাইনাদগী টাই (Tai) শিংনা খৃষ্টগী মমাঙ চহি ২১৪ গী অদুৱাইদগী মশীঙ নাইদনা হোংথরক্লুনা অৱাং/মথক থংবা বর্মা/ম্যান্মারদা খুন্দা-লৈতাদুনা লৈরকখি অমসুং মখোয় টাইশিংদুবু অৱা/ম্রাম্মা (ম্যাম্মা) শিংনা "শান (Shan)" হায়না কৌই অমসুং খঙনৈ (P.G.. 1968, 1-2,8)। শানশিং অসিবু মৈতৈশিংনা কবো (Kabo) হায়না খঙনৈ। মৈতৈশিংনা অৱাশিংদগীদি কবো (Kabo or Shan) শিংসিনা হাননা শকখঙ-মায়খঙনৈ। অদুগা কবো/শানশিং অসিগী তোঙান তোঙানবা ফুরুপ-কাংলুপশিংগী মনুংদা হৌজিক্কী ম্যান্মারগী কচেন/কাচিন ষ্টেট (Kachen/Kachin State) গী মোগাউঙ ডিষ্ট্রিক্তগী মোগাউঙ টাউন (Mogaung Town) নৎত্রগা থায়নগী মুঙ-রি মুঙ-রাম (মুঙ-হি মোঙ-হাম) দা কোনুং ওইদুনা পাল্লম্বা টাই-মাও নৎত্রগা মাও-শান (Tai-Mao or Mao-Shan) কাংলুপকা মৈতৈশিংগা খৃষ্টগী ১৫ শুবা অমসুং ১৮ শুবা কুমশীঙ চাশিংদা য়াম্না অচেৎপা মরী লৈনরম্বগী ৱারী-ৱাফমশিং মণিপুর অমসুং ম্যান্মারগী পুৱারীগী লামায়শিংদা অমসুং শান ক্রোনিকল, বর্মীজ ক্রোনিকল, মণিপুরী রোয়াল ক্রোনিকলনচিংবদা ফংই। মাও-শানশিংবু মৈতৈনা ডিমাসা/বোড়ো মরোন (Dimasa/Bodo dialect) দা পোং (Pong, meaning paddy) হায়না

কৌবসিনা খঙনৈ। কবো (শান) শিং অমসুং অৱা (বর্মীজ/ম্যান্মা) শিংগী তোংঙান-তোংঙানবা পুৱারীশিং লৈনৈ। অদুবু খৃষ্টগী ১৭১৮ শুবা মতমদগীদি অৱাশিংনা মপাঙ্গল কনখৎলক্লুনা ১৯ শুবা খৃষ্ট কুমশীঙ চাদদি ম্যান্মার/বর্মা লৈপাক্কী মনুংদা লৈবা পোং, শেনবীনচিংবা শানগী ফুরুপ-কাংলুপশিং, অৱা/ম্রাম্মাগী কোই, টালেংনচিংবা মনীঙ তম্বা ফুরুপ-কাংলুপশিং পুম্নমক লোই চন্দুনা নমথরগা কোনব্যাউঙ নিংথৌ শাগৈ [Konbaung Royal Dynasty (1754-1886 A.D.)] গী মখাদা থমদুনা মখোয়গী অপুনবা কাংলুপকী মমিং "বর্মীজ/ম্রাম্মা/ম্যাম্মা" হায়বসি কৌদুনা খঙনরকখি অমসুং লৈরকখি। মরম অসিনা হৌজিক্তদি, পোং ওইরবসু, শেনবী ওইরবসু, মৈতৈ ওইরবসু, চিন কাংলুপ ওইরবসু, শান ওইরবসু, ম্রাম্মা/বর্ম্মা লৈপাক্কী মী ওইনা "বর্মীজ/ম্যাম্মা" হায়না অপুনবগী ওইনা খঙনরিবনি। মাগী মাগী ফুরুপ-কাংলুপকী চৎনবী, পুৱারীনচিংবদু ম্যান্মার লৈপাক্কি লমচেৎ-লমতুপকী ওইবা মচৎ-মনাৎ, পুৱারীনচিংবা ওইনা লৌরিবনি নৎত্রগা চৎনরিবনি।

পুৱারীগী মতম তাঙ্ককশিংদা ম্যান্মার লৈপাক অসিগী অঙনবা মতম তাঙ্কক্তা অৱাং/মথক থংবদা পাল্লিবা টাই/শানগী নিংথৌশিংনা খুৎকন-পাঙ্গলবা হেল্লি অমসুং ময়ায় চনবা মতমগী তাঙ্কক অমসুং অথেংবা মতমগী তাঙ্কক্তা অৱা/ম্রাম্মা (বর্মীজ) নিংথৌশিংনা খুৎকন-পাঙ্গলবা হেল্লি। অদুগা লৈপাকসি লমখৈ/ঙমখৈ অমসুং পাক-চাওবগী লমকন্দি পানখি-পানখিবা নিংথৌশিংগী মতীক-মথৌনাগী মতুং ইন্না অৱাংলোমদা চাইনগী য়ুন-নান প্রোভিন্স, নোংপোক্লোমদা শ্যাম (থাইলেন্দ) অমসুং কম্বোদিয়া (Compuchea) খাদা মালেসিয়া অমসুং নোংচুপ্তা পাশা (সিলেট) য়ৌবা ওইনা পাকথোক-চাওথোকপা অমসুং পীকশিন-চপশিনবা/ চেং-শিনবা নাইনা পুৱারীগী খোঙথাংশিংদা চৎলি। ম্যান্মার লৈপাক অসি হৌজিক্কী মতমদা পাক চাওবসি স্কার কিলোমিটর ৩,৭৬,৫৭৮ (লাখ অহুম লীশিং হুম্ফুতরা তরুক চামঙা হুমফুতরানিপান) নি অমসুং কোনুংনা য়াঙ্গোন (মমাঙগী মিংদা রেঙ্গুন) সহরনি ([R.A. 2007, 140])। লৈপাক অসি চহি ৬২ (খৃ : ১৮৮৬ তগী ১৯৪৭ ফাওবা) বৃটিশকী মখাদা লৈরম্মী।

ম্যান্মা/ম্রাম্মা অমসুং মৈতৈগী মরী

ম্যান্মা/ ম্রাম্মা (বর্মীজ) অমসুং মৈতৈগী লৈনখিবা মরীশিং অসি কাংলুপ অনিসিনা মনীঙ-মখা তম্বা, মশা মতোমতা লৈঙাক ৱায়েন থৌদা তৌজবা অমসুং মনীঙ তম্বা নিংথৌনা হাইনা-হুমনা পানবা কাংলুপশিং অমদি নিংথৌ পানবা লৈপাকশিং ওইনা য়ুমলোন-য়ুমথংননা, কৈ:রোন-লৈ:রোন্ননা লৈমিন্নরকপা-পানমিন্নরকপা কাংলুপশিং অমসুং লৈপাকশিং ওইবনিনা অমুক খৎনবা, অমুক চান্নবা, হায়বা মহৌশা লাইরেম্বীগী ৱায়েল অদু কায়দনা চৎনরকই। লৈপাক অনিসিগী নৎত্রগা কাংলুপ অনিসিগী খৎন-চৈনবা, য়েংথী-য়েক্লবা, লানশোক-লাম্থেংনবা নৎত্রগা হাৎন-শুনবগী লমদাংদদি কাংলুপ/লৈপাক অনিসি অমনা অমগী মতম চুপ্পগী/পুম্বগী নৎত্রগা হোংবা-ওনবা লৈত্রবা য়েক্লবা (Permanent enemy) ওইনা হায়নৈ, কৌনৈ অমসুং লৌনৈ। অদুবু য়েক্লবা অদুনা লান্দা লানফা ওইনা মৈতৈনা পুরকপা অৱা/বর্মীজ মচাশিং মৈতৈ খুন্নাইদা তীনখি অমসুং মৈতৈ ওইনা মখোয়গী চাদা-নাউদা মচা-মশূশিংনা মৈত্রবাক্তা অমদি মৈতৈ খুন্নাইদা ঙসি ফাওবদা হিংলি, খুদম ওইনা খুরখুল খুঙ্গং, খামরন খুঙ্গংগী মীশিং অমসুং খুনবোঙময়ুম শাগৈ, কোন্সম (অপীশা) শাগৈ, অসিনচিংবনি। অৱা/ম্যান্মাশিংনা চহি তরেৎ খুন্তাকপা (খৃ : ১৮১৯-২৫) গী মতমদা খৃ : ১৮২০ গী জানুৱারী তাং ১০ (শক ১৭৪১ গী ফাইরেন ১০ নি), লৈপাকপোকপদা অৱাদা পুশিনখিবা মৈতৈ লানফা লাখ অহুম (৩,০০,০০০) অমসুং খৃ : ১৮২১ গী ফেব্রুৱারী ১১ (শক ১৭৪২ ফাইরেন ৯ নি) নোংমাইজীঙ নুমিত্তা অৱাদা পুশিনখিবা মৈতৈ-লানফা লাখ অহুম (চৈথা : কুম : ২০০৫, ২১৬, ২১৮) অদুনা নৎত্রগা অতৈ মতমগী মৈতৈ-লানফাশিংনা ঙসিগী ম্যান্মারগী লমশিং, সহরশিং, ভামো (Bhamo) শগাইং (Sagaing), মন্দলে (Mandalay), রেঙ্গুন/য়াঙ্গোন (Rangoon/Yangoon) নচিংবদা খুন্দা-লৈতাদুনা বর্মীজ/ ম্রাম্মা মৈতৈ ওইদুনা চান্ন-চিন্ননা লৈমিন্নরি। অহুমশুবা এঙগ্লো-বর্মীজ ৱার, ১৮৮৫-৮৬ (The 3rd Anglo-Burmese War, 1885-86)তা

বৃটিশকী লানবাংবা মণিপুরগী জেনরেল সৌগাইজাম্বা বলরাম সিংহ (খৃ: ১৮০৫-৮৯) না মণিপুরগী সিফাই ৯০০ (চামাপন) [মৈতৈ ৪০০ অমসুং খোংজাই ৫০০] পুদুনা কেন্দাৎ/কিন্দাৎ [Kindat (23.44N., 94.29 E)] লান চৎপদা মৈতৈ-খুন লৈরমখি (ব:ক:শ:, ২০১১, ২২৫-২৬)। কিন্দাৎতা লৈরম্লিবা বর্মীজ-মৈতৈ/ মণিপুরীশিংদুনা অৱা/বর্মীজগী মতেং পাংনবা হোৎনখী, অদুবু মৈতৈ লান্মীনি খঙলকপদগী লান য়াওদনা বর্মীজ-মৈতৈশিংদু লৈখি।

খুন্নাইলোন, লৈঙাক্লোন, শেনবা-থুম্বারোনগী হিরম কয়াদা মৈতৈ অমসুং অৱা/ ম্রান্মাশিংসি অমগা অমগা মরী লৈনরকখি। অদুগা চারৌ-মৌরৌনবসিনা লৈঙাক্লোন অমসুং খুন্নাইলোনগী য়াম্না মরু ওইবা পান্দৈ অমা ওইরম্মী। ম্যান্মার লৈপাকসি মৈত্রবাক-মণিপুরগা য়ুমলোন-কৈরোন্ননা অৱাং-নোংপোক, নোংপোক, খা-নোংপোক অমসুং খা/মখাগী লমগী ঙমখৈ তংখায় অমা কোয়শিন্দুনা মমাঙঙৈদগী হৌনা লৈরকখি অমসুং লৈরি। লৈপাক অনিসিগী পুৱারিগী মমাঙগী মতম, অঙনবা পুৱারীগী মতম তাঙ্কক, ময়ায় ওইবা পুৱারিগী মতম তাঙ্কক অমসুং অথেংবা পৱিারীগী মতম তাঙ্কক্তা লৈনরম্বা মরীশিং অমদি লৈপাক অনিসিগী মীওইশিংনা চঙথোক-চঙশিন, খুন্থোক-খুন্দাই, য়ুমহোং-কৈহোংনচিংবা তৌনরম্বগী ৱাফমশিং অসি ইন্টর্নেশ্নেলগী থাক্তা (International) অইবা ৱারোল নৎত্রগা আর্কিওলোজিকেল ঈভিডেন্স (Archaeological Evidence) ওইনা পুথোক্তুনা থম্লবা ৱারোল ওইনা লৈত্রি। মৈত্রবাক্কী-মায়কৈদা অরিবা অমসুং অঙনবা মতমশিংগী খুন্থোক্লক্তুনা খুন্দারিবা অয়াম্বা ম্যান্মাররোমদগী খুন্থোক্লককপা ওইনা ফংই। খুদম ওইনা মৈতৈগী লুৱাং অমসুং খুমন কাংলুপ, নৎত্রগা য়েক অনিগী পুকোক পুরেন (Ultimate progenitor) ওইরিবা চীঙখোঙ পোইরৈতোন, লৈমা লৈনাউতাবী অমসুং মখোয়গী খোঙলোই-খোঙবুগী কাংবু/খুৎ (Horde) না লৈনুং লমজাও-লমদমগী খমনুং লৈপাক্কী কোনুং শৱা কংলৈ (Shawa town) দগী খুন্থোক্লককপগী ৱাফমসিনি (মো:চ:স:, ১৯৭৯, ৪-১৫)। পোইরৈতোনগা লোইনরক্লিবী লৈমা লৈনাউতাবীসিনা শারোঙ ফি [মোলেসিয়াগী খ্বাইদগী ফাওবা ফিগী মমিংনি (Ch.E.D., 1991, 1304)] শেৎপা শীজিন্নবসিনা শৱা কংলৈসি, হৌজিক্কী ম্যান্মারগী সগাইং ষ্টেট/ডিভিজনদা লৈরিবা শ্বেবো টাউন [Shwebo town (22.23 N. 95.45 E)] অসি ওইনা লৌবা নৎত্রগা পুথোকপা য়াই।

লৈঙাক্লোনগী মরী

মৈতে অমসুং ম্রাম্মা ["বর্মা" হায়বা এঙগ্লিসাইজড ৱাহৈসি "ম্রাম্মা" হায়বা কাংলুপকী মমিং অসিদগী লাকখিবনি] নৎত্রগা মৈত্রবাক অমসুং ম্যান্মার অনিগী লৈঙাক্লোনগী মরী অসি পাৱারীগী (Historical) ওইবা লমদাংদা ফংলিবসি মৈদিংঙু থাঙৱাই নিংথৌবা, নৎত্রগা মান্নবা মিংলেন্দা মৈদিংঙু শেনবী-ক্যাম্বা/[ক্যাংঙম্বা, ক্যাং লমদম লোইচনবা (খৃ:১৪৬৭-১৫০৮)]গী স্না হাক্তক্কী খৃ: ১৪৭০ দগী ফংই (চৈথা: কুম : ২০০৫, ১৯)। মসি মৈদিংঙুসিনা মতমদুগী ম্যান্মারগী লমখৈ মনুংগী মুঙ-রি মুঙ-রাম (Mung-Ri Mung-Ram) নৎত্রগা মোগাউঙ (Mogaung) দা পানবা পোং নিংথৌ মৈতৈনা চৌফা খেকখোম্বা/খেখোম্বা কৌবা শান (পোং) না সাও (চাও)-ঙান-পা [(Sao/Chao-Ngan-Hpa (1415-45 A.D.)] গা মরী লৈনবা অমসুং মৈদিংঙু ক্যাম্বগী মচানুপী ৱাংঙল্লোন অমা পোং নিংথৌসিদা থাজবগী নুপী থিনবদা খম্পাৎকী নিংথৌনা লম্বীদা ঙাইরগা নুপীদু ফাখিবগী ৱাথোক্তগীনি। হায়জরিবসিগী মতাংদা পীবীরল্লিবদি ঃ-

16th ...Soohoongkhom (Sao-Ngan Hpa), in the year 1474 A.D. sent an embassy headed by a shan nobleman called Chowlanghiee, to Kyamba, the reigning prince of Muneepoor, requesting a daughter in marriage, which was acceded to ; and in the following year, the princess left Munneepoor for Pong, escorted by Chowlanghiee. On reaching Sekmoo hill, which is close upon the western frontier of the Samjok territory, the cavalcade was attacked, and the princess carried off by the Rajah of Khumbat who had been lying in wait at the foot of the hill for this purpose, with a chosen band of followers. The Pong nobleman Chowlanghiee effected his escape, and reaching Mongmaorong (Mung-Ri Mung-Ram), related the disaster and capture of the princess.

17th Measures were immediately taken to avenge so gross an insult, the king of Pong crossed the Ningthee or Kyendwen river, at the head of a considerable force, and entering the Kubo Valley was there joined by the Munneepoor chieftain with all his men; they besieged Khumbat, which, after an obstinate defence, was carried by assult, and the Rajah made his escape to the southward, on a spotted elephant, by a pass which still bears his name and commemorates the event.

18th A tract of country was then made over to the Rajah of Muneepoor by the king of Pong, extending east to the Noajeeree a range of hills running between the Moo and Kyendwen rivers, which was then established as the boundary between the two countries, south, the limit extended to the Meeyatoung or Meeya hills and north to a very celebrated mangoe tree near Moongkhum between the Noajeeree hills and Kyendwen river, where, the two princes seperated and returned to their respective capitals. [R.B.P., 1998, (113)-(114)]

অসিনি। অদুগা মৈতৈগা পোংগা পুন্দুনা ক্যাং-খমপাৎ লান্দামিন্নবা, লম য়েন্নবা অমসুং মচৎ-মনাৎকী লমদাংগী পোৎলম-চৈরম্নচিংবা শিন্দোক-শিঞ্জিন তৌবনচিংবসি মৈতৈগী লাইরিক চৈথারোল কুম্বাবনচিংবদসু পীরি, মদুশিংদুদি ঃ-

... শকাব্দ ১৩৯২ (খৃষ্টাব্দ ১৪৭০) দা মৈদিংঙু ক্যাম্বনা ক্যাং ঙমগে হায়দুনা খারি চীঙখোঙদা শন্দং অমা ঈরোৎলে। কবো ক্যাং ঙমএ। মৈদিংঙু ক্যাম্বনা পোং নিংথৌ চৌফা খেকখোম্বগা লানলোইননা... কবো ক্যাং খমপাৎ নামিন্নে। ...পোং নিংথৌ চৌফা খেকখোম্বগী মনাই লাকৱান পেরে খোংবগা মৈদিংঙু ক্যাম্বগী মনাই শেক্তা পুংয়ৈবগা শিন্নেএ। মৈতৈগী মহৌৱাংবীশুম্বগা কবোগী চাপাক তে-তে কৌবগা লময়েন্নেএ। পোংগী লমদি হৈনৌ খোঙনেম্বগী মখেনে, মৈতৈগী লমদি মুংখোং মুৱাইগী মখেনে। নোংপোকলমদা লোইচারিগী মখে, মখা লমদি মিয়াতোং কৌবা চীং হৈনৌ খোঙনেম্বা পোকপগী মখে, খারি লৈপাক অয়াম্বা পুন্না খাইরমএ। শোমশোক য়িম্মাঙদি পোংগী লমনে। য়ুমনিঙদি মৈতৈগী লমনে।...(চৈথা:কুম; ২০০৫, ১৯-২০)। মথক্কী লাইরিক্তগী লৌথোক্লকপসিদা য়াওরিবা "মৈদিংঙু ক্যাম্বগী মনাই শেক্তা পুংয়ৈবসি পোং লৈপাক হায়বদি হৌজিক্কী ম্যান্মারগী মোগাউঙ সহরদা পুখিদুনা পুংয়ৈবগী মচৎ-মনাৎসি অৱাং থংবা ম্যান্মারগী লমদমশিংদা শন্দোক্তুনা লৈখিবনি। অদুগা মহাক্কা

শিন্নরিবা লকৱান পেরে খোংবা “ হায়রিবস্সিনা মতমদুদা মণিপুরদা লৈরমদবা খোংনবা খুৎলাই /ইনষ্ট্রুমেন্ট “পেরে (Rounded / Circular trumpet)” অসি অমসুং মসিবু খোংবগী ঈশৈ-নোংমাইগী মচৎ-মনাৎ (Musical instrumental culture) অদু পুরক্কুনা মণিপুরদা লৈখিবনি। অদুগা নোংপোক হারমলোন অমসুং সোরারেন মচা খুনকুম্বা [R.B. Pemberton না মহাক্কি লাইরিক North Eastern Frontier of (British) India দা Shan chronicle অমা মহাক্কী মখুত্তা লৈ হায়না পল্লিবা (R.B.P., 1998, 108)] নৎত্রগা কবো-মৈতৈ লময়েন লাইরিক কৌবদদি পোং নিংথৌনা মৈতৈ নিংথৌ ক্যাম্বদা থৌদোকসিদা পীরম্বা মচৎ-মনাৎকী মীওইশিংসিদি ঃ-

১) “লৌতাসেং” কৌবা নিপা অসিনা লাইরিক্কী শীন তৌন-ও। মহাকসিনা ইবা-পাবগী থবক্তা লৈপাক নিংথৌ থবকশিংদা শীজিন্নবনি, ময়েক্তি শান-ময়েক শীজিন্নরমগনি।

২) “তৌখোকলাং” কৌবা অসিনা সনা থাঙ খন্নৌ-ও। মহাকসি নিংথৌগী হকথং’-নিংথৌশেনবদা (Body-guard) থাঙ পায়বা নিংথৌগী ঙাক-শেন থৌরাংগী মীওইনি।

৩) “চা-হোসেন” কৌবা অসিনা সনা-তা খন্নৌ-ও। মহাকসিনা নিংথৌগী অঙাক-অকন নিংথৌশেনবদা তা পায়বা হকথং-থৌগনবগী মীওইনি।

৪) “তৌতারুচা” কৌবা অসিনা তুম্বা-হীপ্পগী থৌগল তৌনৌ-ও।

৫) হংখু কৌবা অসিনা তীনগী-লাইগী থবক তৌনৌও। মহাকসিনা নিংথৌগী অমাইবা (Priest) অমসুং মাইবা (Doctor or Physician) নি।

৬) “তৌঙাইখোং” কৌবা অসিনা সনা ক্বাগোক খননৌ-ও।

৭) “লাংথালোই” কৌবা অসিনা শাশেম-ঙাশেমনৌ-ও।

৮) “লারোং” কৌবা অসিনা উত্রাদা য়েক-খোৎপগী শীন তৌনৌ-ও। মহাকসিনা লাইয়েকপা, অয়েক-অখোৎ তৌবা, মচু-মরাং তৈবা, শঙবনচিংবা থবকশিংগী মীওইনি।

৯) “তৌপ্রেং” কৌবা অসিনা য়োৎ-থাঙ শানৌ-ও।

১০) তৌখুললীক কৌবা অসিনা সনা-লুপাগী লীক শানৌ-ও।

১১) হেমতৌচেং কৌবা অসিনা শগোল-শামুগী থবক তৌনৌ-ও।

(নোং ঃ হা ঃ খুৎ ঃ লাই)

অসিশিংসিনি। মৈদিংঙু ক্যাম্বনা পোংনিংথৌদা পীবসি শেক্তা পুঙয়ৈবসি মতোমতা পীরম্লোয়, মহাক্তা লোইননা মী মঙা/তরা পীরমগনি হায়না থাজজে। অদুগা মচানুপী ৱাংঙম্লোন (Princess) পোংনিংথৌদা থাজবা, খমপাৎ নিংথৌনা ফাখিবা অদুসু মতোমতা পোং লৈপাক্তা চৎনবা থারক্লম্লোয়, মমান্নবী খরদি য়াওরমগনি।

মৈতৈ লাইরিক "থাঙলোন থাঙচৎ" কৌবদা, "পাখংব (মৈদিংঙু নোংদা লাইরেন পাখংবা ?) না লৈসু লৈশোয় য়াম্বীগা লিলানবীগা ২মা পানদুনা পোংগা পাইখুগা ২মা পোকএ। ক্রুনা (গুরুনা/পাখংবনা) মপিঙঙা ২মদা পাইখুদা থাঙ কাইরেম্বা পীদুনা মায়গৈ ঙাক-ও শীখিএ।...পোংদা পীখিবদি তরুং থাঙগা চৈশু থাঙগা ২মনে" (নঃ খঃ সঃ, ২০০৪,৫)- হায়না হায়রি। মসিনা তাক্লিবদি পাখংবগী মচানুপা অনি "পোং" অমসুং "পাইখু" কৌবা অনিসি তরুং-থাঙগা চৈশু থাঙগা থাঙ অনিসি অমমম পুদুনা পোং লৈপাক ("মোগাউঙ" নৎত্রগা মথক্তা পীজরিবা)তা চৎখি অমসুং লৈপাক্কুদা মায়কৈ ঙাকপা ওইনা খুন্দাখি-হায়বনি। ৱাফম অসি লাই-তীনগী নৎত্রগা লাইওই-তীনওইবগী ৱারী-শীঙবুন (Legendary or Mythical/mythological tale/story) নি। অদুবু ৱারী-শীঙবুনসিনা পীরিবা ঈ-পাউদি পোং (মাও-শান / টাই-মাও (Mao-shan/Tai-Mao)] গা মৈতৈ (Meitai) গা লৈনরিবা নুংশিনবগী মরী, হৌরকফম অমতা ওইবা, মপা অমতগী মচা ওইবা মীওইশিংগী চাদা-নাউদা (Descendants of the persons of the same or one father) শিং ওইনা পীরিবা পুনশিন-তীনশিন্নবগী লীচিং অমসুং মরী অদুনি।

ক) লৈঙাক্লোনগী মরীদগী চারৌ-মৌরৌনবা

চারৌ-মৌরৌনবা হায়বসি লৈঙক্লোনগী মরীদা লৈপাক অমগী মপাঙ্গল কনখৎহন্নবা, লৈপাক্কী ঙমখৈ শন্দোক্লবা অমসুং মরন-মথুম হেনগৎহন্নবগী থ্বাইদগী হেন্না ফরবা পাম্বৈ অমদি খুৎলাইনি। হিরমসিদা মৈতৈ অমসুং ম্যাম্মা (শান /কবো নৎত্রগা পোং) অনিগী মরক্তা মরী লীংখৎনবা হৌদোকখিবসি মৈতৈ নিংথৌ ক্যাম্বা অমসুং পোং নিংথৌ চৌফা (Chou/Chao-pha/Hpa) খেকখোম্ব (Sao-Ngan-Hpa or Soohoongkhum) নি হায়বসি মথক্তা উৎচখ্রে। মসিগী মমাঙদা মৈতৈ অমসুং ম্যাম্মা /ম্রাম্মা নৎত্রগা কবো /শানগী ফুরুপ /কাংলুপ অনিগী মরক্তা চারৌ-মৌরৌনবগী মরীসি লীংখৎনবা থৌরাং তৌখিদ্রি। মরী অসি ঈচম চম্না লৈপাক মীয়াম-মীচম গী মনুংদা লৌন-লৈনবগী মরী অদু নত্তে ; লৈপাক্কী লুচিংবা, লৈঙাক

বা য়েন-থৌদা তৌরিবা নিংথৌরেল, নিংথৌ অমসুং নিংথৌমচাশিং অমদি নিংথৌমচা নুপীশিংগী মরক্তা লীংখৎনবা লৌন-লৈনবগী মরীনি।

অৱা/ম্রান্মাগী তোঙ্গুং নিংথৌ শাগৈ (Taungu Dynasty) গী ৯ (মাপন) শুবা নিংথৌরেন শ্রীমহা শিহসুর সুধর্ম্ম রাজ নৎত্রগা মার উঙ রত্ন দরগা (Thiri Maha Thikathura Thudhamma Raja or Mar-Aung Ratna Daraga (1698-1714 A.D.)] না পানবা মতমদা য়ুরোপকী লল্লোনবা কম্পনীশিংনা লম লৌশিন্নবা হোৎনরকপা অমসুং ম্রাম্মাগী লৈঙাকপা (Woon) শিং অমসুং নিংথৌরেন্না মপাঙ্গল হন্থরকপদা মৈতৈশিংগা চারৌ-মৌরৌননবা থৌরাং পায়খৎলক্লম্মী। নিংথৌরেন মার উঙ দরগাসি মহারানী মশীঙ য়াম্বা অমসুং মচা নুপা অমসুং মচানুপীশিং য়াম্বনা হাননা অৱাবা ওইদুনা লৈরবনি অদুবু তালিং/তালেং, অরাকানীজনচিংবা ম্রাম্মা মনুংগী লানশিং মৈতৈগা থেংনহন্নবা খুজীন-থৌরাংদা মৈতৈ নিংথৌগী মচানুপী অমা লৌরগা থৌশীন্দবা য়াদবনা খৃ: ১৭০৩ দা মৈতৈগী ৱাংঙমলোন হায়বা লাকখিরম্মী, মদুদি ঃ-

...অরামবম খুঞ্জানগী কুম শক ১৬২৪... ফাইরেন থা শগোলশেন্না হনএ (খৃ: ১৭০৩ গী ফেব্রু-মার্চ)। অদু নুমিত্তা অৱা লাইবারনা লৈমা নীবা লাকএ (চৈথা ঃ কুমঃ ২০০৫, ৬৯)।

অসিনি মতমসিদা পাল্লিবা মৈতৈ নিংথৌসি মৈদিংঙু তুবী চরাইরোংব (খৃঃ১৬৯৭-১৭০৯) নি। মহাক্কী লৈখিদ্রবী তাল্লোই শাৎপম চনু নোংথিলচায়বীনা (মথক্কীসিদা, ৫৯) পোক্লম্বা চক্‌পা মখাওঙম্বীবু পীগে হায়না য়ানখি। অদুগা মতুং চহি ৪ (মরি) রোম লৈরগা অৱা নিংথৌগী কোনুংদা থিনবীখি। মতমসিদা অৱা নিংথৌসি অৱা সহরদা কোনুং ওইদুনা পাল্লি।

চকপা মখাও ঙম্বীসি মশানা থম্মোই কখোকচবা মীশক অমা লৈজরম্মী। মহাক অদু মোইরাং য়েক ওইবা পোললেম মচা (পোল্লিবা, পোন লীবা / লোনবা নত্রগা শাবা) লমথোক কৌবা মতমদুগী হাওবম লৈকায় (হৌজিক্কী ইম্ফালগী বাবু পারা) দা লৈরম্বা পাখং অমা ওইরম্মী। ৱাংঙমলোনসিনা পল্লিবা লমথোক্কী নুংশি খুদোন পীবুক্লুংদা পুরগা অৱা কোনুংদা ওঙলুবনা ম্রাম্মা নিংথৌনা মহাক্কী লৈমা লুচিংবী লৈমরেন মরিগী ফমথোন্দা লুহোংবগী চহি অদুমতং ওইহল্লম্লগা লৌথোক্কুনা অচম্বী লৈমগী থাক্তদা থৈথদুনা থম্লম্মী। হায়রিবা পাউসি মৈতৈগী কোনুংদা য়ৌখিরম্মী। মপাবুং ঈবুংঙো তুবী চরাইরোংবনা মচানুপী থাজরগা মহাক্কী লোইলমশিং চকপা

খুঙ্গংশিং অমসুং চীঙমী খুঙ্গংশিং অৱাশিংনা লৌশিনখিবদুসু হন্দোকপীরকত্রে, মচানুপীবুসু ঈকাইবা পীরে, অসিনচিংবা হায়দুনা লমন খুন্নবা থৌরাং তৌদুনা লৈরম্মী। হায়রিবা থৌরাংসিগী মীচঙ খোম্বদা মৈদিংঙুসিনা মৈত্রবাক্তা হিন্দু লাইনীঙ হৌদোক্তুনা ক্ষেত্রি লমচৎ চৎনবা কালিকা লাইরেম্বী লাৎপা লাইনীঙ শক্তি (Sakta) ধর্ম্মদা খৃ: ১৭০৪ দা লাইমিং লৌখিরম্মী। অদুবু লাইবক্কী নোংদম থীরকপগী পুন্সি তেল্লকপনা মশাগী চহি ৩৭ (কুন্থরাতরেৎ) তা খৃ: ১৭০৯ দা নোঙ্গাখি। মৈদিংঙুসিনা পুকচৎপগী লাইনানা নারক্লবা নোঙ্গারমদায়গী মতমদা মচাঈবুংঙো অহন নিংথেম ময়াম্বা (ময়াংঙম্বা) দা মচাঈবেম্মা চকপা মখাওঙম্বীগী লমন খুম্মক্লবা চেকশিন্না শিন্নরমখি।

অৱা লৈমা ৱাংঙমলোন চকপা মখাওঙম্বীনা পীবুকন্নুংদা পুরকপা নুংশি খুদোলদু অৱা কোনুংদা ভ্রাম্মা নিংথৌগী মচাঈবুংঙো ওইনা তাইবংপান ফাওরকখি। মমিংনা "মংদ্রা কেংদুঙম্বা" হায়না থোনখি। অৱা কোনুংদা তোঙ্গু নিংথৌমচাশিংগী মরক্তা য়োক্লক-চাওরকখি। শা-লানগী মহৈ-মশিংদা, মতীক-মপাঙ্গল লৈবদা অমসুং মথৌনা-মরিংজেন ফবদা ভ্রাম্মাগী তোঙ্গু নিংথৌমচাশিংগী মরক্তা মহাক্লা পুমহেন হেল্লম্মী। অদুবু মহাকসিনা অশেংবা ভ্রাম্মা নিংথৌগী মচা, অচুম্বা তোঙ্গু নিংথৌমচা নত্তবনা ভ্রাম্মাগী নিংথৌ শাগৈ মীওইশিং অমসুং ম্যাম্মাগী লৈঙাকলোনগী অঙম-অথৌশিং, অকন-অরিংশিংনা মহাকপু য়ারমদে অমসুং নুংশিরমদে,চীন মখৈদা ফজরগা শিবা য়াবা থবক-থৌরমশিংদদা মহাকপু থাজিন্দুনা অমসুং শীজিন্নদুনা মহাকপু শিহন্নবগী খুজীন-থৌরাং তৌরম্মী। মরম অসিনা মহাক্লা মশাগী চহি ১৭ / ১৮ (তরা তরেৎ / নিপান) শুরকপা খৃ ঃ ১৭২৫ গী জানু ঃ-ফেব্রু ঃ দা অৱা/ভ্রাম্মানা তখেন (ত্রিপুরী) শিংগা লৌতুনা তখেন্না নোংচুপ্তগী অমসুং ভ্রাম্মানা নোংপোক্তগী লান্দাবগী খোঙফমদা ভ্রাম্মাগী লাম্মীগী লাঞ্জিংলেন-পুরেন (Field Marshal) হাপ্তুনা লান শোক্লনবা থাজিল্লকখিরম্মী। অৱা লাম্মীনা ঈরম (ঈশিংগী মরম, পরীং) অমসুং চীঙলম (কংফান্দা চীঙগী মরম, পরীং) গী লাল্লম অনি ওইনা মৈত্রবাক্তা লান্দারক্লগা খোইবু চীঙশাং পরেং গী তরেৎ নমথৌ চীঙদোন্দা তেঙ্গোন শারগা তম্পাক্কী ৱাংজীঙ লৌবুক্তা লান শোক্লবা (মথক্কীসিদা, ৮৪) দা অৱাগী লাম্মীশিংবু লুচিংদুনা মৈদিংঙু গারিবনিৱাজগী মৈতৈ লাম্মীগা লাম্থেংনখিবদু মংদ্রা কেংদুঙম্বনি। মহাকপু মায়থিবা পীনবা হোৎনবদা মৈদিংঙু গারিবনিৱাজ অমসুং মৈতৈশিংনা য়াম্না ৱাখি। ৱাংজীঙগী লানফমসিগী অৱাশিংগী লানগী লাম্থোঙ খুৎশিন-লাকশীনগী ঈরোয় লোয়বা শীনবা লাম্থোঙদা

অৱা লান্মীনা মরৈপাক্তা হুনখিবা শারগা মৈদিংঙু গারিবনিৱাজ হাৎনবা খুজীন, শান্তীদাস গোসাই হাৎনবা - ফানবা শরৌ অমসুং লাইয়িংথৌ তাইবংখায়বা (সনামহী) গী লাই-ফম্বাল-ফম্বাক চায়খায়নবগী থৌরাংগী অরোনবা লাল্লম লান্মী অখন্নবশিং থম্বগী লাম্থোংঙসি অরুবনি। অদুবু লানফমদু অমসুং লাল্লোঙ-লাম্থোঙদু মায় পাকত্রবদা মংদ্রা কেংদুঙম্বা শোয়দা-ঙামদনা মমাগী মনাক য়ৌখি।

মৈদিংঙু গরিবনিৱাজ (খৃ: ১৭০৯-৪৮) মহারাজনা খৃ:১৭৪০ দা মশামক্লা মৈতৈ লান্মী খোঙমী ২০,০০০, শগোন-তোংবা লান্মী ৩,০০০ পুদুনা চেকং [শগাইং (Sagaing, 21'54N., 96.02E)] দা লান্দাবা চৎখিরম্মী। খোঙফমসিদা খৃ: ১৭৩৮ দা অৱানা লান তারকপদা থৌনা ফন্না লানশোক্লখিবা শগোন লান্মী পল্লিবা লমথোকসু য়াওরম্মী। শগাইংগী লানফমদা শোক্লখিবা লান অদুসু য়ান্না শাথীখিরম্মী অমসুং লানফমদুগী ম্রাম্মাগী লাঞ্জিংলেন-পুরেন (Field Marshal) সু মংদ্রা কেংদুঙম্বনি। মহাক্কী মমাঙদা মৈতৈগী অথৌবা অমত্তা লেপ্পা ঙম্লমদে। মহাকপু থিংননবা হোৎনরিবা মৈতৈগী লাল্লোই অমনা মহাক্কী লানগী পাউসি পল্লিবা লমথোক্তা তম্লম্মী। পল্লিবা লমথোক্লা কন-থৌরবা নহা ওইরিবা অৱাগী সেনাপতি অদু তম্না শগোল থৌজিনখিরম্মী। অদুগা অৱা সেনাপতিগী মতুংলোমদগী পল্লিবা লমথোক্ না মহাক্কী থাঙশাংনা য়াম্থদুনা অৱাগী সেনাপতিগী য়েৎ থংবা মখুত্তু ককথৎলম্মী। নহা ওইরিবা অৱাগী সেনাপতিদু শগোল মথক্তগী লৈমায়দা তারম্মী, অদুগা মহাকপু থাঙনা য়াল্লিবা মীশক অদু য়েংলগা হায়রক্লম্মী - "কটে খুই! নঙনা হুরান লান্নাদা ঐগী খুৎ ককথৎলে, মসিগী লমন্দি ঐগী অপোকপা ঈপা পল্লিবা লমথোক্লা শোয়দনা খুম্লক্লসনু।" "করি হায়বা" হায়দুনা পল্লিবা লমথোক্লা শগোল মথক্তগী চোংথরগা নহা ওইরিবা অৱা লাঞ্জিংলেন-পুরেন অদুগী মনাক্তা চঙশিল্লক্লে অদুগা হংলকখি, "নহাক কনাগী মচানো?" "ঐহাক চকপা মখাওঙম্বী, অৱা লৈমগী মচানুপানি," হায়না ৱানা খুম্লম্লগা অৱাগী লাঞ্জিংলেন-পুরেন্দু মতম পুম্বগী ওইনা মমিৎ উইশিনখ্রে। পল্লিবা লমথোক্লা- "ও! পারী ঈবুংঙো" হায়না তেংথা/নাউওইনা কোনখৎলে, অদুবু থৱাই য়াওদ্রবা হকচাংদু অমুক হন্না লেঙ-ওৎলকখিদ্রে। পল্লিবা লমথোক মশানা তৌজরুবা থবক্কী মহৈ ফংলদুনা নামৈ-য়েপ্পা খুৎশূ-থাঙলেন শত্তোক্তুনা মশা মতোমতনা মথন্তগী থৱাই লৌজদুনা লৈমায়দা মপারীগী মনাক্তা তাখ্রে। অকনবা লাল্লকনিনা কনানা কনানো হন্না য়েংনদনা লানগী লাল্লাউ মরক্তা খোঞ্জেল খোম্থাং পুন্নমক তীনখ্রে। নুমিদাংগী

মতম ওইরক্তুনা লান লেপখ্রবদা মপারী হল্লকত্রে হায়দুনা পলেম মমা অমনা মপারীবু থিরকপদা শগাইংগী লানফমদা মপারীগী অশিবা হকচাংগা লোইননা মশাবীগী অশিবা হকচাংসু থেংনদুনা অৱালৈমা চকপা মখাওঙস্বীসু মপারী, মশাবীগী অশিবা হকচাংশিংগী তাফম মনাক্তুদা নুরা মখুৎশূ থাঙলেন ফিরৈদা য়েপ্পনা থিঞ্জদুনা য়াইবী থাদোক্তুনা মপারী অমসুং মশাবীগী হৈনা মতুং ইনখি। অসুম্না অৱাবগী খম থেংলবা থৌদৌকসু মৈতৈ-ম্রাম্মা অনিগী চারৌ-মৌরৌনবগী মরীদা থোকখিরম্মী।

মৈদিংঙু গরিবনিৱাজনা খৃ: ১৭৩৪ দগী খৃ: ১৭৪১ ফাওবদা চহি ৭ (তরেৎ) কুম লেপ্তনা অৱা/ম্যান্মারগী সহরশিং—মৎসেম, দবায়েন, ম্যেদু, অৱা, শগাইংনচিংবা অমসুং খুনবী, খুল্লেন, খুঞ্জাও, খুঙ্গং, খুন্নৌ কয়া চায়খায়রকপা, চহি খুদিংগী কুম কাংদনা থুগায়-য়েখায়দুনা মাঙহল্লকপসিদা ম্যান্মা নিংথৌরেলগী মপাবুং ঈবুংঙো শ্রীমহাশিহসুর সুধর্ম্মরাজ(খৃ:১৭১৪-৩৩) গী মতুংদা পালহৌবা অৱা নিংথৌরেল শ্রীপৱার মহা ধর্ম্মরাজ দিপাতি নত্রগা শেঙ-ফ্যু-শেঙ না লৈপাক মপানগী য়ুরোপকী লল্লোনবা কম্পনীশিংগী ঈশৌ অমসুং লৈপাক মনুংগী লীংজেন মান্নদবনা কাংলুপ-কাংলুপ তাহল্লবা ম্রাম্মা মচাশিংগী-শরৌশিং থেংনবদা মপাঙ্গল শোন্থদুনা মৈদিংঙু গরিবনিৱাজগা ঙাইশেল ওইননবা মৈতৈ নিংথৌ-মচানিংঙোন ৱাংঙমলোন, অৱালৈমা ওইনবা পীয়ু হায়দুনা কয়ারক হন্না-হায়জরম্মী (মথক্কিসিদা, ৭৭)। অদুবু মৈদিংঙু গরিবনিৱাজনা মপাবুং ঈবুংঙো তুবী চরাইরোংবগী য়াথংনা মচন ঈবেম্মা চকপা মখাওঙস্বীগী লমন খুম্বা নত্তনা অতৈ থবক লৌখৎখিদে। অদুগা ম্যান্মার লৈপাক্কী মতুং তারকপা তোঙ্গু নিংথৌ শাগৈগী অরোয়বা নিংথৌরেল মহা ধর্ম্মরাজ দিপাতি (খৃ: ১৭৩৩-৫১) নসু ম্রাম্মাগী মপাঙ্গল কনখৎহন্নবা থৌৱাং লৌখত্তুনা মৈদিংঙু গরিবনিৱাজগী মচা ঈবেম্মা পীয়ু হায়দুনা কয়ারক নুপী হায়বা লাকখিরম্মী (মহাক্কীসিদা ১০৫,১১০,১১২)। অকোনবদদি মৈদিংঙু গরিবনিৱাজনা মহাক্লা পোকচবা মচানিংঙোল অৱা নিংথৌদা থাজনবা লৈতদুনা মনাউ ঈবুংঙো খমলাং পামশাবা ৱাংখৈরাকপা [মন্ত্রী অমসুং সেনাপতিসু মহাক্লা খ্বাইদগী অহানবা ওইনা ওইরমখি, খৃ: ১৭০৭ তা পোকখি অমসুং খৃ: ১৭৪২ দা লোঙ্গাখি (মহাক্কীসিদা, ৭১, ১০৬)] গী মচানুপী ৱাংঙমলোন সত্যমালাবু ম্রাম্মা নিংথৌরেন মহাধর্ম্মরাজ দিপাতিদা খৃ:১৭৪৯ দা থাজদুনা মৈদিংঙু মহারাজ মশামক্লা অৱা কোনুংদা থিনবীরুখি (মথক্কীসিদা, ১১৯)। হন্দক্কী মৈদিংঙুনা ম্যান্মারদা চৎপসিগী হল্লকপগী খোঙফমদা অৱা নিংথৌনা

মৈদিংঙুনা ম্যেদু সহর (Myedu town) য়ৌরবদা ম্রাম্মাগী কোই মী-কাংলুপ (The Koi tribe/race) লোই চনবীরম্মু হায়না নেক্লদুনা কোইশিংগী লৈপাক্তা লান্দাদুনা লানঙম্লকখি অমসুং লানফা য়াম্না ফারকখি। অদুবু কোইশিংগী লানফমদুদা বামোন গঙ্গারাম অমসুং শৌগ্রাকপম অকোঙ মৈদিংঙুগী মমাঙমক্তদা কোইশিংগা লান য়ান্নদুনা শিহৌখি (মথক্কীসিদা, ১১৯)।

মৈদিংঙু গরিবনিৱাজ মহারাজগী সনা হাক্তকসিদা ম্রাম্মাশিংনা চায়খায়বীরবা পোং [Pong/Bong or Mao-shan] লৈপাক্কী নিংথৌমচা অনি, মৈতৈনা মহিপাল কৌবা, মখোয়না মোঙপো [Mongpo] কৌবা ময়াম্বা নিংথৌমচা অমসুং মনাউ নিংথৌমচা, মখোয়না ক্যাথোন [Kyathon] কৌবা অনিনা খৃ:১৭৩৮-৩৯ দগী মৈত্রবাক্তা চেল্লক্তুনা পোং লৈপাক শেম্বীয়ু হায়না লান নেক্লখি (মথক্কীসিদা, ৯৯)। হায়রিবসিগী মতাংদা থম্বীরম্বা ৱারোল অমদি ঃ-

... An interregnum of ten years followed the expulsion of Chowoongkhum, and from 1617 to 1662 A.D. four rulers were mentioned... . In the years between 1662 and 1672, a son of the king of Ava reigned in Pong, after whom, the succession again reverted to the lineal descendants of their ancient race of Kings and five are mentioned whose united reigns bring the history of the country down to the year, 1734.

23rd. About this time two princes of Pong called Mongpo and Kyathon, fled to Rajah Gareeb-Nuwaz of Munneepoor, whose career of conquest has been noticed in the second section of this report, and solicited his protection against the Burmah: he attacked and destroyed the town of Meetoo, and establishing the two princes at Moongkhum, in the month of May, bestowed his daughter Yenjeejoyaee in marriage on the eldest. From Moongkhum, they returned in August to Mongmaorong, the ancient capital of Pong, where the elder brother reigned for a short and uncertain period. Chowmokhum (Mongpo) was succeeded by the younger of two sons named Chowkhoolseng, in whose time arose the Burmese dynasty of Mooksoo, with the founder Alompra (Alaung Bhoora), about the year 1752. A.D. from which period even a nominal independence has ceased to exist and this once extensive empire stretching to Assam, Tripurah. [R.B.P. 1998, (115) (116)].

অসিশিংসিনি। হায়রিবা পোং নিংথৌ মহিপাল (মোঙপো নৎত্রগা চৌমোখুম (Mongpo or Chowmokhum)] অসিনা মৈদিংঙু গরিবনিৱাজদা মৈতৈ নিংথৌগী বিষ্ণু সনানা হৈবদা মনুংদা ফুমগদৌরিবা পোং নিংথৌ খেকখোম্বা/খেখোম্বা (Soohoongkhum or Sao-Ngan-Hpa) গী য়াই (শেনবীয়াই) খৃ: ১৭৪০ দা পীরম্মী। হায়রবসিগী খুদম চাংদমদি ঃ-

... মোইরাং কোইরেংগী কুম শক ১৬৬২... ঈঙেন থা থাঅহননোং (খৃষ্টাব্দ ১৭৪০ গী এপ্রিলগী তাং ৮, থাংজ নুমিৎ) দা পোং নিংথৌ খেখোম্বগী য়াইবু নিংথেমগা পোং নিংথৌগা কুচুদা ফম্মিন্নবদা পীএ (চৈথা: কুম : ২০০৫, ১০২)।

অসিনি। হায়রিবসিগী মমাঙদা পোং নিংথৌ মহিপাল/মোঙপোসি মৈদিংঙু গরিবনিৱাজ মহারাজগী মচাঈবেম্মা ৱাংঙমলোন য়েঞ্জিজোয়ী (Yenjeejoyaee) গা লুহোংলবনি। লুহোংবসি চাওরাক্লা খৃ: ১৭৩৫-৩৬ কী অদুৱাইদা ওইরম্বা য়াই।

পোং নিংথৌ মহিপাল/মোঙপোনা মৈদিংঙু গরিবনিৱাজগী মচানুপী "য়েঞ্জিজোয়ী" গা চারৌ-মৌরৌনবগী লৈঙাক্লোন অমসুং খুন্নাইলোনগী মরীসিনা পোং নিংথৌ খেকখোম্বগী শেমবীয়াই ফংদুনা মৈত্রবাক-মণিপুরগী বিষ্ণু লাৎপা, হিন্দু বৈষ্ণব লাইনীঙদা অচৌবা খুদোল অমা ওইরি। অদুবু য়াম্না লীহঞ্জনীঙবা মীওই কয়ানা পোং নিংথৌ মহিপালনা মৈদিংঙু গরিবনিৱাজদা কুচু (King's office cum-court) দা মখোয় অনি ফম্মিন্নবদা খৃ: ১৭৪০ গী ঈঙেনগী নোংমা পানবা (এপ্রিল তাং ৮), থাঙজ নুমিত্তা পীবসিবু মৈদিংঙু শেনবী ক্যাম্বদা পোংনিংথৌ খেকখোম্বা মশানা খৃ: ১৪৭০ দা পীবা ওইনা ওহ্নোকই অমসুং ওইহল্লি। মরমদি বৈষ্ণবশিংনা পাৱারী-পুৱারীদা মীনম চাবসি ওইজবনি, পাপ নত্তে, পুন্যানি হায়না খল্লি। অদুগা হায়রিবী মৈতৈ ৱাংঙমলোন য়োঞ্জিজোয়ী পোং লৈমসি খৃ: ১৭৪৬ তা নোঙ্গাখি অমসুং মহাক্কী লূ (Bone relics/remains) মণিপুরদা চহীসিগী এপ্রিল থাদা পুরকখি অমদি মদু অপোং ঈংখোল (পোংগী মীশিং মণিপুরদা লাকপদা মখোয়গী থুংফম-লৈফম, হীপফম-চাফম্নচিংবগী শঙ শাদুনা থম্বা হৌজিক্কী রাজা ডুম্ব্রসিংহ হাইয়র সেকেন্দরী স্কুল লৈরিবা মফমসিদা লৈরম্বা ঈংখোল) দা ফুমখি [মথক্কীসিদা, ১১০]।

মৈদিংঙু গরিবনিৱাজ মহারাজগী মতুংদা মৈতৈ নিংথৌ ফম্বাল মুন্নবগী লাংদা থুরবা মৈতৈ নিংথৌ মচাশিং, ময়াম অমা খুদম ওইনা, মৈদিংঙু গরিবনিৱাজগী মচা ঈবুংঙোশিং- নন্দ শাই অমসুং মহাক্কী মচা-মশুশিং, শব্যশাচী শাই, ভরত শাই,

অসিনচিংবা কয়া অৱা/ম্যান্মারদা লৈখি, মখোয়দু অৱা নিংঙোনশিং লৌরমগনি। অদুবু মখোয়গী চাদা-নাউদশিং অদু ম্রাম্মা/ম্যাম্মা খুন্নাইদা চঙখিদুনা ম্রাম্মা/বর্মীজ ওইখ্রে। মৈদিংঙু মারজিৎনা নিংথৌ ওইননবগী অনিরকশুবা লানহৌ খৃ: ১৮০৯ দা মায়থীদুনা ময়াং লৈপাক্তা চঙফম লৌরুবদা ময়াং নিংথৌ কৃষ্ণচন্দ্র নারায়ন (খৃ: ১৭৮০-১৮১৩) না মধুচন্দ্র মহারাজ (খৃ:১৮০০-০৩) গী মচা ঈবেম্মা ইন্দুপ্রভা লৌবনা, ঈবেম্মসিনা খৃ:১৮০৪ দা মপাবুং হাৎপদা য়াওবা মারজিৎ মহারাজবু ঈকাইবা পীদুনা তাম্থোক্লকখি। মদুদগী মারজিৎ মহারাজনা কছারগী কোনুং খাসপুরদগী আরাকান ফাওরগা ম্রাম্মাগী কোনুং অম্রাপুর (Amarapur) দা চৎখিদুনা ম্যাম্মা নিংথৌ বাদুন মেঙ নৎত্রগা বোদো আপ্রা [Badun Meng or Bodoa-hpra (1781-1819 A.D.)] দা চঙজখি। মহাক্না অম্রাপুরদা নিংথৌ ফম্বাল ফংনবা মতেং নীবগী লৈরিঙৈদা অৱাগী নিংথৌমচানুপী (Burmese/Mramma Princess) অমা লৌরম্মী। মদুগী খুদম-চাংদমদি ঃ-

> In 1814, Mr. Smith a botanist from Bengal, pushed his botanical researches a considerable way into this remote country (Manipur) where his progress was stopped by an invasion of the Burmans (Burmeses/Mrammas/Myammas), who expelled the reigning Raja and placed his younger brother on the throne, after having married him to one of the king of Ava's daughters (Symes F. Buchanan, Colebrooke, & c.) [N.N.A. 1983, 174].

অসিনি। অদুবু মসিগী লৌন-লৈনবসি মৈতৈগী শঙ্গায় ফম্মাঙ, নিংথৌজারোনচিংবা চাদা-নাউদাগী লাইরিকশিংদা ইশিন্দুনা থস্বীরমদে। মসি চহি ৪/৫ দুদং লৌন-লৈনরগা খায়থিবরা নৎত্রগা খায়নদনা তোংঙান-তোংঙান লৈনখিবরা, হায়বনচিংবগী ৱাফম ফংবা ঙমদে।

মৈদিংঙু মারজিৎ (খৃ: ১৮১৪-২০) মহারাজগী মতুংদা চহি তরেৎ খুন্তাকপা (খৃ:১৮২০-২৫) থোক্তুনা মৈতৈ নিংথৌমচাশিং অয়াম্বা নোংচুপকী লৈপাকশিংদা চেন্নদুনা লৈনখিরম্মী। মতমসিদা কছাড় গী খাসপুরদা মচেমশীজ ইন্দুপ্রভাগী মনাক্তা লৈরম্বদগী চৌরজিৎ মহারাজ (খৃ: ১৮০৩-১৪) গী মণিপুর হন্দোক্লবগী থৌরাংদা য়াওদুনা মৈত্রাবাক্কী ফিবম য়েংবা থোক্লকলম্বা মৈদিংঙু মধুচন্দ্রগী মচাঈবুংঙো য়ুমজাও তাবা নৎত্রগা পিতম্বর সিং (খৃ: ১৮২১) না অহানবা খৃ:১৮২০ দা মণিপুরদা থোক্লক্তুনা ঈবুংশী হেরাচন্দ্র তাকু নিংথৌগা পুন্দুনা অৱাশিংবু য়াম্না ওৎ-নৈখিরম্মী। অদুবু চহিসিগী

লোয়রমদায়দা অৱাগী অচৌবা লান্মী তেঙ্গোন অমা অমুক থাজিল্লক্তুনা মণিপুরদা অৱা লান্মীনা থা অহুম পাখানউন (পোগান-বূন (Governor/Commissioner of Pagan)] অমসুং কনেউন (কলে-ৱূন (Governor/Commissioner of Kale)] গী মখা লৈরিঙৈদা কছাড়দা হেরাচন্দ্র অমসুং য়ুমজাও তাবা চেল্লক্তুনা লৈরখি। অৱাশিংনা খৃ: ১৮২১ গী ফেব্রুৱারী থাদা লাইফম লাকপা হুইদ্রোনবা সুবনবু লৈপাক ঙাকহল্লম্লগা অৱাগী লাঞ্জিংলেন অনিনা মৈতৈ লানফম লাক্ষ অহুম পুদুনা অৱা লৈপাক্তা চৎখিরম্মী। ঈবুংশী হেরাচন্দ্রনা থীন্থদনা মৈত্রবাক্তা লাক্তুনা হুইদ্রোম্বা সুবনবু লাকশিনবা মতুং নুমিৎ নিনি কোনবদা সনা য়ুমজাও তাবা মানপুর তমপাক্কী নোংচুপকী ঙমখৈ মাকলং মৈতৈ খুন্দা থুংলখি। সনা য়ুমজাও তাবসি চৌরজিৎ মহারাজগী কাংবুদগী মনাউ ঈবুংঙো গম্ভীর সিংহগী কাংবুদা অমুক য়াওরগা মতোনশী গম্ভীর সিংহনা মণিপুরগী ফিভম য়েংলুনবা থারকপনি। মহাকসি মণিপুরগী নিংথৌ ফম্বালগী লূদা চঙলবা মীশক অমনি, হায়বসি মহাক্না অহানবা মণিপুরদা খৃ:১৮২০ দা লাক্লম্বদুগী থৌওং-থৌদৌ অমসুং থৌদোক-থৌরমশিংদগী খঙবা ঙমই (চৈথাঃ-কুম: ২০০৫, ২১৭-১৮)।

মৈদিংঙুচা য়ুমজাওতাবদা কছারদগী অমুক হন্না চহি তরেৎ খুন্তাকপগী মনুংসিদা খৃ: ১৮২১ গা ফেব্রুৱারী তাং ১৬, ঈরাইদা মাকলংদা থুংলবদা ঈবুংশী হেরাচন্দ্র অমসুং হুইদ্রোনবা সুবন্না ওক্লম্মী। অদুগা নিংথৌ ওইনীঙবগী ৱাখল লৈবনিনা মদুগী থবক মথং নুমিৎ তাং ১৭ তা পাংথোক্লগা, নিংথৌ ফম্বাল পামদবা, কল্লক-মিহৌদবা নিংথৌমচাবু মাঙহল্লগা মথংগী নুমিৎ ফেব্রুৱারী তাং ১৮, নোংমাইজিং নুমিত্তা কোনুংদা চঙদুনা য়ুমজাওতাবনা নিংথৌ ওইখি। মতুংদা থা অহুমলোম লৈরগা মহাকপু থবক থারকপা ঈবুংশীজ গম্ভীর সিংহনা খৃ: ১৮২১ গী এপ্রিল ২৬ তা মৈতৈগী কংলা কোনুংলেন্দা চঙলকপদদি মৈদিংঙু য়ুমজাওতাবদু অৱারোমদা চেনখিরম্মী। মৈদিংঙুচা য়ুমজাওতাবনা ম্রাম্মাগী কোনুং অৱাদা অৱা নিংথৌ শগাইং-মেঙ নৎত্রগা ফাগ্যি দোআ (Sagaing-Meng or Phagyi-doa (1819-37 A.D.) দা চঙজখি। হায়রিবা অৱা নিংথৌসিনা মহাকপু চঙজফম পীদুনা মখোয় ম্রাম্মাগী কোনবাউঙ নিংথৌ-শাগৈ লীংখৎপীরম্বা অলাউঙ-ভুরা (খৃ: ১৭৫৪-৬০) না ম্যাম্মা লৈপাক্কী ওইনা শেমগৎ-লীংখৎলম্বা মৈতৈ-শগোল-লান্মী [Kate/Kase (Cassay) Cavalry of Mramma/ Myamma] গী য়াথং-থাবা লুচিংবা (Commander) অমা ওইহন্দুনা অৱা লৈপাক্তা লৈহনখি। মহাক্না মৈদিংঙু নিংথেমপীশক নৎত্রগা সনাহল চন্দ্রকৃর্ত্তিনা অঙাং ওইনা

পানবা মতম (খৃ: ১৮৩৪-৪৪) দা ম্যান্মা লৈপাক থাদোক্তুনা মণিপুরদা লৈররগে হায়বদা মতমদুগী বৃটিশ পোলিটিকেল এজেন্ট কেপ্তেন জর্জ গোর্ডোন [Captain Geroge Gordon (1835-44 A.D.] না মহাক্না মণিপুরদা লৈররবদি নিংথৌ ফম্বাল মুন্নবগী ঈরাং থোক্লক্কনি, হায়না থিংদুনা মণিপুরদা চঙহনখিদে। ম্যান্মা লৈপাক্তা মহাকপু অদুম লৈহনখি। ব্রাফমশিং অসিনা পুরক্লিবদি মহাক ম্রান্মা নুপী লৌদুনা ম্যান্মা লৈপাক্তা য়ুম পাল্লমগনি অমসুং মহাক মফমদুদা মণিপুরগী পাব্রারী-পুব্রারীনা খঙবীদনা নোঙ্গাখিরল্লগনি।

মৈদিংঙু ব্রাঘব সিংহ (খৃ: ১৮২৩-২৪) ঃ মৈদিংঙু রাঘব সিংহ মৈদিংঙু নরসিংহ (খৃ: ১৮৪৪-৫০) গী মনাউ ঈবুংঙো মৈদিংঙু যদু সিংহ, নোংপোক চীঙলেন খোম্ব (খৃ: ১৮২২-২৩) গী মচাঈবুংঙোনি। মৈত্রবাক মণিপুরনা চহি তরেৎ খুন্তাক্লিকৈদা অব্রানা নিংথৌ হাপ্লকপা মপাবুং ঈবুংঙোনা খৃ: ১৮২২ দা নোঙ্গারবদা মশাগী চহি ১৬ তা নিংথৌ ওইখিবনি। মহাক্না নিংথৌ ওইরিঙৈ মতমসিদা ম্রান্মাশিংনা কছাড়দগী চৌরজিৎ, মারজিৎ অমসুং গম্ভীরসিংহবু হিংনা ফাননবগীদমক্তা লান্দানবগী থৌরাং লৌখত্তুনা কছাড়দা মণিপুর তম্পাক য়াওনা মায়কৈ অহুমদগী লান্দাদুনা চঙশিনবগী তাঞ্জানি। মৈদিংঙুসি অব্রা সেনাপতি পখেপকা অব্রা লান্মী পুদুনা কছাড়দা লান্দাবা চঙলুবদা মায় পাক্তদুনা খৃ: ১৮২৪ গী জানুব্রারী তাং ১৩ দা ইম্ফালদা হল্লখিরম্মী। অদুগা মতুংদা ম্রান্মাগী অতোংউন (Governor/Commissiner of Atong region) অনি মণিপুর তম্পাক ফাওনা চৎখ্রগা কছাড়দা লান চৎলুবসু মায় পাক্তদুনা হল্লকখি। হায়রিবা অব্রাগী অতোংউন সেনাপতি অনিসিগা লোয়ননা মৈদিংঙু রাঘর সিংহ খৃ: ১৮২৪ গী নবেম্বর তাং ২৪ দা অব্রা লৈপাক্তা চঙখি (মথক্কীসিদা, ২২৪)। মদুদগী মহাক অমুক হন্না মৈত্রবাক-মণিপুরদা থোক্লকখিদ্রে। ম্যান্মাগী খুন্নাইদা তীনখ্রে।

খ) খুন্নাইলোনগী মরীদা চারৌ-মৌরৌনবা

নুপা অমসুং নুপী লৌন-লৈনবা হায়বসি তেংবানবা-মপুনা তাইবং মীওইবদা পীবীরক্লবা খুদোন্নি। মরম অসিনা য়ুমলোন-কৈরোন্ননা লৈরিবা মৈতৈ অমসুং ম্রান্মা তোয়না তোৎন-তীন্নরকপদগী নুপা-নুপী লৌন-লৈনবা অমসুং চারৌ-মৌরৌনবগী মরীসি লীংখৎনরকখি। হায়রিবা খুন্নাইলোনগী মরী, য়ুম্বানবগী চৎন-লোনচৎসি কাংলুপ অনিসিগী মরক্তা অঙনবা পাব্রারী-পুব্রারীগী মতম তাঙ্ককতদি মরীসিগী ব্রারোল অমত্তা ফংবা ঙমদে। মৈদিংঙু ক্যাম্বগী মচাঈবেম্মা পোং নিংথৌ খেকখোম্বা নৎত্রগা-সাও-

ঙান-পাদা থাজবগী ৱারোল, খম্পাৎ নিংথৌনা লম্বীদা থৎলগা ফাখিবগী ৱাফম অসিনা খ্বাইগী অহানবা ওইনা লৈরি। অদুগা মীচম-মীয়ামগী মরক্তা থোকপা চারৌ-মৌরৌনবগী থেংনজবা ৱারোল খর লৌখৎচদুনা মখাদা থমজরি ঃ-

১) তারি হৈরাংখোংগী কুম শক ১৪৯২ (খৃ: ১৫৭০) দা কবোলৈমা সনা লাংমৈরেম্বী চঙখিএ (মথক্কীসিদা, ২৮)।

২) নোংলম্বম খোনতৌগী কুম শক ১৪৯৬ (খৃ: ১৫৭৪)তা কবোরৈমা সনাহেকপী চঙখিএ (মথক্কীসিদা, ২৮)....।

৩) লোইতোংবম তাউপুংৱাগী কুম শক ১৫২৩ (খৃ: ১৬০১) দা কবোলৈমা সনাহেকপীসু চঙখিএ (মথক্কীসিদা, ৩২)।...

৪) মোইবুংলোকপম ময়াংগী কুম শক ১৫৩২ (খৃ: ১৬১০), কবোলৈমা স্নাপুবী চঙখিএ (মথক্কীসিদা, ৩৪)।...

৫) হাওওইবম মুবগী কুম শক ১৫৭৬ .... মেরা থা (খৃ: ১৬৫৪ গী ওক্তোবর-নবেম্বর থা) দা ঔৱা/অৱালৈমা লুক্রামচনু মিংথোইঙম্বী চঙখিএ (মথক্কীসিদা, ৪৩)।...

৬) ৱাংখৈরাকপম খোংচোম্বগী কুম শক ১৬১০ ...থৱান থা... ১৪ নি লৈপাকপোকপা (খৃ: ১৬৮৮ গী জুলাই) দা নিংথৌজম চনু থোইবীবু কবো মংশারাকপদা পীনৈএ (মথক্কীসিদা, ৫৩)।

৭) চোংথাম লৈশাগী কুম শক ১৬৩৮ ... ৱাকচীঙ থা ... ১০ নি য়ুমশকৈশ (খৃ: ১৭১৭ কী জানুৱারীগী মরিশুবা চয়োন) দা অৱা লাইবার লৈমা নীবা শমজোক ৬ মনচিংনা মী ১৫৬ থোক্লকএ (মথক্কীসিদা, ৭৭)।

৮) কৈশাম ওমাগী কুম শক ১৬৪২ লমদা থা ৪ নি নোংমাইজীঙ (খৃ: ১৭২১ গী এপ্রিল) ...তুমুরাকপা, মংশারাকপা ২ মনা মচানুপী কৎঙমএ। দোলাই শাদুনা পুরকএ (মথক্কী সিদা, ৮১)।...

৯) কবো লাসোংগী কুম শক ১৬৬৩... থৱান থা ... ১৮ নি লৈপাকপোকপা (খৃ: ১৭৪১ গী আগষ্টকী ১বা চয়োন) দা অঙোমচা খোঙজোম্বগা অৱা লাইপল লৈমা নীবা থোক্লকএ হায়না পাউ তাই...। ফাইরেন থা... ১৯ নি ঈরাই (খৃ: ১৭৪২ গী মার্চ) দা ঔৱা লৈমা নীবা লাকএ (মথক্কীসিদা, ১০৫)।

১০) কোমোন লমজাগী কুম শক ১৬৬৫ ... পোইনু থা... ১৬ নি (খৃ: ১৭৪৪ গী জানুৱারী) নিংথৌকাবদা শমজোক লাকপা লাখমগা উশম চন্দ্রমনিগী মচানুপীগা লুহোংএ (মথক্কীসিদা, ১০৮)।

১১) থাঙ্গা তখেনগী কুম শক ১৬৬৬... মেরা থা ৫... নি থাঙজ (খৃ: ১৭৪৪ গী ওক্তোবর থা) দা অৱা লৈমা নীবা চঙখিএ (মথক্কীসিদা, ১১০)।

১২) স্নসম মাইচৌগী কুম শক ১৬৬৭... শজিবু থা ১১ নি (খৃ: ১৭৪৫ গী এপ্রিল) নিংথৌকাবদা কবো পনচাং ঔৱা চঙবা লাইপনগা লৈমা নীবা থুংলৈএ (মথক্কীসিদা, ১১২)।

১৩) ঙাইরাংবম মুংয়াংগী কুম শক ১৬৬৮ ৱাকচীঙ থা... ২০ নি লৈপাকপোকপা (খৃ: ১৭৪৭ কী ফেব্রুৱারী) দা কবোলৈমা স্নসম চনু চঙখিএ (মথক্কীসিদা, ১১৬)।

অসিনচিংবনি। অসুম্না মৈতৈ অমসুং ম্যাম্মাগী চারৌ-মৌরৌনবসিনা কাংলুপ অনিসি অমনা অমগী মচৎ-মনাৎ, লোনচৎ-শাজৎনচিংবা লৌন-পুনদুনা মালেমগী লৈমায়সিদা পানমিন্নরি।

গ) শীল্লম-শীনফমগী মরী ঃ

মৈতৈ অমসুং ম্যাম্মাশিংসি অমনা মপা-মপু লাৎপা লাইনীঙ (কনফূ-জুগী লাইনীঙগী মশা) অমসুং হিন্দু লাইনীঙ চৎপা, অমনা বৌদ্ধ লাইনীঙ (গৌতম বুদ্ধগী লাইনীঙ) চৎপা ওইজরবসু শীল্লম-শীনফমগী লমদাংশিংদদি য়াম্না মরী লৈনৈ। লৈঙাক্লোনগী লমদাংদা মৈদিংঙু গরিবনিৱাজ (খৃ: ১৭০৯-৪৮) না মহাক্কী শগোল-লাম্মী ৩,০০০ (লীশীঙ অহুম)গী মতেংনা অৱা/ম্যাম্মা লৈপাক নৈখায়খিবগী শগোল শীজিন্নবা হৈবগী শীল্লম-শীনফম অসি অৱাগী কোনবাউঙ নিংথৌ-শাগৈ লীংখৎলম্বা অলাউঙ-ফায়া [Alaung-phaya/bhoora or Alompra (1756-60)] না খঙদুনা মহাক্কী লাম্মীশিংগী মৈতৈ মচাখক্তগী ওইবা শগোলতোংবা লাম্মী লুপ অমা শেমগৎ-লীংখত্তুনা থম্লম্মী অমসুং অলাউঙ-ভুরাসিনা শ্যাম/থাইলেন্দগা লান শোক্লখিবা মতমদুদা মৈতৈগী শগোল তোংবা লাম্মী ৫,০০ (চামঙা) য়াওই, হায়না পীবীরি (N.I.S. 1976, 134 & D.W.S, 1961, 112, etc.)। অদুগা হায়রিবা শগোল লাম্মীশিংদুগী ফিজেৎ-লৈতেংগী মরমদা পীবীরম্লিবদি ঃ

The Manipuri cavalry maintained by the Burmese King wore "a tight coat, with skirts reaching down to the middle of the thigh, and on their head a turban of cloth, hard rolled and plaited, that formed a high cone which bended backward in a graceful manner [T.C.H. 1911, 25]

অসিনি। অদুগা মৈতৈগী লান্মী (খোঙমী নৎত্রগা শগোল-লান্মী অনিমক চপ মান্নে) গী ফিজোল-ফিজেত্তি— খুকউ মখা য়ৌনা চোনবী ফৈজোম অমা, অঙাংবা জেকেট (Jacket) অমা অমসুং কোক্তা কোকয়েৎ অঙৌবা (শল্লাই কোকয়েৎ মচাদা ফমগী মতুং ইন্না ওয়না নৎত্রগা য়েৎনা নম্বা), অসিনি (আরকে জে এস, ১৯৬৫, ২৯০)। অরাগী ফিজোলসি মখোয়গী কাংলুপকী চৎনবী মতুং ইন্না লুংগী (skirt), কোকয়েৎকী মওংনচিংবদা মৈতৈগী মণিপুর/রাজা-গম্ভীর সিংহ লেভীগী ফিজেৎসিগা হাইরপ অদুম মান্নরি।

ঘ) শঙশা-য়ুমশাগী মওং-মতৌদা ঃ

মণিপুরদা মৈদিংঙু খাগেম্ব (খৃ : ১৫৯৭-১৬৫২)গী সনা হাক্তক্তগী চেক্কী শঙ চেঙশঙ খৃ:১৬০১ গী অদুরাইদগী অমসুং খৃ: ১৬১৭ তগী লাইশঙ (ফুরাগী মওং-মতৌদা) শাবা হৌদোকখি। (চৈথা: কুম: ২০০৫, ৩২ অমসুং ৩৬)। অদুগা মৈদিংঙুসিগী সনা হাক্তকসিদা কবো অক্রাচা নৎত্রগা খামরন অকারাচা (মহাকসি খৃ: ১৬৩৪ দা শিখি) না খা-নোংপোক এসিয়া (বর্মা/ম্যান্মার, থাইলেন্দনচিংবা) দা চৎনবা শঙ নৎত্রগা শঙলেন/শঙ্গাই উত্রা খৃ: ১৬২৯ দা শাখিরম্মী (মথক্কীসিদা, ৩৮)। অদুগা কোনুংগী হোজঙ/স্নাথোঙ শাবসিসু মৈদিংঙুসিগী মতমদা চেক্লা শাবসি খৃ: ১৬১৪ অমসুং খৃ: ১৬৩২ দা শাখি (মথক্কীসিদা ৩৫, ৩৮)। অদুবু স্নথোঙ চেক্লা শাবা হৌদোকপসি মৈদিংঙু মুংয়াম্ব (খৃ: ১৫৭৬-৯৭)নি, অদুগা থোঙ অদু হোগায়বী থোঙ কৌই, চিরাই থোঙগী মপাদা লৈরম্বনি হায়না কনাগুম্বা খরনা পী। অদুগা সার জেমস জোনষ্টোন্নদি খৃ: ১২৫০ গী অদুরাইদা অহানবা শারম্বা ওইনা পী, মদুদি ঃ-

...About the year 1250 A.D. a large Chinese force invaded the country and was signally defeated, all of who were not killed being made prisoners. These taught the Manipuris silk culture... The Chinese also taught the art of brick-making, and erected two solid blocks of masonry in the palace between which the road to the Lion Gate passed.

These blocks were levelled with the ground by the Burmese invaders, but rebuilt on the old foundation by Ghumbheer Singh (S.J.J. 1990, 80)

অসিনি। মণিপুরদা অৱাগী ম্রাম্মা বুদ্ধিষ্ট লম্বোইবা ফায়া (Divine) পুঙ্গি/পুঙ্গ্যি (Hpoon-gyee)শিংবু চেক্লা কোয়শিন্দু থম্বা/লৈহনবগী মফমবু ফারা/ফ্রা (মসিদগী "ফুরা" হায়বা মৈতৈলোনগী ৱাহৈসিসু লাকখি) কৌই। অদুনা মৈতৈনা চেকপন্না কোয়শিনবা/খাজিনববু ফরাইকোন কোয়বা, শেম্বা, অসিনচিংবা হায় (চৈথা: কুম : ২০০৫, ৫৩,৯২)। অসুন্না চেক্লা শাবা শঙ, শঙলেন্নচিংবগী মরমশিংসিগী মচৎ-মনাৎসি পুনৈ-লৌনৈ। অদুগা খেন্নবা অমদি মণিপুরদদি মীনা লৈনবা য়ুম অসি চেক্লা শানরমদে, মসি অথেংবা মতম, হায়বদি মৈদিংঙু চন্দ্রকীর্ত্তি সিংহ, নিংথৌরেন (খৃ: ১৮৫০-৮৬) গী সনা হাক্তক্তগী হৌখি।

৬) কিয়োংগী মচৎ-মনাৎ ঃ

মৈতৈনা "কিয়োং নৎত্রগা ক্যোং" হায়না হায়রিবা ৱাহৈসি বর্মীজ/ম্রাম্মা মরোল ক্যাউঙ (KYAUNG) হায়বসিদগী মতৌ তম্বা লৌষ্টৈনি, ক্যাউঙগী ৱাহন্দোক্লা "লাইশঙ/লাইয়ুম" (Temple) হায়বনি। মসি য়ুম্ফম ৱাংখৎপা (মিটর ০.৫০ দগী ২.০০ ফাওবা), মরাক-ময়ুং মান্নবা য়ুম্ফমদা লমজঙ-শঙতপ অমা য়াওবা, মপী ওইরিবা শঙদুগী ফক্লাং থাবা (য়ামদ্রবদা মিটর ১.০০ দগী ২.০০ ফাওবা) অমসুং য়ুমথক্লা অকোয়বা মকোয়গী তম্বায় (Domb or Hemispherical roof) না য়ুম মশাদু থুংনা কুপ্পা শঙগী মওংবু খঙনৈ। খুদম ওইনা, লম্মাংদোং/বিষ্ণুপুরগী বিষ্ণুগী লাইশঙ, মহাবলী হনুমানগী লাইশঙ, গুরুঅরিবমগী মদনমোহনজীগী লাইশঙ [গুরু অরিবম লৈকায়, ব্রহ্মপুর (বামোন লৈকায়), ইম্ফাল ইষ্ট], লৌবুকতোংবমগী মদনমোহনজীগী লাইশঙ, (ব্রহ্মপুর নহাবম, ইম্ফাল ইষ্ট) অমসুং কালিকাগী লাইশঙ (ৱাংখৈ নিংথেম পূখ্রি মপাল, ইম্ফাল ইষ্ট), অসিশিংসিনি, মসিশিংসি হৌজিক-হৌজিক হিংলিবা কিয়োং/ক্যাউঙশিংনি। হায়রিবা লাইশঙ মখলসি মণিপুরদা খৃ: ১৭০৬ কী জুলাই থাগী মমাঙদা শাবা হৈরমদে। হায়রিবা চহিসিদা লাইশঙ মখলসি শাবা হৈবা ম্যান্মা মচা অমা মণিপুরদা থোক্লক্তুনা মহাক্লা লাইশঙ মখলসি শাবদুদা য়াওবা অমসুং লাইশঙসি শাবগী মহৈ-মশিঙদু তম্বীরম্বশিংনা লাইশঙ মখলসি মণিপুরদা শাবা হৌখি। হায়রিবসিগী ঈ-পাউদি ঃ-

... অশাংবম অরোইগী কুম শক ১৬২৮ ... ঈঙেনথা... ১৯ নি (খৃঃ ১৭০৬ কী জুলাইগী অহানবা চয়োল) লৈপাকপোকপদা অৱা কিয়োং শাবহৈবা থোক্লকএ। ২৬ নি লৈপাকপোকপদা কালিকাগী কিয়োং হৌঃ এ (মথক্কীসিদা, ৭০)। ... বামোন মণিগী কুম শক ১৬২৯ ... কালেন থা ১৯ নি ঈরাইদা বিষ্ণুগী কিয়োং শাবা হৌএ। ঈঙা থা... ১৩ নি নিংথৌকাব (খৃঃ ১৭০৭ গী মেগী অরোয়বা চয়োন) দা কিয়োং শাবসুং অদুঙৈ হৌএ। ঈঙেন থা ৫ নি নিংথৌকাবদা কালিকাগী কিয়োং হৌএ (মথক্কীসিদা, ৭০)।

অসিনি। মরম অসিনা হৌজিক ফাওবা লেঙদনা লৈরিবা কিয়োংশিংসিনা খুদম-চাংদম ওইরগা মৈতৈ অমসুং ম্যাম্মা কাংলুপ অনিসি য়ুমশা-শঙশাগী শীল্লম-শীনফম অসিদা নীঙথিনা মরী লৈনৈ।

চ) কুম্মৈ-ফিয়োংগী মরী ঃ

"কুম্মৈ" হায়বসি কনাগুম্বা কনাগুম্বী খরগীদি খুন্নাইদা শেন্দান লম্বী ওইনবা শীনফমনি। শীনফমসিদা মৈতৈগী মরু ওইনা পুথোক্লরিবা নত্রগা উনরিবা কুম্মৈদি জগোয়-ঈশৈনচিংবদা শা-লানগী কুম্মৈ, জগোয় উৎপা, থাঙ হাইবা, তা খৌশাবা, উকায় কাপ্পা, অসিনচিংবনি। অদুগা ম্যাম্মাগী লৈপাক্তদি মীয়ামদা ঙকহনবা য়াবা, নুংঙাইহনবা য়াবা জগোয়-ঈশৈনচিংবগী মথক্তা পাউশা (Circus) গী কুম্মৈসু খৃঃ ১৭০০ গী মমাঙদা লৈরম্বগুম তৌরে। হায়রিবা পাউশা কুম্মৈসি মৈত্রবাক্তা লাক্তুনা খৃঃ ১৭০৬ তা উৎলখি। মসি মরমদা পীবীরম্লিবদি ঃ-

নোংচেনবম খোম্মাগী কুম শক ১৬২৭ ... ৱাকচীঙ থা ......১৬ নি ঈরাই (খৃঃ ১৭০৬ কী ফেব্রুৱারী হৌগৎলকপ) দা অৱানুপী পাউশা হৈবী অমা পুঙ অকোয়বা ১১ ফাংবা (পুঙমায় ১১ ফাংবা/পানবা) অমা পুরকএ। ...ফাইরেন থা... ১০ নি থাঙজ (ফেব্রুৱারী লোয়রমদায়) দা ঔৱা নুপীনা লীনা থোং শাবা মথক্তা নোয়বা (জগোয় শাবা) ঙমএ। হিজগাং (হি থম্ফম শঙ) শঙবা অরিংনাংসুং লী মথক্তা নোয়এ (মথক্কীসিদা, ৬৯)।

অসিনি। নুপীদুনা পুঙ মমায় ফাংবা পুরক্লিবদু মদু য়ৈদুনা/থীন্দুনা কুম্মৈ উৎনবনি। মহাক্লা মহাক্কী পাউশা কুম্মৈদু মায়পাক্লা উৎলম্লগা মহাক্লা লীগী থোং মথক্তা জগোয় শাদুনা উৎপা নুমিত্তুগী মতুং নুমিৎ ৮ (নিপান) নি লৈরগা মরৈবাক্তা হনখি। মহাক্লা

উৎলম্বা কুম্মৈসি চপচানা মৈতৈনা মাগী কুম্মৈ উৎপা নুমিত্তুদা মতৌ তম্বা ঙমলি। হায়রিবসিগী মতুংদদি মৈত্রবাক্তা পাউশা (Circus) কুম্মৈসি উৎলম্লগনি হায়না থাজজৈ।

ছ) মৈতৈ-উমংলাই অমসুং ম্যান্মা-নাট ঃ

মৈতৈগী উমং-লাই লাৎপা/নীঙবা অমসুং ম্যান্মাগী নাট লাৎপা/নীঙবগী মচৎ মনাৎ অনিমকসি য়াম্না মান্নে, নক্লে অমসুং হকচীনবা মরী লৈনৈ। মৈতৈদী হিন্দু বৈষ্ণব লাইনীঙ অমসুং উমংলাই লাইনীঙ অনিমকসি য়ান্ননা চৎপা কাংলুপ্নী। হায়রিবসিগুম্না ম্যান্মাসু বৌদ্ধ লাইনীঙ অমসুং নাট-লাইনীঙ, অনিমকসি য়ান্ননা চৎলি। মৈতৈগী খুঙ্গং খুদিংমক্তা উমং লাইগী লাইবুঙ-লাইকোন অমমম লৈবগুম ম্যান্মাগীসু খুঙ্গং খুদিংগী নাট লাইগী খুবম য়াবা লাইফম-মফম অমমম লৈ। মৈতৈগী লম, পুখ্রি, পাৎ, চীঙ, তুরেন, উমং-ৱামংনচিংবা কোনবা-পুবা উমংলাইশিং লৈবগুম ম্রান্মাশিংগী সু লৈ। মৈতৈশিংনা মখোয়গী উমংলাইশিংদা লৈরিবা থাজবা, অকি-অথুকপা, চানবী পীনহৈবনচিংবগী মহী-ময়াই, মতীক-মঙম্লচিংবা পুন্নমক্তু ম্যাম্মাশিংনসু মখোয়গী নাট লাইশিংগী মফমদা লৈ। মৈতৈগী উমংলাইগী লাইথৌ-থৌরম পুন্নমকসি ম্যান্মাগী নাটকী লাইথৌ-থৌরমশিংগা মান্নে। মরু ওইনা, মৈতৈনা উমংলাই হরাউবগা ম্রান্মাগী নাট প্বে (Nat pwe) গা অনিসিগী থৌরম পরেংশিং ফাওবদা ঈমান মান্নবগুম তৌই। (ৱাং: লু : স: ১৯৮৯, ১৯, ১৩৭ অমসুং M.E.S, 1976, 13,48 ff., 108-25, 135, 222, 224, 249, 260n)

মৈতৈগী লাইদা ফৌওইবী লৈবগুম ম্রান্মাগী বৌন্মাগ্যি (Bounmagye or Rice mother/goddess) লৈ, মৈতৈগী য়োৎ নিংথৌ খমলাংবা লৈবগুম্না, ম্যান্মাগী য়োৎশুং-য়োৎশাবা লাই মিন মহাগীরি [Min Mahagiri (Lord of the Great Mountain)] অসিনচিংবা ইমান মান্ননা লৈবসিদা ম্যান্মাগী নাট মশীঙ লাকঙমদনা লৈবসিদা মরু ওইবা ৩৭ (কুনথ্রাতরেৎ) খক লৌখৎলি। মখোয়দুগী খ্বাইদগী মকোক ওইবা, মতীক-ময়াই পুন্নমক লৈবসি পোকত্রিবা বুদ্ধ (অমিতাব বুদ্ধ (Unborn Buddha) নি হায়না লৌই। মৈতৈগীনা উমংলাই ৯ (মাপন), মায়কৈ ঙাকপালাই ৪, চীঙভু গুরু শিদবগী, খোইয়ুম অশিবগী অমসুং চীঙভু কোঞ্জিন-তিংথোকপগী লাইওন-লাইচৎ ওইবা লাই ২৬, ৩৬ অমসুং ২১ বু মরু ওইবা ওইনা লৌখৎলি। অদুগা খ্বাইদগী হেন্না মতীক-ময়াই লৈরিবা লাইনা চীঙভু খোইয়ুম শিদবা (গুরু শিদবা নৎত্রগা

অতিয়া শিদবনা) ওইরগা মহাক্কী মথৌ-ময়াই, মতীক-মঙমচিংবদু য়েঙ্খোক্তুনা খোইয়ুম অশিবনা লাইশিংগী নিংথৌ অমসুং খোইয়ুম কোঞ্জিন তিংথোকপা (হারাবা, কোংলৌতোন নৎত্রগা য়োইরেন তোমপোকপা পাখংবা) না মীগী নিংথৌ ওইনা থম্মী। হায়জরিবা ব্রাম্মাগী অমসুং মৈতৈগী লাইশিং অসি মপা-মপু ওইবা চীঙঙুশিং (Ancestral divinities), মহৌশা-লাইরেম্বীগী মপোৎ-মচৈশিংনা ওইবা লাইশিং (Natural deities), মশক-উদবা ৱাখল্লা শাগৎপা লাইশিং (Abstract gods), মীওইবদা অমাঙ-অতা থোকহনবা শা-ঙা, উচেক-শাৱা, তীন-কাঙনচিংবু থেমজিন-ফাজিনবা লাইশিং (Animistic, Bon cultic supernatural being) অমসুং মীরৈপাক্কী মীশিং অমসুং লাইশিংনা ওইবা লাইশিংনি। অসুম্না মখোয়গী মরৈপাকশিংদা হৌজরকপা লাইনীঙশিং অমসুং লাইনীঙলোনশিংগী মনুংদা অমদি লাইশিংগী মরক্তা মমিং মখৈ খেন্নজরবসু মচৎ-মনাক্তা অসুপ য়াম্না মান্নরিবসি কাংলুপ অনি গী মরক্তা য়াম্না নক্লবা মরী লৈনৈ, হায়বসি তাকপনি।

জ) মৈতৈগী পাঞ্জি অমসুং বামোনশিং ঃ

মৈতৈগী পাঞ্জি (Astrologer)শিং অমসুং বামোনশিং অসি অৱা/ম্যাম্মাশিংনা য়াম্না লুনা অমদি ঈকাই খুম্নমনা তৌরম্মী। মসি মৈদিংঙু গরিবনিৱাজ (খৃ: ১৭০৯-৪৮) গী সনাহাক্তগীনি। মখোয়সিবু কটে/কথে পৌনা (Kate/Kathe Pouna/ Pauna) হায়না ম্যাম্মাশিংনা কৌই। মৈতৈগী বামোন পাঞ্জিশিংবু নিংথৌগী কংলা (রাজদরবার) দা থম্লম্বগী লমদাংদা পীবীরম্লিবদি ঃ-

The ancient Manipur was populous and prosperous.... The Science of astrology was known to them, The Manipuri Brahmans were good astrologers, many of whom were kept at the courts of Alaungpaya, the Burmese king [N.I.S., 1976, 21]...

অসিনি। হায়রিবা অলাউঙ পায়া (খৃ: ১৭৫৪-৬০) সিগী মমাঙদগী লৈরক্লবা মচৎ-মানৎনি অমসুং মৈতৈ বামোনশিংসিনা মনিপুরদা লৈবদা মনীঙ থুংলকত্রবদি মখোয়না অৱা/ব্রাম্মা লৈপাক্তা চৎনবা হোৎনরম্মী। মসিগী খুদম-চাংদমদি ঃ-

শাদোকপম শাইপুগী কুম শক: ১৬৫১ ঈঙা থা ২৪ নি নিংথৌকাবা (খৃ: ১৭২৯ গী জুলাইগী ২ শুবা চয়োন)দা কোনোক্কী মশীনবু বামোন্না ওইগে হায়এ। ব্রাম্মন কৈলাম্বর মিশ্র কৌবগী ধারানা মহৈ হৈতবা খিবিক হৈনবা পাঞ্জি তম্বীরম্ববু গরিবনিৱাজ

মহারাজনা মহাপুরুষনা ব্রাহ্মনগী থৌ নত্তে তোকলো হায়বগীদমক বামোন অয়াম্বা অৱারম চঙখিববু ৱাংচীঙ মরূদা খামদুনা হল্লকএ (চৈথা; কুম; ২০০৫, ৮৯)।

অসিনি। মসিনা মৈতৈগী পাঞ্জিশিং অমসুং ব্রাহ্মন/বামোনশিংনা অৱা লৈপাক্তা খুদোংচাবা য়াম্না ফংলম্মী। ব্রাম্মাশিংনা ঈকাই খুম্নবদা নত্তনা মখোয়দা চানা-থক্নবা চেঙ-চাক, য়েনশাং-নাপী, শঙ্গোম-চুহীনচিংবা কয়া পীরম-কৎলম্মী।

ঝ) মৈতৈগী ব্রহ্মপুত্র তুরেন, নিংথি ঃ

হৌজিক্কী ম্যান্মার গী নোংচুপ থংবা শরুক্তা কবো তম্পাক্তা চেল্লিবা তুরেন অসি ব্রাম্মা/ম্যাম্মশিংনা খেন্দাৱেন (Khendawen) কৌই, অদুবু য়ুরোপীয়ান মচাশিংনা চিন্দৱিন রিভর (Chindwin river) হায়না থোল্লি অমসুং মৈতৈনা নিংথি তুরেল অমদি ব্রহ্মপুত্র নদ" হায়না মিংথোল্লি অমদি খঙনৈ (ডা: ল: চ:, ১৯৭০, ১৫-১৯ অমসুং P.B.P., 1998)। হায়রিবা তুরেন অসি মৈতৈনা মৈদিংঙু শেনবী ক্যাম্বগী সনা হাক্তক্কী খৃ: ১৪৭০ দগী খঙলকপনি অমসুং তুরেনসিগী নোংচুপ থংবা তোৰ্ব্বানগী লমসি ফংহৌবনি (চৈথা: কুম: ২০০৫, ১৯-২০)। হায়রিবা তুরেন অসিগী লৈঙোই মরক্তা মমাঙগী মতম খৃ: ১৭৬৫ গী মতমদা ফাওবা সনা মকুপ নংত্রগা সনাগী লৈরীক-লৈফুন/উফুন য়াওরম্মী। হায়রিবা লৈরীক-লৈফুনসি লৈঙোই মরক্তুদগী নীকখোক-চামথোক্তুনা লৌরগা সনা শুংব(Gold smelting)গী থবকসি মৈতৈনা মৈদিংঙু খাগেম্বগী সনাহাক্তক্কী খৃ: ১৬২৩ দগী হৌনা তৌখি (মথক্কীসিদা, ৩৭) অমসুং মৈতৈনা মসিবু "সনা খোনবা" হায়না কৌই। অসুম্না সনা খোনবগী থবকসি মৈতৈগী খুন লীংদুনা "সনাখোনবা খুঙ্গং/খুন" থোন্দুনা চত্থরকখিবনি। হায়রিবা সনা খোনবা নংত্রগা সনা শুংবগী থবকসি মৈদিংঙু খাগেম্বগী স্নাহাক্তক্কী খৃ: ১৬২৩ দগীনা মৈদিংঙু চীঙথংখোম্বা/ভাগ্যচন্দ্রনা অহানবা পানবা মতম (খৃ: ১৭৫৯-৬১/৬২) অমসুং ময়াম্বুং মরাম্বা/গৌরশ্যাম্না অনিরক শুবা পানবা মতম (খৃ: ১৭৬১/৬২-৬৩)গী মতম ফাওবা চহি ১৪০(১৭৬৩-১৬২৩) দি শোয়দনা চত্থরম্মী অমসুং মৈতৈগী সনাখোনবা খুঙ্গং লৈরম্মী। মরম অসিনা খৃ: ১৭৬২ অমসুং ১৭৬৩ দা সহি তৌনখিবা মৈতৈ-মলেমকী তেংবাংননবগী য়ানা-চেগী ৱারোন্দা সনা তাঙ্গা (Gold circular piece) পীবগী ৱারোল/ৱাফম য়াওরিবনি (ডা: ল: চ: ১৯৭০, ১৭-১৯; Dr. N.S. 1988) অদুবু হায়রিবা খুঙ্গংদু খৃ: ১৭৬৫দা অলাউঙ-পায়া/ভুরা মশামক য়াওনা মৈত্রবাক্তা

লান্দারকপা অমসুং মৈতৈগী কোনুং কংলাদা নুমিৎ ৯ (মাপন) নি লৈরম্বগী খোঙফমদুদা থুগায়খি, হায়না থাজজে। অদুনা R.B পেম্বর্টননা থিজিন-হূমজিনবগী মতম (খৃ: ১৮২৭-৩৪) দদি সনা শুংলম্বগী খুদম-চাংদম ফংবা ঙমখিদবনি (R.B.P. 1998)।

মৈতৈনা নিংথি তুরেনসি লাইনীঙ অমসুং লাইনীঙলোনগী অশেংবা তুরেন (Religious holy/sacred river), হিন্দুগী গঙ্গা তুরেনগুম্না খল্লি অমসুং মসিবু "ব্রহ্মপুত্র [ব্রহ্মাপুত্র (ব্রহ্মা কৌবা লৈশেম-নোংশেম্বা লাইগী মচা)] নদ/তুরেন" হায়না থোল্লিম্মী অমসুং কৌরম্মী। মমিংসিনা তুরেনসিবু খঙনবসিগী চপ চাবা মতম খঙবা ঙমদ্রবসু খৃ: ১৭৬২-৬৩ দদি শোয়দনা মকৌরে, হায়বসি খৃ: ১৭৬২ অমসুং ১৭৬৩ তগী মৈতৈ-মলেম তেংবাংননবগী য়ানা চে (Anglo-Mekle/Meckley Agreement for Helping, each other, 1762 and 1763) দা য়াওরিবসিনা খুদম-চাংদমনি। তুরেলসিবু ব্রহ্মপুত্র কৌখিবগী/থোনখিবগী মরমসি খৃ: ১৭২৫ দা মৈদিংঙু ময়াম্বা নৎত্রগা গরিবনিৱাজনা পাংথোকখিবা থৌরম অমদগীনি, হায়না চেৎনা থাজজে। থৌরমদুদি ঃ-

মোইরাং খোয়দোঙগী কুম শক ১৬৪৬... লমদা থা.. ২০ নি নোংমাইজীঙ (খৃ: ১৭২৫ গী এপ্রিলগী অহানবা চয়োন) দা নিংথেমনা মবুধৌ খিবিকপু মৈদা ঈক্তুনা ঈংথিদা তুমগে চৎএ। লৈপাক পুম্নমা মৈদা ঈকপসুং অদুঙৈ হৌএ। নিংথেম্বু মহারাজ কৌবসুং অদুঙৈ হৌএ। ২৫ নি ঈরাই (এপ্রিলগী ২ শুবা চয়োন) নুমিত্তা নিংথেম নিংথি চৎপা থুংলৈএ (চৈথা: কুম: ২০০৫, ৮৫)।

অসিনি। থৌরম অসি গঙ্গা তুরেন্দা হিন্দুশিংনা লৈখিদ্রবশিংগী শরূ (অস্তি), উৎনচিংবা থাদনরিবা, মথংগী মপোক্তা অফবা ফংলুনবা, নুংঙাই-য়াইফবা ওইরুনবা অমসুং লাইরৈপাক্তা লাইগী মনাক্তা/ খোঙখাদা নুংঙাইনা লৈরুননবা তৌরিবশিং অদুগা চপ মান্নবনি। অসুম্না তুরেনশিংসি হিন্দুগী ৱাখল্লোন্দা মমিং থোনবসি অতৈদসু তৌনরকখি। খুদম ওইনা ইম্ফাল/মণিপুর তুরেল নত্রগা তুরেন অচৌববু" বিজয়া-ন্দী" হায়না থোল্লি।

মথক্তা উৎচখিবা খৃ: ১৮৩৪ গী মমাঙদা মৈত্রবাক অমসুং অৱা/ম্রাম্মা লৈপাক অনিগী ঙমখৈগী পরীং ওইরম্বা নিংথি তুরেন (হৌজিক ম্যান্মারদা চেল্লিবা) বু মৈতৈনা লৈনুংদগী ফংবা লন-থুমগী থোকফম খোং (Mine) অমা ওইনা অমসুং অশেংবা

লাইফম (Holy place/river) অমা ওইনা কয়াদা লুনা অমসুং ঈকাই খুম্নবা তৌরম্বগী মতৌসিনা হৌজিক্কী মতমগী মিৎয়েংদা মৈতৈ অমসুং ম্যান্মা কাংলুপ অনিসিগী নুংশি-চান্নবগী মরীদা অফবা লমদাংশিংগী পরীংদা চৎনরকখি হায়বসি তশেংনা উৎলিবনি। লৈমিন্নরবদি চফু উয়ান্দসু কেৎনৈ, থেঙ্গায়নৈ, অদু চহি ১৪০ (চামাগা নিফু)রোম পুন্না লৈমিন-চামিন্নদুনা হিংমিন্নরকখিবদু নুংশিনবগী মরীননি।

লল্লোন-ঈতীক্কী মরীদা

মৈত্রবাক-মণিপুর অসি য়াম্না ওল্লিঙৈ, হায়বদি মৈত্রবাক্কী পারারী-পুৱারীগী চক/যুগ (Historical Age of Manipur) হৌদ্রিঙৈগী মতমদগী চাইনাদা থোক পা পোথোক কৱং/সিল্ক (Silk) কী লল্লোন-ঈতীক্কী লম্বীদা অনিশুবা থাক্কী লম্বীগী মশা অমনা ফাওদুনা চৎনরম্মী [P.G. 1968, 71-72 n অমসুং ন: শ: ১৯৬০, (২৮)-(৪৫)] অমসুং লৈপাকসি নোংপোক অমসুং নোংচুপকী মীওইশিংগী উনা-থেংনফম, য়ারেক-পোথাফম, পোৎয়োন-পোৎলৈফম অমদি ফাওদুনা চৎনফম, হিথাংফম, নোংলেনফম অমা ওইরকই। অদুগা অৱা লৈপাক্কী মন্দলে অসি খৃষ্টগী অহানবা চহি চাগী মতমদগী চাওখৎলবা অমসুং খুৎশা-হৈবগী পোথোক থোকফম ওইরকখিরম্মী ([M.M. 1980, 250, 258-59])। হায়রিবা “মন্দলে” সিগা শম্নদুনা মৈতৈশিংনা খুৎশা-হৈবগী পোৎলম-চৈরমশিং, মরু ওইনা চারীক, কাংচুপ (Smoking pipe) নচিংবা মন্দলেদগী লৈদুনা শীজিন্নরম্মী হায়বসি খৃ: ১৯৯২-৯৩ দা শেক্তাদা লৈতৌদুনা থিজিন-হুমজিনবদা ফংখিবা পোৎলমশিংনা খুদম-চাংদম ওইরম্মী। মৈতৈনা মৈতৈ থুম (Rock salt) পুথোকপসি খৃ: ১৬৯৪ দগী হৌখি (চৈথা: কুম: ২০০৫, ৫৭)। অদুগা মৈত্রবাক্তা শুংবা থুম অসিদি শূ-নোম্বা (Labour) য়াম্না চঙবা অমসুং নিংথৌ, অঙম-অথৌনচিংবা অচৌ-অশাংশিংগী ওইবনা ফংনরমদে। মরম অসিনা মীচম-মীয়াম্না মীরৈপাক কবো (অৱা-কবো নৎত্রগা মিরাপ শান (Mirap shan) নৎত্রগা মৈতৈ-কবো (Kase shan) দা ফংবা সমুদ্রগী ঈশিংদগী শুংবা থুম লৈদুনা শীজিন্নরম্মী। মরম অসিনা মৈতিনা সমুদ্রগী ঈশিংদগী শুংবা , মীরৈপাক্তগী পুশিলকপা থুমবু কবো থুম (Salt of or from Kabo/Shan) হায়না কৌই। অসুম্না মণিপুরনা নৎত্রগা মৈতৈনা কবো লৈপাক (হৌজিক্তদি ম্যান্মার) কা নৎত্রগা কবো (ম্যান্মা) শিংগা থুমগী লল্লোন-ঈতীকসি তৌনরম্মী। অদুবু বৃটিশশিং লাক্লবা মতুংদা মখোয়গী গ্রেট বৃতেনগী গ্লাসগো (Glasgow), ঈডিনবর্ঘ (Edinburgh) দা শুংবা থুমশিং

জহাজদা ভারত্তা পুরক্লগা ভারত্তগী অমুক মণিপুরদা থাজিল্লকপদু য়োল্লবদগী সমুদ্রগী ঈশিংদগী শুংবা থুমসি মৈতৈনা মণিপুরগী নোংচুপলোমদগী লাকপগুম লৌখিবনি। হায়রিবসিগী মমাঙদা অমসুং অহানবা মতমদদি কবোথুম, সমুদ্রগী ঈশিংদগী শুংবা থুমসি কবো লৈপাক (হৌজিক্কী ম্যান্মার) দগী (নোংপোকলোমদগী) লাকখি-পুরকখিবনি অমসুং হৌদোকখিবনি।

মৈতৈ অমসুং ম্যাম্মা নৎত্রগা কবোগা লৈনরম্বা নুংশি-চান্নবগী মরিসি খৃ: ১৮৭৪দা ফুঙ্গা ৱারীদগী মৈতৈ পুয়া/পুরানশিংদগী ৱারী-ৱাতাই কয়ামরুম হাপচিন্দুনা শাগৎপা ৱারী-শীঙবুন হৌজিক্তি মহাকাব্য (Epic) কী ৱারী ওইখ্রবা মোইরাংগী খম্বা অমসুং থোইবীগী নুংশি-ৱারীদা য়াওরিবা থোইবীবু কবোদা লোইথাব (Exile or Deportation of princess Thoibee to Shan colony) গী মতাং অদুদসু নীঙথিনা পল্লি। অদুগা মৈতৈ নিংথৌ নিংথৌখোম্বা (খৃ: ১৪৩২-৬৭) না মপাবুং পুন্সিবা হাৎখিবগী-লমন খুন্নবা মোইরাংদা লান্দানবদা কবোশিংবু মতেং পাংহন্নবা তৌখিবা খুজীল-থৌরাং অমসুং কবোশিংনা মতেং পাংদুনা মোইরাং লৈপাক্তা লান্দাখিবগী পাৱারীগী ওইবা ৱারী (Historical account) মৈতৈ "নিংথৌরোল লম্বুবা" কৌবা লাইরিক্তা ময়েক শেংনা ইরি (ও: ভ: স: ১৯৭৬, ২১৯-২৩)। হায়রিবা মতম, খৃ: ১৪৩২-৩৩গী মতম অদুৱাইদদি কবোশিং অসি হৌজিক্কী ককচীঙ খুনমনগী লমদম, পল্লেনগী মনীঙগী লমতুপ লমদম অশ্বাইদা পাল্লম্বগুম পীরি অমসুং থোইবীবু কবোদা লোই থাবদুসু হায়রিবা লমদম অশ্বাইদা ওইনা পীরি।

লল্লোন-ঈতীক্কী লমদাংদা মৈত্রবাক্তগী কবো অমসুং অৱাগী লমদমশিং অসি মণিপুর পুৱারীগী মতমদা য়াম্না মরু ওইবা মফমশিং ওইরম্মী। চাইনাদগী, থাইলেন্দদগী, নৎত্রগা অতৈ খা-নোংপোক এসিয়াগী লৈপাকশিংগী মনুংদগী অমা ওইরবসু অৱা লৈপাক অমসুং কবো তম্পাক ফাওদুনা মণিপুরদা চঙলকখিবা ঙাক্তনি। খুদম ওইনাঃ-

...Tradition asserts that from Chinese merchants who visited the State during the reign of Khagemba, circa 1630 the Manipuri learnt the art of Manufacturing gunpowder, an art which to this day is still practised by the Kukis, who probably derive their acquaintance with it from the Manipuris [T.C.H. 2003, 21].

অসিনা চাইনীজ মার্চেন্ট/লল্লোনবা অসিনা লাক্লিবসি চাইনাগী মফম অমদগী "য়ুন-নানদা লাক্লগা মদুদগী অৱাংথংবা বর্মা/ম্যান্মার তারক্লগা কবো তম্পাক্তা চঙলক্লগা

সোত্রাদগী, নোংপোক ঈঙৌরোক্তগী, খোইবু চীঙশাংশিং লাল্লগা নৎত্রগা কোন্দোং (মোরেহ) লম্বীদা লাক্লগা মণিপুর তম্পাক য়ৌরক্লিবনি। মসিদা মহাক ম্যান্মারগী ঈশিং থক্লক্লিবনি, চাক চারক্লিবনি, অদুনা মহাক্না লল্লোনপোৎশিংদু চাইনদগী পুরক্লবসু মহাক্কী লল্লোনবগী খোঙচৎ-খোঙথাংদু ম্যান্মারগী মতেং য়াওদ্রবদি পাংথোকপা ঙমফম থোক্তে অমসুং ওইথোক্তে।

মৈতৈশিংনা শামুবু শাদোং অমসুং অরুম্বা পোৎ-চৈ থাংদোক-থাংজিনগী অহিংবা পাম্বৈ ওইনা শীজিন্নরকপসি খৃ: ১৫৩৬ তগীনি (চৈথা: কুম: ২০০৫, ২৪)। শামু অসি তেখাউদগী পুশিল্লকখিবনি অমসুং খৃ: ১৭০৪ দগী লম্লক্তগী শামু ফানবা হোৎনবা হৌখি (মথক্কীসিদা, ৬৮-৬৯) অমসুং লমশাবু নৎত্রগা শামু লমশা ফাদুনা শীজিন্নবা হৌরকখি। অদুম ওইনমক মপান লৈপাকশিংদগী শামু লৈবদি তোক্লমদে (মথক্কীসিদা, ২৭,৩০)। অসুম্না শামু লৈবসি কবো অমসুং শ্রাম্মা লৈপাক্তগীসু লৈরম্মী। খুদম ওইনা ঃ-

১) লোইতোংবম তেংকোনগী কুম শক ১৫১১ (খৃ:১৫৭৯)...কবোরমদগী শামু অমোম অমা থোক্লকএ (মথক্কীসিদা, ৩০)।

২) লোইতোংবম ময়াংগী কুম শক ১৫২৪ (খৃ: ১৬০২) ...শামু ক্যাম্বসুং থোক্লকএ। ... কবোদগী শামু অমোম অমা য়াওনা থোক্লকএ। নাম্রম কবোগী কুম শক ১৫২৫ (খৃ:১৬০৩)... শামু মচা পোকপা অমসুং থোক্লকএ। ...শামু অয়াম্বসুং থোক্লকএ (মথক্কীসিদা, ৩২)।

৩) ঙাংঙোম তোনবগী কুম শক ১৫৫৮ (খৃ:১৬৩৬)... খামরন্দগী শামু লাবা অমসুং ময়াংদগী শামু অমোম অমসুং থোকমিন্নৈএ (মথক্কীসিদা, ৩৯)।...

৪) চনম্বম চীঙশোংগী কুম শক ১৫৫৯ (খৃ: ১৬৩৭) কবোদগী শামু ৩ থোক্লকএ (মথক্কীসিদা, ৩৯)।

৫) শম্থাম লুকোক্কী কুম শক ১৬১৩ (খৃ: ১৬৯১) ...লাংবন থা ...৫ নি নিংথৌকাবদা নৌশোমচা লুৱাংবনা ঔৱাদগী শামু অমোম অমা, লাবা অমা ওকলুবা থুংলৈএ (মথক্কীসিদা, ৫৫)।

৬) মোইরাং কোংয়াম্বগী কুম শক ১৬২৬.. শজিবু থা ...১১ নি লৈপাকপোকপা (খৃ: ১৭০৪ গী এপ্রিলগী অরোয়বা চয়োল) দা

পোৎশঙবা হঞ্জবা মোইরেংজাম্বনা অৱাদগী শামু লাবা ১ অমোম ১ ওক্লুবা থুংলৈএ (মথক্কী সিদা, ৬৮)।

৭) ঈরোম কোইচোম্বগী কুম শক ১৬৩৬ শজিবু থা .... ২১ নি শগোলশেন (খৃ: ১৭১৪ গী মেগী অহানবা চয়োন) দা শীজ ঙাইখোংঙম্বীগী শামু তীকপা চঙখিএ (মথক্কীসিদা, ৭০)।

অসিনচিংবনি। মসি মৈদিংঙু গরিবনিৱাজ নিংথৌরেনগী স্নাহাক্তক ফাওবদগীনি, অদুগা তেখাউ (Assam) দগী ময়াং (Kachhar) দগী, তখেল (Tripura) দগীনচিংবা শামু লৈবা অমসুং য়োনবগী ৱাফমশিং য়াওদ্রিবনি।

মৈতে অমসুং ম্রান্মানা শামুদা লল্লোন-ঈতীক তৌনবা অসিগুম্না য়ুমশা অতৈশিং-শন, ঈরোই, শগোল, হুই, শন্দং, শনথৌনচিংবদসু তৌনরিবনি। হায়রিবসিদা নত্তনা উ, ৱা, লৗনচিংবনা শাবা পোৎলমশিং, ফি-রোলশিং, য়োৎ-থাঙশিং, মমল য়াম্বা নুঙশিং, অসিনচিংবদসু লল্লোন-ঈতিক তৌনৈ অমসুং খুদোল তৌনৈ। অসুম্না খুদোল তৌনবসিগী খুদম অমা পোং নিংথৌ মহিপাল (মোঙপো/ Mongpo)না মৈদিংঙু গরিবনিৱাজদা পোং নিংথৌ খেকখোম্বগী য়াই পীবগী ৱারোল মথক্তা থমজখ্রে অদুগা অতৈ অমনা ঃ

১) ঙাইৱাংবম মুংয়াংগী কুম শক ১৬৬৮... লমদা থা... ৩ নি লৈপাকপোকপা (খৃ:১৭৪৭ কী মার্চগী ১বা থাখায়দা ঔৱানিংথৌগী মনাউম্না মনিনে হায়দুনা নিংথেমদা কৎলৈএ (মথক্কীসিদা, ১১৭)।

অসিনি। অসুম্না খুদোল তৌনবা পোৎলমশিংসি মৈতৈশিংনা তুংলমচত্তা নীঙশিঙনবা নীঙশিঙ খুদম ওইনা থম্মী। মসিগী খুম-চাংদমদি ঃ-

১) হাওরোংবা দেবগী কুম শক ১৭৯৪ য়ি..পোইনু থা ১৮ নি ইমশকৈশ (তাং ১৮/১২/১৮৭২ ইং) দা ... পোংনিংথৌ মচাগা মন্ত্রী মচাগা মখোয় ৫ মক ঐখোয়গী লাই নোংশাবদা থম্বা পোং নিংথৌনা পীরম্বা হীদাকফু হুকার য়েংহল্লে। থাঙ খুবোম্বা, তা খাঙশুনহা অসি খৈবীক য়েংহল্লে। চুম্মে হায়দুনা য়াখি (মথক্কীসিদা, ৪০৬)।

২) অপুজাম্বা কুলগী কুম শক ১৭৯৭ .... পোইনু থা ২১ নি লৈপাকপোকপা (তাং ২০/১/১৮৭৬ ইং)দা পোং নিংথৌনা পীরম্বা স্না মুহোর ৮০ না

শাবা স্নাক্কাগোক্তা তখেল খুনু শাবা , মতোন ঈবুংঙো ঢাকা তাবনা পুশিনখিববু বামোল অধিকারীময়ুম জগধাম শাল্লুং পুরেন্না পুরকপা থুংলৈএ (মথক্কীসিদা, ৪২৮-২৯) ।

অসিশিংসিনি। অদুগা ফিশা-লোনশানচিংবগী শীল্লমশিং অসিসু অমগা অমগা মতৌ তম্নদুনা নৎত্রগা ওঝা নাইনা তমদুনা শানৈ। মসি খম্বা-থোইবীগী ৱারীদসু য়াওরিবনি অমসুং খম্বগী ফি-রোন্নি, থোইবী ফি-রোন্নি হায়দুনা নিংথৌখোংদা, ঙাংখররাইদা য়োক-কন্দুনা অমসুং লীদুনা থমলিবা ফিরোলশিংদু ম্যাম্মাগী ফি নৎত্রগা মখোয়গী ফিশা-লোনশাগী মওং-মতৌদা শাবা ফিশিংনি। হায়রিবসি নত্তবা চৈথারোল কুম্বাবনা পীবীরম্বা অমদি ঃ-

...অদ্রো গোবিন্দগী কুম শক ১৭৭৪ মেরা থা... ১০ নি ঈরাই (খৃ: ১৮৫২ গী ওক্তোবর ২১) দা অৱাদগী থোক্লকপা লৈমপোকপম অমনা অৱাগী ফি ময়েক নাইবা অমসু হৌএ (মথক্কীসিদা, ৩১৬)।

অসিনি। অসুন্না মৈতৈ অমসুং ব্রাম্মা/বর্মীজশিং অমগা অমগা হিংননবগী লান থেংনবদা অমনা অমগী মতেং লৌনদুনা হিরম-ৱারম পুন্নমক্তা পানমিন্নরকখি।

পৃথিবীগী ২ শুৰা লাঞ্জাওদা মৈতৈ অমসুং ম্রাম্মা

মণিপুর/মৈতৈ অমসুং ম্যান্মার/ম্রাম্মা খৃ: ১৮৯১ অমসুং খৃ: ১৮৮৫ দগী বৃটিশকী লোইলম ওইদুনা লৈমিন্নরকখি। অনিমকসি বৃটিশনা লৈঙাক্তুনা পাল্লকপদা, অহানবদা অনিমকসি বৃটিশ ইন্দিয়াগী শরুকশিং ওইনা লৈঙাক্লম্বদগী খৃ: ১৯৩৭ তা বর্মা/ম্যান্মারসি বৃটিশ ইন্দিয়াগী লৈঙাক্তগী খায়দোকখি (A.S.S-K, 1985, 38)। মতমসিদগী মশাগী অনৌবা কনষ্টিট্যুসন অমা শেমজদুনা মশাগী মীনা লৈঙাক্লোন্দা হেন্না থবক খুমাঙ চাওশিনহনবগী ৱাফম পীদুনা চত্থরক্লম্মী। অদুবু মদুনা খৃ: ১৯৩০ গী সয়া সান (Saya San) না লুচিংবা লৌমীশিংগী-য়াওল খোঙহৌ, দোহবমা এসিয়ায়োনে (We Burmese Association) গী থাকিনশিং [Thakins (Masters)] গী কাংলুপ মশানা মশাবু লৈঙাক-রায়েন-থৌদাজবগী পান্দম, আউঙসান (Aung San) না লুচিংবা, খৃ: ১৯৩৯ গী থারতী কোম্রেড (Thirty comrades) কী য়াওল খোঙথাংদা মনীঙ তম্বা ম্যাম্মা লৈপাক অমা পুরক্লবগী পাদম অমসুং পান্দম থাদোক্তুনা চঙশিল্লক্লম্মী (মথক্কীসিদা, ৩৮-৪০)। খৃ: ১৯৩৯ গী থারতী কোম্রেডসনা জপানীজশিংদগী লানগী ট্রেনিং লৌদুনা বৃটিশশিংবু বর্মাদগী তাম্বোক্লবা বর্মা ইন্দিপেন্দেন্স আর্মী (The Burma Independence Army) বু নহা ওইরিবা আউঙ সাননা কম্মান্দর-ইন-চিফ ওইনা লীংখত্তুনা হোৎনরকখিবদু খৃ: ১৯৪১ দদি মায় পাক্লে, বৃটিশশিংবু বর্মাদগী তাম্বোকখ্রে অমসুং বর্মীজশিংবু মনীঙতম্বা কাংলুপ অমা ওইনা লাউথোকপা ঙমখ্রে। অদুবু জপানীজশিংনা বর্মাবু শুপপায় পায়শিন্দুনা থম্বনা মতমদুগী বর্মীজ ইন্দিপেন্দেন্স আর্মী অমসুং মখোয়গী মীশিংনা তৌরিবা থৌদৌদু মখোয়গী ম্যাম্মা গী লৈপাকসিদা মীরৈপাক-মীরমদগী লৈঙাকপা অমগী মহুত্তা অতোপ্পা অমা শিনবদনি হায়বসি খঙলক্লে (মথক্কীসিদা, ৩৯)। মরম অসিনা মখোয়না জপানীজশিংগী মায়য়োক্তা অমুক লেপ্তুনা বৃটিশকী মীচঙ ওইদুনা মরৈপাক কন্নবা হোৎনরম্মী। অসুন্না হোৎনবদুনা খৃ: ১৯৪৫ দা জপানীজশিংনা অনিশুবা পৃথিবীগী লাঞ্জাওদা মায়থিবগা লোয়ননা বর্মাদা লানগী ঈরাং লোয়শিনখিরম্মী (মথক্কীসিদা, ৪০)।

মৈত্রবাক-মণিপুরদদি পৃথিবীগী অনিশুবা লাঞ্জাও (খৃ: ১৯৩৯, সেপ্তেম্বর-১৯৪৫, জুলাই) খৃ:১৯৩৯ দা হৌরে, হায়বসি খঙদ্রি। বৃটিশকী লৈঙাক মখাদা পান্দুনা চুরাচান্দ মহারাজগী মমা শীজা নোঙ্গাবা (তাং ২৭-১০-১৯৩৯ ইং) অমসুং মসিগী শরদ্ধ পুদুনা বৃন্দাবন চৎলুরগা মহারাজনা নবদ্বীপ্তা লৌখিবা, অনিশুবা নুপী লান (খৃ: ১৯৩৯, ডিসেম্বর ১ দগী ১৯৪০ গী মার্চ ১৯) থোকপা, মদুগী ৱায়েন চথবা, মহারাজ চুরাচান্দ সিংহ নবদ্বীপ্তা খৃ:১৯৪১ গী নবেম্বর তাং ৬ তা নোঙ্গাবা, মথংগী নুমিত্তা মহারাজ বোধচন্দ্র না নিংথৌ ফম্বাল কাবা, অসিনচিংবা থোক্তুনা খৃ: ১৯৪২ গী মে গী তাং ১০ নোংমাইজিং নুমিত্তা ইম্ফালদা বোম তাদ্রিবা ফাওবদি খঙদবগুম চেক-মোক লাউদনা লৈনরম্মী। অদুগা জপানীজশিংনা ম্যান্মার লৈপাক্তা চঙশিল্লকপগী মতাংদা পীবীরম্লিবদি ঃ-

“ মালয় অমসুং সিঙ্গাপুর লৌশিল্লবা মতুং অসিদদি জাপান্না ব্রম্মারোমদা চংশিল্লক্লে। জাপান হেঞ্জিল্লক্তনবগীদমক ব্রহ্মাগী মখা থংবদা বৃটিশ লান্মী ডিবিজন অনিনা ঙাক্লম্মী।

শোক খৃ: ১৯৪২, জনুৱারী ২১ দা মৌলমীন্নোমদা তকশিল্লই। মার্চকী তারিখ ৭ তা রেঙ্গুন্দগী বৃটিশ খোঙশানখ্রে। মার্চ ২২ দা জাপানশিংনা ইরাবতী তুরেন মপান্দা লৈবা প্রোম সহর নকশিল্লক্লমই, এপ্রিল ১ দা বৃটিশনা প্রোম থাদোকখি। মতম অসিৱাইদা মন্দলেদা বোম য়াম্না থাদরি। চিনগী ৬ শুবা লান্মী তেঙ্গোন খা-রাই খঙদনা পুমচায় চায়খি। এপ্রিল তাং ১৪ দা থাউ থোকফম খোং অদু বৃটিশনা থুগায়খি। থা অসিগী তারিখ ৩০ দা জাপানগী টেঙ্কনা লাসোদা চঙখি।বৃটিশ লান্মীশিং অদু কলেৱারোমদা হন্দোকখি...। মেগী ১বদা বৃটিশনা মন্দলে থাদোকখি অমসুং ইরাবতী তুরেন্দা শাবা অচৌবা অৱা-থোং (AVA) অদু থুদেকখি। মে ১৪ দা জেনরেল আলেকজেন্দরনা মহাক্কী হেড ক্বার্টর্স অদু তমু মনাক্তগী অসামগী সিমানা (ঙমখৈ)দা হোংখী। অসুম তৌনা ব্রহ্মা অসি জপানগী মখুত্তা তাখি (শ্রীমঃ সঃ ১৯৮৪, ৩০-৩১)।

অসিনি। অসুম্না লানগী খোঙজঙশিংসি চঙশিল্লকপদা মীচম ওইরিবা ম্যাম্মা মীয়াম অমসুং ম্যাম্মা-মৈতৈ মীয়ামদি লাঞ্জেনবা অমসুং হিংননবগী লম্বী থিবা নত্তনা পাম্বে লৈরমদে। লানগী ঈরাংনা কৈথেল মুৎখ্রে, চানা-থক্লবা ফংবদা ৱারে, হিংদবদি য়াদে। অদুবু মীখা থানা হিংগদবগী শরুক অফংবা খর চারগা ঈমা লৈপাক্কী থবক তৌরমগে খনবা ম্যাম্মা মচাশিং অমসুং ম্যাম্মা-মৈতৈ মচাশিং লাল্লক্তুদা চোংথোক্লরকখি।

ম্যান্মা-মৈতৈ অমসুং জাপানীজ উনবা

ম্যান্মার লৈপাক্তা চহি কয়া মরুমগী মমাঙদগী খুন্দাদুনা লৈবা মৈতৈ খুল কয়া মরুম লৈ হায়বসি মথক্তা থমজখ্রে। জাপানশিংনা বৃটিশকী মায়য়োক্তা চঙশিল্লকপসিদা মখোয়গী মতেং লৌরগা মরৈপাক মণিপুরদবু বৃটিশ মখুত্তগী হন্দোক্নীঙবা মীওইশিং চোঙথোক্লক্লম্মী। মখোয়দুগী য়াম্না শম্বা ৱারী-ৱাখোঙদি ঃ-

শ্রীলাইশ্রম গুন সিংহ কৌবা মন্দলেগী তমীদোজী পৌনাজু (মন্দলেগী নিংথৌগী মজাঈবেম্মগী কৈথেনগী বামোন খুঞ্জাও) দা লৈবা নুপা অসি নমতুগী বর্মা কোরপোরেসন লিমিটেড (Burma Corporation Limited) তা মিল্লিংগী ডিপার্টমেন্টতা পেরোল নং ১৪৮৮০ দা থবক তৌরম্বনি। মহাক্না মালেমগী অনিশুবা লাঞ্জাওগী শরুক ওইনা জাপানীজশিংনা ম্যান্মারদা চঙশিল্লকদৌরে হায়বসিগী পাউ তারদুনা খৃ: ১৯৪১ গী ডিসেম্বরদা মহাক থবক মফম থাদোক্লমদুনা মন্দলেগী মখুন্দা লাক্লম্মী। মন্দলেদা জাপান্না অনিরকশুবা বোম থাদবগী নোংঙাল্লগা মহাক মহাক্কী ঈমুং-মনুং পুদুনা সগাইংদা লান চেল্লম্মী। মফম অদুদা জাপানীজশিংনা থুংলবদা গুনসিংহ না মহাক্কী মরুপ-মপাংশিংগা লোয়ননা লান্মীশিংদুগী পীজ-পীথক তৌরম্মী। অদুগা গুন সিংহ অমসুং বাবুধন শর্ম্মনা জাপানীজ সিফাইশিংদুবু য়েথাওং ষ্টেসন (ত্রেনগী) ফাওবা থিনবীরমখি।

গুন সিংহনা মতম খর লৈরগা সগাইংদগী মন্দলেদা লাক্তুনা মণিপুরবু মনীঙ তমহন্নবগী পান্দমদা বর্ম্মদা লৈবা মণিপুরীশিং খোমদুনা **মণিপুরী পাওনা ইন্দিপেন্দেন্স লীগ**(Manipuri Paona Independence league) **কৌবা মৈতৈমচাশিংগী মণিপুর পার্টি** (Manipur Party) অসি লীংখৎখিরম্মী। লীগ অসিগী প্রাসিদেন্টনা তমীদোজী পৌনাজুগী আয়ালুজী (খুনগী মকোক নৎত্রগা খুল্লাকপা) উথোনটৈন শর্ম্মনা ওইরম্মী অমসুং হায়রিবা লীগ অসি ইন্দিয়ান ইন্দিপেন্দেন্স লীগ (Indian Independence League) কা য়াম্না নক্লবা মরী লৈনরম্মী।

জাপানীজশিংনা বর্মাগী মফম অয়াম্বা লৌশিনবা লোয়রক্লবদা খৃ: ১৯৪২ গী সেপ্তেম্বর তাং ১৭ তা জাপানীজ ওফিসার অমগা বর্মীজ পুলিস ইন্সপেক্তর অমগা কার অমা তোংদুনা তমীদোজী পৌনাজুদা লাক্লম্মী। অদুগা খুনসিগী আয়ালুজী ওইরিবা ব্রজলালা শর্ম্মদা খুনসিগী মীশিংগা ৱারী শাননীঙঙী, মথংগী নুমিত্তা লাক্কে, নুমিৎ য়ুংবা মতমদা ময়াম ঙাইবীরম্মু, হায়না হায়রম্লগা চৎখিরম্মী। ব্রজলালা শর্ম্মা ৱাফমসি

গুন সিংহদা পাউ পীরগা মহাক্না লুচিংদুনা জাপানীজ ওফিসার অদু উননবা থৌরাং শীন্নরম্মী। হায়রম্বা মতম চপ চানা জাপানীজ ওফিসারদু লাক্লম্মী। অদুগা খুনগী মীশিং—ব্রজলালা শর্ম্মা (আয়ালুজী), বায়েন শর্ম্মা, চুরামনি শর্ম্মা অমসুং মধু শর্ম্মনচিংবা লাক্তুনা গুন সিংহগা লোয়ননা জাপানীজ ওফিসার অদুগা ৱা খর ঙাংনরগা মখোয় মঙামক জাপানীজ ওফিসার অদুনা পুরকপা কারদা কাখত্তুনা অপ্পর বর্মা পুরিবা মথক থোংবা ওফিসার অদু উনবা মন্দলেদা চৎলম্মী।

মন্দলেদা লৈবা জাপানীজগী ওফিস অদুগী মনুং ঈথং থংবা কা অদুদা হায়রিবা ওফিসার অচৌবদু ফম্মী হায়দুনা কা অদুদা মখোয় মঙাদুগা হান্নগী ওফিসার অদুগা চঙবা মতমদা লৈরম্মিবা ওফিসার অদুনা ময়ামদুবু তরাম তরান্না ওক্লগা মহাক্কী টেবলগী অকোয়বদা থারিবা চিয়ারশিংদুদা ফম্বীনবা নোল্লুক্লা হায়জরম্মী। ময়ামদুনসু ঙাইহাক লেপ্তুনা মহাকপু ঈকাই খুম্নবা উৎলবদা মহাক্না মহাক্তি মহাক্কী সিফাইশিংগী মথক্তা চাওজবনি, অহনশিংদুগী মফমদদি মহাক্তি অঙাংনি, মখোয়গী মহৈরোইগুম্বনি হায়না ময়ামদা নোল্লুকপা উত্তুনা মখোয় মঙাদুবু ফমহল্লি। ওফিসার অচৌবা অদুগী য়েক্তা বর্মীজ লোন্নচিংবা লোন ময়াম খঙবা ফুজী কৌবা ওফিসার অমা ফম্মী। মহাক্না মখোয় মঙাগী মনুংদা মণিপুর য়ৌরুবা য়াওবরা হংবদা মধু শর্ম্মনা মহাক য়ৌরুরে হায়না খুম্মী। অদুদা ওফিসারদুনা মণিপুরগী মরমদা নীঙথিনা খঙবরা হংবদা মহাক্না য়ৌরুবদনি নীঙথিনদি খঙদে খুম্লম্মী। অদুদগী ওফিসার অদুনা মখোয়গী মরক্তা মণিপুরদা পোকপা, মণিপুরদা চাওরকপা অশেংবা মৈতৈ য়াওবরা হায়না হংলক্লম্মী। মদুদা ব্রজলালা শর্ম্মানা শ্রীগুন সিংহবু শক্তাক্তুনা "মহাকসি মণিপুরদগী লাকপনি, বর্মাসিদা মঙোন্দগী হেন্নবা মী য়াওদ্রবনি, হায়রবদা ওফিসার অদুনা মহাক্না গুন সিংহগা থংননা ফম্মিন্ননবা শীল্লগা মণিপুরগী মেপ পুথোক্তুনা মহাক্না খঙনীঙবা, হংনীঙবা মফমশিংগী মরমদা মখোয় অনি ৱারী শান্নরম্মী। ৱারীদুদা শ্রীগুন সিংহনা ভারত, মরু ওইনা মণিপুরদগী বৃটিশ তাম্থোক্লবগী অমসুং মণিপুরবু মনীঙ তমহন্নবগী পান্দমদা মণিপুরী পাওনা ইন্দিপেন্দেন্টস লীগ "কৌবা পার্টি অমা শেম্বা কুইরে" হায়বা ৱাফমসি থল্লক্লম্মী। মদুদা জাপানীজ ওফিসারশিংদু য়াম্না হরাউরম্মী। অদুগা অমগা অমগা মতেং পাংননবগী ৱাফম হৌদোক্লদুনা য়ানবা পুরকখিরম্মী। অদুদগী নুমিত্তুগী ওইনা মখোয় মৈতৈমচাশিংদুবু জাপানীজ ওফিসার অদুনা কারদা মখোয়গী লৈফমদা থিনবীরক্লম্মী। অসুম্না শ্রীগুনসিং অমসুং মণিপুরী পাওনা ইন্দিপেন্দেন্টস লীগনা

ভারতকী ইন্দিয়ান ইন্দিপেন্দেন্টস লীগ অমসুং জাপানগী হিকারী কিকান ওফিস [Hikaree Kikan Office (মসি সি: আই: ডি: নৎত্রগা স্পাই/ Spy গী ওফিসকুম্বনি)] কা মরী লৈননা থবক তৌবা হৌরকখি অমসুং চত্থরকখি।

মণিপুরী পাওনা ইন্দিপেন্দেন্টস লীগ নৎত্রগা মণিপুর পার্টি অসি মনিপুরদা লান চঙনবা শেম-শারক্লম্মী। জাপানীজগী হিকারী কিকান ওফিসনা মণিপুর পার্টি অসিগী লুচিংবা নত্রগা য়াথং থাবা/পীবা (কম্মান্দর) মীশকসি শ্রীগুন সিংহবু ওইহন্নীঙবা উৎপদগী মহাক্না লাঞ্জিংলেন-পুরেন ওইরে। অদুগা লান চঙমিন্নগদৌরিবা কাংবুশিংনা জাপানীজশিং, মণিপুর পার্টি অমসুং ভারতকী আজাদ হিন্দ ফৌজ [Indian National Army (INA)] নি (মথক্কীসিদা, ৩৫)। মতমসিদা ব্রাম্মাগী কাংলুপকী লুচিংবশিং থারটী কোম্রেডস (Thirty Comrades) অমসুং মখোয়গী বর্মা ইন্দিপেন্দেন্স আর্মিদি জাপানীজশিংগী মায়য়োক্তা বৃটিশশিংগী মীচঙদা লৈখ্রবনি। অদুনা মৈতৈ মণিপুশিংগা লম্বী লমখায়নখ্রবনি। অদুবু বর্মাগী মীচম-মীয়াম্নদি অনিসিগী মরক্তা লৈদুনা লাঞ্জেনবনা মথৌদাং ওইনা লৈখ্রবনি।

মণিপুরদা লাঞ্জঙনবগী থৌরাং

বর্মাদা লৈরিবা মণিপুরী পাওনা ইন্দিপেন্দেন্স লীগকী লুচিংবশিংনা মণিপুরদগী বৃটিশ তাম্থোক্লবা লাঞ্জঙনবগী থৌরাং লৌখৎখিবসি খৃ: ১৯৪৩ গী এপ্রিল থাদগীনি। মখোয়গী লুচিংবা শ্রীগুন সিংহনা মহাক্কা মতম পুন্নমক্তা লোইনবা মন্দলেদা, পোকপা মৈতৈ বামোন শ্রীচন্দ্রমনি শর্ম্মা অমসুং শ্রীব্রজলালা শর্ম্মা অনিগা হায়রিবা এপ্রিল থাসিদা মেমিয়োদা চত্তুনা লান চঙগদৌরিবা অসিগী মরমদা ইন্দিয়ান ইন্দিপেন্দেন্স লীগ কী লুচিংবা শ্রীগোপাল সিংহ, আই: এন : এ: গী কেপ্তেন নেপালী শর্ম্মা, মেমিয়ো হেডক্বার্টর্স পুরিবা জাপানীজ লেফটেনেন্ট নাকা মূরাসান (Naka Murasan) অমসুং অতৈ জাপানীজ ওফিসারশিং খরগা ৱারী শামিন্নখিরম্মী। মতুংদা মখোয়বু জাপানগী হিকারী কিকান ওফিসতা ৱারম কুপ্পা খন্ননবা লৈহনখি। মখোয়না মেমিয়োদা থুংবা নুমিৎ নীনি শুবগী নুমিদাং পুং ৯/১০ রোম তাবগী অদুৱাইদা বৃটিশনা মেমিয়োদা বোম থাদখি। অদুগা শ্রীব্রজলালা শর্ম্মদি বোম তাবগী মথংগী নুমিত্তুদা মন্দলেদা হনখ্রে। শ্রীগুন সিংহ অমসুং চন্দ্রমণি শর্ম্মনা জাপানীজ ওফিসারশিংদুগা মেপ পুথোক্তুনা মণিপুরগী চীঙ লম্বীশিং, লান চঙগদবা লাঞ্জঙগী মওং-মতৌ অমদি লাম্থোঙ অমসুং লাঞ্জঙদুদা চঙগদবা মতমগী মরমশিংদা নুমিৎ ৪/৫ নি থবক শূমিন্নখি। অদুগা লেফ:

নাকা মুরাসাননা মহাক্কী জীপতা শ্রীগুন সিংহ অমসুং চন্দ্রমনি শর্ম্মবু মন্দলেদা অমুক থিল্লকখি অমসুং মন্দলে য়ৌরগা শ্রীচন্দ্রমনি শর্ম্মবু লুপা ১০০ (চাম্মা) পীদুনা ময়ুমদা চঙহনখি (মথক্কীসিদা, ৩৭)।

মণিপুরদা চঙগদৌরিবা লাঞ্জঙসিগী মরমদা মখা তানা ৱা তাননবগীদমক্তা শ্রীগুন সিংহনা শ্রীগৌরহরি শর্ম্মগা লোইননা চহিসিগী মে থাদা রেঙ্গুনদা লৈবা জাপানগী হেডক্বার্টর্সতা চৎলম্মী, মখোয়না নুমিৎ ৫নি ত্রেন্দা চৎলগা নুমিদাং পুঙ ১০ তাবদা রেঙ্গুনদা থুংলম্মী। অদুবু সহরদুদা নুমিত্তুমক্তদা বৃটিশকী প্লেন্না বোম থাদদুনা মফম অয়াম্বা মৈনা চাক্লম্মী। মথং নুমিৎত্তা রেঙ্গুনগী গোল্ডন ভেলী (Golden Valley) দা লৈবা জাপানগী হিকারী কিকান ওফিসকী হেডক্বার্টর্স ওফিসতা থুংদুনা লেফ: ফুজিগা উনখি। অদুগা শ্রীগুন সিংগী লৈফম-চাফম থৌরাং তৌগে হায়না ফুজিনা হায়বদা শ্রীগুন সিংহনা রেঙ্গুন্দা লৈবা মৈতৈশিং উনগে, মখোয়গী মনাক্তা থুংগে, হায়রবদা লেফ: ফুজিনা ফরে হায়দুনা চাদিং ওইননবা লুপা ২০০ (চহি) পীরগা কায়নদুনা রেঙ্গুনগী ৱাইমী (Waimee) মৈতৈ খুন্দা চৎলম্মী। মফমদুদা লৈরম্বা মৈতৈশিংদুদা মণিপুর মনীঙ তমহন্নবা থৌরাংগী পাউজেল পীরম্মী। মদুদা ঙাংবম থানীন সিংহ অমসুং লাইরেল্লাকপম ইরাবত সিংহনচিংবা অহল কয়ানা পাউজেন্দু তরাম্না ওক্তুনা মখোয় য়াওল্লোয়শিংবু থাগৎপীদুনা মখোয়বু "ঈশ্বরনা মতেং পাংবীসনু" হায়না পুক্নীঙ থৌগৎপীরম্মী। অসুম্না মৈতৈ খুন ৱাইমীদা লৈরগা শ্রীগুন সিংহনা নুমিৎ খুদিংগী অয়ুক পুঙ ৯ দগী হিকারী কিকান ওফিস কাদুনা লানগী থৌওং -থৌদৌ কয়া তান্নরম্মী। মতমসিদা জাপানীজশিংনা নুমিৎ ১০ নিরোমগী মতুংদা পেসিফিক ওসিন্দা লৈবা ঈথৎশিং অমসুং ইন্দিয়াগী মফম কয়াদা বোম থাদনবগী মরমদা শ্রীগুন সিংহদা পাউ তত্তনা খঙহল্লম্মী অমসুং মেপ পুথোক্তুনা মফমশিংদু উত্তুনা ৱা তান্নরম্মী। মসিদা মণিপুরগী মতাং লাকপদা শ্রীগুন সিংহনা আসাম রাইফলসকী লৈফম, পোলিটিকেল-এজেন্টকী শঙ্গায় শাফম, মিলটরী সিফাইশিংনা লৈবা মফমশিং নত্তবা মফমশিংদা বোম থাদদনবা কন্না হায়রম্মী। অদুগা মণিপুরীশিংনা লুনা নীঙজরিবা শ্রীগোবিন্দজীগী লাইশঙদা বোম থাদগনু হায়রম্মী। মণিপুর তম্পাক্কী মফম অয়াম্বদা মরু ওইনা ইম্ফালদা মীচম-মীয়ামগী য়ুম্না ক্রক-ক্রক ইন্ননা লৈবনি, য়ুমশিংসি অয়াম্বনা ৱা-উনা শাবা অমসুং ইনা কুপ্পনি, অদুনা বোম থাদরবদি মৈনা তুম্না চাক্কনি, হায়না য়াম্না কন্না হায়রম্মী। মদুদা জাপানীজ ওফিসার লেফ: ফুজিনা শ্রীগুন সিংহদা করিসু নুংশা থীগনু হায়না হায়রম্মী।

জাপানীজ, আই: এন : এ: অমসুং মণিপুর পাওনা ইন্দিপেন্দেন্স লীগনা ইন্দিয়া লান্দাগদৌরিবসি মণিপুররোমদগী (উখুল, তুমু-মোরে অমসুং বিয়াং-চিবু) অমসুং আরাকনলোমদগীনি, হৌবদি মণিপুররোমদগীনা হানগনি, অদুনা মণিপুর পার্টিনা মাঙ থানা লমজিংগদবনি হায়না লেফ: ফুজিনা শ্রীগুন সিংহদা খঙহল্লম্মী। অদুগা মতমসিদগী শ্রীগুন সিংহগী চাননবগীদা হাপ্তা অমদা লুপা ১০০ (চাম্মা) পাংবসি জাপানীজনা হৌখিরম্মী অমসুং নুমিত্তুমক্তদা শ্রীগুন সিংহ অমদি শ্রীগৌরহরিদা লুপা ১০০/১০০ পুথোক্তুনা পীবা হৌরম্মী। জাপানীজগী প্রেসতা বাঙ্গালী ময়েক য়াওবনা মৈতৈলোন্দা ইবা চে মণিপুরদা চায়নবা পমফ্লেট অনি শ্রীগুন সিংহনা নমথোক্তুনা থৌরাং তৌরম্মী। অদুগা হাপ্তা অনিরোম লৈরগা জাপানীজ ওফিসারশিংনা এরোপ্লেন্দা সিঙ্গাপুরদা চৎপা মতমদা শ্রীগুন সিংহসু য়াওদুনা নেতাজী সুভাসচন্দ্র বোসকা উন্নরুনবা জাপানীজশিংনা হায়রম্মী। অদুবু নেতাজীনা রেঙ্গুন্দা মতমদুগী হপ্তা অমগী মতুংদা লাক্কনি, হায়বনিনা মহাক্না রেঙ্গুন্দা লাকপদুদা উনরগে হায়না শ্রীগুন সিংহনা হায়রম্মী।

মিঃ ফুজিনা শ্রীগুন সিংহদা মণিপুরগী মতমদুগী নেটাশিং অমসুং মখোয়না পাংথোকখিবা থবকশিংগী মরমদা ৱারোল খর পীয়ু হায়দুনা শ্রীগুন সিংহনা হিজম শ্রীইরাবত সিংহ, এলাংবম শ্রীতোম্পোক সিংহ, ডাঃ শ্রীলৈরেন সিংহ, নোংমৈকাপ্পম শ্রীগোপাল সিংহ মুহোরী, কোইজম শ্রীঅমুবী সিংহ অমসুং শ্রীমহেন্দ্রো সিংহগী মমিং পীখি অমসুং মখোয়না মশা-মশানা ওইরম্বা ফমশিং থাদোক্তুনা মীচম-মীয়াম্বু কন্ননবা হোৎনখিবা, হায়বনচিংবা পুম্নমক ইদুনা পীখি। অদুগা বৃটিশকী মথক্তা তৌখিবা নুপীলানগী মরমদসু নীঙথিনা লীদুনা খঙহনখি (মথক্কীসিদা, ৩৯-৪০)। অদুগা মতমদুগী মহৈ-মশিঙ হৈবশিং —সৌগাইজম শ্রীসনাজাওবা বিঃ এঃ, অরাম্বম শ্রীইবোহল বিঃ এঃ, বিঃ টিঃ, শ্রীকালাচান্দ সিংহ, শাস্ত্রি, শ্রীকৃষ্ণমোহন এমঃ এঃ বিঃ এলঃ, শ্রীদ্বিজমনি শর্ম্মা এমঃ এঃ, পণ্ডিতশিং-শ্রীললিতামাধব শর্ম্মা, শ্রীবঙ্কবিহারী শর্ম্মা, শ্রীরাধামোহন শর্ম্মা, শ্রীশিবদত্ত শর্ম্মা তর্ক তর্ক তীর্থ অমসুং শ্রীঅতোম্বাপু শর্ম্মা বিদ্যরত্নগী মমিংশিং অমসুং মরমশিংসু ইদুনা পীরম্মী।

অপ্পর বর্মাগী মোলাইকতা ফিল্ড হেডক্কার্টর্সকী ওফিসারশিংনা থবক চত্থবদা অপনবা ওইরে, শ্রীগুন সিংহবু থাবীরকউ হায়না রেঙ্গুন হেডক্কাটর্সদা থা অমা চুপ্পা ফোন লাক্তুনা শ্রীগুন সিংহবু জাপানীজ ওফিসার অমগা মাগী সিফাই খরগা আই: এন: এ: গী ওফিসার অমা অমসুং মহাক্কী সিফাই খরগনা খৃ: ১৯৪৩ গী জুলাইগী

অরোয়বদা মোলাইক য়ৌনবা থিল্লন্মী। খোঙফমসিদা শ্রীগুন সিংহনা মহাক্কা লোয়নবা গৌরহরি শর্ম্মগা মন্দলেদা চঙদুনা মখোয়গী মণিপুরী পৌনা ইন্দিপেন্দেন্স লীগকী প্রসিডেন্ট উথোনটেন শর্ম্মা অমসুং অতৈ মেম্বরসিং উনরমদুনা মণিপুরদা চঙগদৌরিবা লাঞ্জঙগী পাউ পীরম্মী। মখোয়না মোলাইক য়ৌবা (ঈশিং লম্বীদা মোটোরবোট তোংদুনা চৎপা) মতমদা জাপানগী আর্মী ওফিসার অহুম কেপ্তেন য়ামাদা, নাগা সিসান অমসুং সুদু সাননা ওক্লন্মী। মখোয়না জাপানীজগী ওফিসতা চঙবদা লাইখুরাম শ্রীমুখ সিংহ কৌবা অহল অমা থবক তৌরম্মী। মথংগী নুমিত্তু পোখারগা কেন্দাতগী মৈতৈ খুনগী মীয়াম লাক্তুনা শ্রীগুন সিংহগা উনখি। মখোয়না, "কেন্দাতগী অৱা তজীনা মৈতৈশিংবু য়াম্না ওৎ-নৈরে জাপানীজশিংনা অপাম্বা পোৎ লৌগে হায়বদা মৈতৈ খুলগী ঙাক্তা লৌই, অৱাশিংদি কন্দুনা থমই... (মথক্কীসিদা, ৪২) হায়না পাউ তমলে। মতুংদা শ্রীগুন সিংহনা কেন্দাতগী মৈতৈশিং পাস অমমম পায়হল্লে। হায়রিবা পাস অসিদা ইরিবা মরোন্দি "পাস অসি পায়রিবা মী অদু শ্রীগুন সিংহগী ওফিসতা হংদনা অতৈ অমা লাক্লগা করিসু তৌরোয়দবনি, আইনগী মতুং ইন্না দণ্ডি পীবা তারবসু ওফিস অসিদা খঙহল্লমগদবনি"- অসিনি অমসুং মসি মণিপুরদা লান চৎপদা য়াওগদবা মণিপুর পার্টিদা চিঙশিল্লিবনি। অদুদগী মৈতৈশিং অদুগী চান-থক্লবা য়ুম খুদিংগী থাগী লুপা ৫০, ১০০ অমসুং ১৫০ পীরম্মী অমসুং লুখ্রাবী অমতা লৈবা য়ুম ফাওবদা থাগী লুপা ৫০ (য়াংখৈ) পীরম্মী। মসিদগী থাখায় ১ রোম লৈরগা শ্রীগুনসিং কেন্দাতগী মীয়াম্না কৌবদগী মোলাইকদগী মাইল ৩ হি তোংদুনা কেন্দাতদা চৎলম্মী। ময়াম্না হায়জবদগী শ্রীগুন সিংহনা কেন্দাতগী তজী দু উন্নবা চৎলম্মী। মখোয়নি উনরবদা শ্রীগুন সিংহনা তজীদুদা মহাক খঙবরা হংবদুদা মহাক্লা অসুম্না খুম্লক্লম্মী -

"বুজি চুনো তিবারে খেময়া মণিপুরা অচো য়াবে" (ঐ খঙজৈ, নহাক অসি মণিপুরগী সরকার পায়বনি)। মসিদগী মখোয়নি, মহাক্লা মৈতৈবু ওৎ-নৈবগী মরমদা ৱারী শানরগা মৈতৈনা অৱাগী মফমদা মমাঙঙৈগী মতমদা নৈখিবশিংদু পন্দুনা মতুং তৌদনবা হায়রম্মী। মদুদা মহাক্লা - "হোক্তোব্যা নাউকমা মলুকপু" - হায়বদি - "চুমই, মতুং তৌজররোয়" হায়দুনা য়ানবা পুরকখি। মসিগী মতুংদা গুন সিংহনা বর্মাদা জাপানীজশিংনা মৈতৈমচাবু পোখাং পুহনবা (কুলি ওইনা শীজিন্নবা) গী থবক্তু থিংখিরম্মী। বৃটিশশিংনা লৈবা মফমদা মৈতৈশিংবু শ্রীগুন সিংহনা স্পাই ওইনা থাদুনা থবক তৌহনখি অমসুং বৃটিশকী লান্মী লৈবা মফমদা আইঃ এনঃ এঃ গী চে চায়হনখি। মফমসিদা লৈরিঙৈদা শ্রীগুন সিংহনা জাপানীজশিংনা শন হাত্তুনা চাবগী মওং-মতৌসি পুমথিং-থিংখিরম্মী।

শ্রীগুন সিংহ কেন্দাতদগী মোলাইকতা হল্লক্কুনা লানগী থবকশিং কন্না শূবা হৌখ্রে। জাপানীজ ওফিসারশিংদুনা মেপ পুথোক্কুনা লান চৎপদা থুংলু-থুংলুগদবা খুনশিংগী মরমদা শ্রীগুন সিংহগা তানৈ। অদুগা খুনশিংগী চাথোক-পোখোক পূম্নমক পাথোকই। মরমদি হান্ননা নীঙথিনা শেম্লবা লম্বী লৈতবনা চীঙ্গাক্কী মতাংদা খুদোং থীনীঙঙাই ওই। অদুনা লান কাবা/চৎপা হৌবদগী মী অমনা নুমিৎ তরানী-তারানীগী চীঙ্গাক পুবা হায়না ৱারেপ তানরম্মী। অদুগা মোলাইকতা লৈরিবা ওফিস অসিদা পার্টি ৫ (মঙা) লৈরম্মী - ১) মণিপুর পার্টি, ২) উতেজী পার্টি (বর্মা), ৩) অমর সিংহ পার্টি (ইন্দিয়া), ৪) খান পার্টি (ইন্দিয়া) অমসুং ৫) আই: এন: এ: পার্টি। অকোনবগী পার্টিসি লেফ: ভীমসিং অমসুং লেফ: শ্যাম সিংহনা লুচিংই, মণিপুর পার্টিনা শ্রীগুন সিংহ অমসুং শ্রীমূখ সিংহনা লুচিংই অমসুং অতৈ পার্টিশিংদি মাগী মাগী পার্টি লীডরশিংনা থৌদাং পুরম্মী।

মৈতৈগী তোম্বা সিংহ, বাবু সিংহ অমসুং ম্যাম্মাগী স্পাই মকোক তাকউনচিংবা থাদুনা চীঙগী চীঙমীশিংগা মরী থম্ননবা হোৎনখি। মসিদা হোলকোম খুঙ্গগী হোলকোয়াম কুকি অঙাং অমগা, অহল অমগা মতেং পাংনবা ফংবদগী য়োলপাও কুকি, লমখোথাং কুকি, লমজাঙম কুকিনচিংবসু য়াওরকখি। অদুগা বর্মাদা লৈবা মৈতৈশিং-কুলেনয়ো, মন্দলেনচিংবদা লৈবশিং কেন্দাতদা পুল্লরদুনা মিষ্টর মিয়ুরা সাননা লানগী ত্রেনিং পীদুনা লৈরম্মী। মসিদগী মনিপুর পার্টিগী মীওইশিংগী য়েম্থোক্লদুনা মিঃ মিয়ুরা সান, নাগা সিসাননচিংবা জাপানীজ ওফিসারশিংগা মৈতৈ ১৩ গা চিন চীঙশাং (Chin Hills) কাদুনা চুরাচান্দপুর তাননবা চৎখিরম্মী। মখোয়গী মমিং-মথাদিঃ-

১) শ্রীবলভব শর্ম্মা, বামোন লৈকায়, ২) শ্রী সলাম শ্রীয়াইমা সিংহ, শোইবম লৈকায়, ৩) শ্রীমাইরেনবম অহঞ্জাও, মোইরাং, ৪) শ্রী তখেল্লম্বম চন্দ্র সিংহ, খুরাই, ৫) মুতুম শ্রীচাওবা সিংহ, কৈরাও, ৬) শ্রীলাইশ্রম শ্রীনিংথেমজাও সিংহ, কেন্দাত, ৭) শ্রীতোম্বী সিংহ, কেন্দাত, ৮) শ্রীক্ষেত্রিময়ুম শ্রীবাবু সিংহ তেরাকৈথেল ৯) ওয়নাম শ্রীমায়পাক সিংহ চরাংপাৎ, ১০) নিংথৌজম শ্রীগুলাপ সিংহ, হৈরোক, ১১) লাইশ্রম শ্রীতোলমুসিং, কেন্দাত, ১২) শ্রীতোম্বী সিংহ, কেন্দাত, অমসুং ১৩) শ্রীমঙ্গী সিংহ, কেন্দাত।

হায়রিবা চিন চীঙশাংদগী চুরাচান্দপুর তাগদবা লম্বীগী মায়কৈ অসোমদা হান্ননা মী তরুকসু থাজিনখি, মখোয়দুদি ঃ-

১) নোংমাইথেম শ্রীঅমু সিংহ, হুইকপ, ২) চনম শ্রীঅমু সিংহ, থৌবাল ৱাংখেম, ৩) শ্রীম্নাজাওবা, থৌবাল ৪) কোংখাম শ্রীঅঙৌ সিংহ, ৱাবগাই, ৫) শাপম শ্রীঅঙৌ সিংহ, কবো ৱাকচীঙ, অমসুং ৬) থৌরোইজম শ্রীতোম্বা সিংহ, মোইরাংনি।

শ্রীগুনা সিংহ অমসুং শ্রীমুখ সিংহনা লুচিংবা লেমহৌবা মৈতৈ মখেনে অমদি চীঙমীশিংগী লুচিংবশিংনে মৈত্রবাক-মণিপুরগী খা-নোংপোক্কী ঙমখৈদা লৈংবা চাংপান, লিবুং, খোঙকাংনচিংবা চীঙগী খুঙ্গংশিং কাদুনা সার্কেম চীঙশাং অমসুং আংপর্সু রোমদা লান কারকখি। কাংলুপ অসিদা চৎখিবশিংদুদি ঃ-

১) শ্রীগুন সিংহ, লাইরিকয়েংবম লৈকায়, ২) শ্রীলাইখুরাম মুখ সিংহ, থাঙমৈবন্দ, ৩) শ্রীলৌক্রাকপম মুখ সিংহ, কৈরাও, ৪) শ্রীঅরিবম অতোম্বাপু শর্ম্মা, থাঙমৈবন্দ, ৫) শ্রীঅমু সিংহ, কৈরাও, ৬) শ্রীনোংথোম্বম অমু সিংহ, কেন্দাত, ৭) শ্রীলাইশ্রম যুগেন্দ্র, সিংহ কেন্দাত, ৮) শ্রীবাটো শর্ম্ম, মন্দলে, ৯) শ্রীসটসেম শর্ম্মা, মন্দলে, ১০) শ্রীবামাও শর্ম্মা, মন্দলে, ১১) শ্রীসৌগাইজম খোমদোন সিংহ, কেন্দাত, ১২) শ্রীইবোতোন সিংহ, ককচীঙ, ১৩) শ্রীমাইবম থাগোই সিংহ, কেন্দাত। অসিশিংসিনি। অদুগা লুচিংবশিংগী মনুংদা য়াওরিবা লাইখুরাম মুখ সিংহসিদি থাঙমৈবন্দগী বর্মাদা চৎখিদুনা কেন্দাতদা লৈখিবনি অমসুং মফমদুদগী লান লাকখিবনি। পার্টী অসিনা চাংবোন কারকপদা বৃটিশ লান্মীশিং কিদুনা চেনখিবনি, মখোয়না খাংদা আলু ভাজা তৌরম্বা থাংথরমদে। শ্রীলামখোথাং কুকি অমসুং শ্রীওনখোথাং কুকিনা য়েক্লবগী মায়কৈদা য়াওবা চীঙমী কুকি ভি: ফোর্সশিংবু মণিপুর পার্টীদা চিংশিল্লক্লম্মী। শ্রীলামখোথাং কুকিনা চীঙমী নিংথৌশিংবু মথং মথং মণিপুর পার্টীদা চিংশিল্লকপদগী শ্রীগুন সিংহ, মণিপুরগী লুচিংবা অমসুং জাপানীজ কেপ্তেন য়ামাদা সাননা শ্রীলামখোথাং কুকিবু মণিপুর পার্টীগী ভিঃ ফোর্সকী কেপ্তেন হাপ্লম্মী। মহাকসি হৌজিক্কী চান্দেল ডিষ্ট্রিক্টকী তেংনৌপাল সব ডিভিজনগী ৱায়াং কৌবা খুন্দা মতমদুদা লৈরম্বা মীশক্নি। মতৌ অসুম তৌনা মতমদুগী মণিপুরগী চীঙমীশিংবু মথং মথং চিংশিনখি।

মণিপুরী পাওনা ইন্দিপেন্দেন্স লীগ নৎত্রগা মণিপুর পার্টীনা জাপানীজ লান্মী অমসুং ইন্দিয়ান নেস্নেল আর্মীগা লোয়ননা বর্মাদগী মণিপুরদা চঙশিল্লক্লিবসি মতমদুগী মণিপুরগী মীয়ামদা মী থাদুনা খঙহনবসি তংঙাই ফদনা তৌদ্রবা য়াদ্রবা থবক্নি। থৱাই য়োম্থোকপগী থবকসিদা শ্রীলমজাঙম কুকি অমসুং মহাক্কী নুপী শ্রীমতি হোয়াকিম অনিনা থৌদাং লৌদুনা শুগ্নু লম্বী চৎলগা তম্পাক তারগা মণিপুরগী অখন্নবা মফম

য়ৌদুনা পোৎশঙবম শ্রীতোমাল সিংহ, লাইশ্রম শ্রীকহ্নাই সিংহ, থোকচোম শ্রীঅঙৌ সিংহনচিংবদা পার্টী অসিগী চিঠি অমসুং চে-চাংনচিংবা পীদুনা পাউ খঙহনখি। শ্রীলমজাঙম কুকিসি মণিপুর পার্টীগী স্পাই মকোকনি অমসুং মহাকসু তেংনৌপন সবদিবিজনগী ৱায়াং খুন্দগীনি। মহাকপু অমুক হন্না শুগ্নুগী লমদা থাদুনা কুকি খুন শুকোমগী নিংথৌ পুরকখি। শ্রীলমজাঙমনা শুগ্নুগী লমদমদা থবক তৌবদা ডাক্তর শ্রীগুলাপচাওনা মরম খুদিংমক্তা মতেং পাংলকখি। হায়রিবা ডাক্তরসিনা মণিপুর নীঙতম্নবগী থৌরাংসিদা অখাকপা লৈতনা মহাক্না ঙমজবা থাক্তা হোৎনখি। মতম অসিদা পার্টী অসি চীঙগী খুনশিংদগী ফৌ লৌরগা য়োৎকী খাংতুপীদা শুদুনা চাবা মতম্নি। মণিপুর পার্টী অসিনা সার্কেম চীঙশাংদা কেম্প শাদুনা লৈরিঙৈদা য়েক্লবগী লমদা লৈবা চীঙমী নিংথৌশিংবু ভিঃ ফোর্স থাদুনা কৌহল্লি অমসুং নিংথৌশিং লাক্কুনা ৱারী শারে। মখোয়দুনা মাগী মাগী খুন্দগী লান্মীগী রেসন পুরক্লম্মী। অদুগা জাপানীজ গভর্নমেন্টকী রেসন থারকপদু য়ৌদদুনা খুন অতৈ-অতৈদগী ফৌ হোল্লুরগা য়োৎকী খাংতুপীনা শুম্বল ওইরগা টেলিফোন তরানা পুল্লগা উগী বেঙ্গী শাদুনা ফৌ শুরগা লানমাঙ থাবা সিফাইশিংগী রেসন হুল্লন্মী।

মণিপুর পার্টগী ভিঃ ফোর্সগী কেপ্তেন লমখুথাংনা মোম্বীদা য়েক্লবগী মওং মতৌ য়েংবা অমসুং মায়কৈ অদোমগী চীঙমী নিংথৌশিং অমদি মখোয়গী খুঞ্জাশিং মথং মথং খোমজিন্নবা চৎখ্রিঙৈদা সিহাও নিংথৌ লিমখুসৈনা বৃটিশকী ভিঃ ফোর্সকী কম্মান্দর ওইরম্বা তোক্তুনা মণিপুর পার্টীদা য়াওরখি। মহাক্কী মতেংনা আংপ্রসুগী থোংখুশাটনা য়েক্লবগী ওভরসিয়াব ওইরম্বা তোকহন্দুনা মণিপুর পার্টীদা য়াওহল্লকখি। থোংখুশাট অসি অমুক মণিপুর পার্টীগী ভিঃ ফোর্সকী কম্মান্দর ওইখি। অদুগী মতুংদা পাওয়াঙম কুকি, পাওয়াশৈ য়ুপী, লেৎখোথাং হলুংদিং, তোইতুং নিংথৌ য়ামখুলুন অমসুং চুরাচান্দপুরগী দাম্পী নিংথৌমচা লেৎখোথাংনচিংবা ময়াম চঙলকখি। মখোয়সিনা চামোন কেম্প য়ৌরকপদদি ভিঃ ফোর্সকী কম্মাণ্ডর অমমম ওইনা য়েক্লবগী মপাঙ্গল ময়েং তাহনখি। অদুগা দাম্পী নিংথৌমচা লেৎখোথাংসিদি মৈত্রবাক্কী কুকি লানহৌদা চীঙশাং লাকপা ওইবা মপাবু বৃটিশনা দণ্ডি পীখিবগী লমন খুন্নবা হোৎনখি অমসুং বর্মাগী তাউঙ্গু ফাওবা য়ৌনা চত্তুনা লান য়াওখি। হায়রিবা তাউঙ্গুগী লানফমসিদা দাম্পীগী লেৎখোথাং, লময়াংগী পলেট মতে, খেংয়োই নিংথৌ য়ামখুলুন, উখাগী সেমখোহাও অমসুং পাকাং কুকি ৫ সি বৃটিশনা ফাদুনা বর্মাগী মেনজান

জেলদা, মদুদগী ইন্দিয়াগী চিট্টাগোং জেলদা অমসুং মদুদগী কলকটাগী আইঃ এনঃ এঃ জেলদা চহি ১ গা মখায়রোম থমখি।

আংপ্রার্সুদা মণিপুর পার্টিগী কেম্প শারবা মতমদদি চীঙমী খুনশিংগী মতেং নীঙথিনা ফংখি। মসিগী মথংদা চামোন, ৱাংকু, খোংজোন, মোনজাং অমসুং য়াইফৌদা মথং মথং কেম্প শাখি। মতমসিদা অহিং অমা জাপানীজ কেপ্তেন য়ামাদা সাননা আই: এন: এ: অমসুং ভিঃ ফোর্সগী লান্মী খর পুদুনা অনাল ত্রাইবগী লম চান্দেলদা লান্দাদুনা য়েক্লবগা খর কাপ্পখি। কেপ্তেন য়ামাদা সাননা মখোয়গী চর্চ মৈ থাবদা খুঞ্জাশিং অয়াম্বা চেনখি অমসুং খুঞ্জা অমদি ফারকখি। মদুদগী নোংমনা চকপী তুরেন্দা লোং খোল্লম্বী অনাল অমা পার্টিগী ভিঃ ফোর্সনা ফারকখি। নুমিৎ নীনি থল্লগা বৃটিশ লোমগী অরোনবা পাউ পুরকউ হায়দুনা থাদোকখি। য়াইফৌ/য়াফৌদা কেম্প শারিঙৈদা বৃটিশশিংনা বোম থাদরকখি। বোম তারিবা মফমদুদগী ফুট ১০ রোম লাপ্পা ত্রেঞ্চ অমদা কেপ্তেন য়ামাদা সাননচিংবা জাপানীজ ৩, শ্রীগুন সিংহ অমসুং সিফাই খর লোৎলম্মী। মতমদুমক্তদা পলেন্দগী বৃটিশনা কাপ্লকপা নোংমৈ তোপ মরুশিংনা মখোয়গী মনাক্তা চকপী তুরেন্দা ঈতৎ তত্তনা তারম্মী, অদুগা মনীঙগী চীঙদোন্দগী গন কাপশিল্লকপনা কোমদুদগী থোকপা লুনা থোক্লম্মী অমসুং মথক্তগী এরোপ্লেন্না বোম থাদরকপা য়াবগী খুদোংথীবগী মমিসু উরম্মী। কেপ্তেন য়ামাদা সাননা আই: এন: এ: সিফাইশিংদু থনম্লগা খোংজোনলোমদা হন্দোক্লসি হায়দুনা হন্দোক্লকখি। য়াফৌদা বোম তাবসিদা শ্রীগুন সিংহগী অরু-অরুবা চে-চাংশিং, লানগী মরমদা শুগায়না ইবা ডাইরিনচিংবা কয়া মাঙখি। ভিঃ ফোর্সকী হনুখুশৈ শিখি অতৈ খর শোকখি অমসুং আই: এন: এ: গীসু খর শিখি, খরনা শোকখি। খোংজোন য়ৌরগা অরৈবা শেৎনা-খায়নদুনা লেনখি। শ্রীগুন সিংহদি চাকথোং কোন লৈতবদগী নুমিৎ ৬ ফাওবা চাক চাখিদে, উঁহে-ৱাহৈ, মনা-মশিঙনচিংবা চাদুনা লেনখি, অদুদগী ৱাংকুদা কেম্প হোংখি। অদুবু শ্রীগুন সিংহদি চাক চাদ্রি। তরুকনী শুবা নুমিৎতা য়াম খর ফংদুনা মদু লাদা তোৎলগা পাক্লম নমদুনা উতোংদা য়েনশাং থোংলগা চাখি। ৭ নী শুবা নুমিত্তা আংপ্রর্সুদা লৈহৌবা শ্রীমুখ সিংহনা কোন-লীক্লচিংবা পীরক্তুনা শ্রীগুন সিংহ চাক থোংদুনা চাখিরম্মী।

ৱাংকু কেম্পতা লৈরিঙৈদা শ্রীগুন সিংহনা ভিঃ ফোর্স পুদুনা কেপ্তেন য়ামাদা সান অমসুং জাপানীজ সিফাই ২/৩ গা চালোংখুন য়ৌনা পেট্রোল্লিং চৎলম্মী, অদুগা

অমুক মখোয়গী অনৌবা কেম্প আংপ্রর্সুদা হল্লক্লম্মী। মতমদুগী ভিঃ ফোর্সগী লুচিংবশিংদি ঃ ১) শ্রীথোংখোসাট, ২) শ্রীবেরৎ মোয়োন, ৩) শ্রীৱাংপা, ৪) শ্রীজিরাকুন, ৫) ঙমশা, ৬) লিনচুং, ৭) আংজন অমসুং ৮) হাংজির হায়বশিংসিনি। হৌজিক মণিপুর পার্টিগী লান্মীশিংদু ৱাংকু থাদোক্তুনা লিবুং খুন য়ৌরে, লিবুং খুন্দি লৈরমদ্রে, বোম তাদুনা খুঞ্জাশিং লোয়না লাঞ্জেনখ্রে। মরম অদুনা জাপানীজশিং, আই: এন: এ: গী সিফাইশিং অমসুং মৈতৈ লান্মীশিংদু চানবা ফংদবগী অৱাবা নংলে। অদুবু শ্রীগুন সিংহনা চীঙমী ভিঃ ফোর্সকী মতেংনা অৱাপ্নদগী হোল্লগা রেসন হুনখি। চীঙগী লমনিনা এনশাং ফংদ্রবদা শ্রীগুন সিংহনা লফু চাবা হৌদোক্তুনা ময়ামদু লোয়নমক লফু চাখি। জাপানীজশিংনা এনশাং খুদিংদা মখোয়গী মরোন্দা “মীশা” কৌবা ঙাংলি-ঙাংলিবা মকুপ অমা থোংবদা থাকই অমসুং য়েনশাংদু থুমসু থাক্লগা চিনিসু থাকই। জপানীজশিংনা নুমিৎ খুদিংগী শ্রীগুন সিংহনা থোংবা য়েনশাং অদু হাওই হায়দুনা য়েনশাং নীরম্মী। মৈতৈগী য়েনশাংদি মোরোক শাবনিনা জপানীজশিংদু মপী চদুম চদুম তারম্মী অদুবু চাবদি খক তোক্লমদে।

নোংমা মীনৌ খুনগী নিংথৌনা মণিপুর পার্টিগী স্পাই ৪/৫ ফারগা য়েক্লবা বৃটিশতা পীখিবদগী সার্কেম চীঙশাং য়ৌরবদা জপানীজশিংনা মীনৌ খুলগী নিংথৌদুবু থাঙনা কক্তুনা হাৎকে তৌরবদা শ্রীগুন সিংহনা মহাক্কী মরাল নত্তে, বৃটিশপু কিদুনা তৌখিবনি, হৌজিক্তি ঐখোয় লাক্লবনিনা ঐখোয়গী থবক তৌহনগনি, মহাক ঐখোয়গী মী ওইরবনি, হায়বদগী খুনগী নিংথৌ অদুগী মথৱাই কনখি। মতুংদা মহাক মণিপুর পার্টিগী থবক কয়া তৌবা স্পাই ওইখিরম্মী।

মখা তারকপা কেম্পশিং ঃ

ৱাংকুদগী আংপ্রর্সুদা কেম্প শাদুনা মতম খর অমুক লৈরম্মী। মফমসিদগী লাইশ্রম শ্রীযোগেন্দ্র সিংহ, শ্রীতোম্বাপু শর্ম্মা, হৈরোক, শ্রীগুলামজাৎ সিংহ অমসুং লৌক্রাকপম শ্রীমুখ সিংহবু স্পাইগী থবক তৌরুনবা মণিপুর তম্পাক্তা থাজিনখিরম্মী। অদুবু শ্রীতোম্বাপু শর্ম্মদি শুগ্নু য়ৌরমদায়দা ফাখিরম্মী, কৈরাও শ্রীমুখ সিংহনা ময়ুমদা থুংলবা মতমদা বৃটিশনা ফাখি অদুগা লাইশ্রম যোগেন্দ্র সিংহদি মণিপুর পার্টিগী ভিঃ ফোর্সনা থোংজাও য়ৌনা থিনবদগী ফাবা ঙমখিদে। আংপ্রর্সুদগী কেম্প অদু চামোল খুন্দা অমুক হোংলম্মী। হায়রিবা কেম্প অসিদা মণিপুর পার্টিগী ভিঃ ফোর্সকী ওফিসার শ্রী এম : আর, বাইবং অমসুং শ্রীথোংখোসাতকা শ্রীগুন সিংহগা লৈমিন্নরম্মী। হায়রিবা

মতমসিদা বৃটিশশিংনা পল্লেনগী মায়কৈদা লৈবা মিতোং খুন্নৌরোমদগী তোপ কাপ্লক্তুনা মখোয়গী মনাক্তা তাদুনা হেক হেক পোকখায়রম্মী। অদুগা সাইবোংলোমদগী জাপানীজশিংনা পল্লেনলোমদা তোপ কাপই। অদুনা কাপ্পবা অনিগী মরক্তা শ্রীগুন সিংহ অমসুং মহাক্কী লান্মীশিংনা লৈরম্মী। মণিপুর পার্টিগী মন্দলেগী বামোন মচা বামাউ শর্ম্মানা তুমুদগী এমুনিসন লৌরুবা হল্লকপদা জাপানীজশিংনা তোপ কাপ্পগী মপা য়ৌরকপদা মনাকোং য়েশিনখিদুনা ৱা ঙাংবা তাদ্রদুনা মন্দলেদা অমুক হন্না থাখি। মতম খরগী মতুংদা চামোন কেম্পসিদা মেজর সুচিমুচি সান লাক্তুনা শ্রীগুন সিংহবু মতম খরগীদমক্তা চৎসি হায়ররে, অদুগা কেপ্তেন য়ামাদা সানগসু খন্নরে। মদুদা শ্রীগুন সিংহনা মহাক্কা লোইননা ভিঃ ফোর্সকী কেপ্তেন থোংখোসাত, ২) কুৱাং নিংথৌমচা শ্রীয়ামখুলুন,৩) শ্রীসোলিম (তেংনৌপন), ৪) ঙুলতুক (তোলবুং), ৫) সোভম (মোনবী), ৬) য়ামসো, ৭) সুহেম (তোলবুং) অমসুং ৮) খেংয়োই নিংথৌ লেৎখোৱুম অসিনা সেক্সন কম্মাণ্ডরশিং ওইদুনা চৎখিরম্মী। শ্রীগুন সিংহনচিংবদুনা মফমদুদগী তুমু, মংশা তারে, মদুদগী অমুক য়াঙৌপোকপী ফাওরগা খাওশাৎ খুন য়ৌখিরম্মী।

মতম অসি খৃ: ১৯৪৪ গী মে থানি। মণিপুর পার্টিগী চৎখ্রিবা মীশিং অসিনা খাওশাত্তা মতম খর লৈরম্লগা নারুম মরিং খুন্দা কেম্প শাদুনা লৈখিরম্মী। অদুদগী অমুক কেম্প অদু কৈফমদা হোংলে। মফমসিদা লৈরিঙৈদা ভিঃ ফোর্সকী মী থাদুনা বোংলী খুনগী নিংথৌ সেময়িল কৌরুরগা মঙোন্দা বৃটিশকী ঈ-পাউ হংদুনা খঙদোক্লগা পার্টিসি বোংলীরোমদা চঙশিল্লক্লম্মী। বোংলীদা লাকপগী লম্বীদা লান কাপ্পখি, য়েক্লবগী লান্মী খর শিখি। মতুংদা মখোয় চেনখিদুনা মণিপুর পার্টিগী মীশিংদু বোংলীদা থুংখিরম্মী। বোংলীদা জাপানীজশিংনা শেল (Money) পৈশা শীজিন্নবগী থৌদাংসি শ্রীগুনসিংহনা পুখি। অদুগা বোংলী কেম্পতুদা আই: এন: এ: গী সিফাই ১০০০ (লীশীঙ অমা) রোমসু লৈরম্মী। বোংলী খুন্দা চান-থক্লবগী মতাংদা খুঞ্জাশিংদা আই: এন: এ: গী সিফাইশিংনা নম-হাদুনা তৌবদগী শ্রীগুন সিংহনা মতমদুদা কৈথেল অমা আই: এন: এ: গী লুচিংলিবা জাপানীজ কেপ্তেন নাগাউ সানগা তানদুনা লীংখৎলম্মী। অদুগা পোৎ-চৈ হুরানবা আই: এন: এ: গী সিফাই খর মমায়দা হামুক তৈশিল্লগা খুঙ্গোইনখি।

হৈরোক্লোমদা মাইন-বোম ফুম্বা ঃ

মণিপুর পার্টিগী ভিঃ ফোর্সকী মথৌনা লৈরবা কুকি লান্মীশিং, মরু ওইনা, শ্রীথোংঙম কুকি অমসুং মনাউনুপা সোলিম কুকিনা লুচিংদুনা চঙবদা লুরবা মফম কয়া চঙদুনা সিতা অমসুং হৈরোক অনিগী মরক্তা লৈবা লম্বীগী পরীংদা মাইন-বোম কয়া ফুমখি অমসুং মদুনা য়েক্লবগী গাড়ী কয়া কাপখায়খি। ভিঃ ফোর্সকী কাংবুসিনা চঙলুবা মফমশিংদুদা তিংলম্বা টৈলিফোন লাইন কয়ামরুমসু ককথৎখিরম্মী। শ্রীথোংঙমসি চংনীংপোকপী খুন্দগীনি অমসুং মহাক্না মমা অমসুং মনাওনুপা সোলিম পুদুনা চংনীংপোকপীদগী চামোন কেম্পতা লাক্তুনা মণিপুর পার্টিদা য়াওরবনি। মহাক্না বৃটিশশিংনা পায়বা লমদমদা লৈবা চীঙমী নিংথৌশিং কৌরুদুনা ফৌ-চেঙনচিংবা পুহল্লক্লগা আই: এন: এ: গী সিফাইশিংগী চীঞ্জাক হুনখি। বোংলী খুন্দা লৈরিঙৈসিদা মণিপুর পার্টিগী ভি: ফোর্সকী কেপ্তেন শ্রীথোংখোসাতনা ছুটি লৌখ্রিঙৈদা শ্রীচুখোহেন কুকিনা মকোক ওইদুনা থবক তৌখিরম্মী। মতমসিদা বৃটিশকী সেক্সন কম্মান্দর ওইরম্বা লময়াং খুনগী শ্রীপলেত কুকিনা য়েক্লবগী ফম থাদোক্তুনা মণিপুর পার্টিদা চঙলকখি অমসুং মহাকপু মায়কৈ অসোমদা গ্রুপ কম্মান্দর ওইনা অকনবা থবক পুখিরম্মী। অদুগা শ্রীদেব খুপকমনা অসাম রাইফলসগী হবিলদার ওইরম্বা তোকথোক্তুনা মায়কৈ অসোমগী গ্রুপ কম্মান্দর ওইনা থবক তৌরখি। নম্বসিগী তাংখুল খুন্দগী নী:বা তাংখুল ভিঃফোর্স ওইনা চঙলকখি। খাওশাৎ খুনগী খুলখুলেট কুকি বৃটিশকী ভি: ফোর্সকি সেক্সন কম্মান্দর ওইরম্বগী তোকথোক্তুনা মণিপুর পার্টিগী ভি: ফোর্সকি সেক্সন কম্মান্দর ওইরখি। মহাক্না বৃটিশকী কোম মনুংদা লোত্তুনা থম্বা রেসন, ফৌ-চেঙ, ঘী, চিনীনচিংবা লোয়না মণিপুর পার্টিদা কখোক্লম্মী। খোইবু মরিং খুনগী শ্রীআংসুন মরিং মণিপুর পার্টিগী ভিঃফোর্সকী সেক্সন কম্মান্দর ওইনা পুখি। বোংলী খুনগী নিংথৌমচা শ্রীনেৎখুমাংসু সেক্সন কম্মান্দর ওইনা থৌদাং লৌরখি। য়োংখুনগী শ্রীপিতন মরিং অমসুং শাইবোন মরিং খুনগী শ্রীথমরৈবা মরিংনা পাউ পুথোক-পুশিন, চে-চাং থাদোক-থাজিনগী থবকশিংগী সেক্সন কম্মান্দরশিং ওইনা থবক পুখিরম্মী।

নুঙতাক্তা য়েক্লবগা লাম্‌বা ঃ

মংশা (Mitha) দা চেনবা তুরেন রারিশানা নোংজু পান্থাগী ঈচাও লাক্তুনা ঈহৌরকপদা লম্বী চথোক-চৎশিন য়াদদুনা মায়কৈ অসিদা লাঞ্জঙলকপা জাপানীজগী অমসুং আই: এন: এ: গী লান্মীশিং চীঞ্জাক ফংদদুনা য়াম্না অৱাবা ওইখিরম্মী। অদুবু

শ্রীগুন সিংহনা ভিঃ ফোর্স থাদুনা চীঙমী খুনশিংদগী ফৌ-চেঙ পুহল্লক্তুনা অৱাবা ঙাক্নখি অমসুং মসিদা অচৌবা মতেং পাংখিবদি চাতোং খুনগী নিংথৌ, মোলহাং খুনগী অমসুং খৌশাৎ খুনগী নিংথৌশিংনি। কনাগুম্বশিংনা লুপানা মতেং পীবসু য়াওখ্রিবনি। বোংলীগী কেম্পতসু আই: এন: এ: গী সিফাইশিংগী রেসন ফংলকত্রবদা মণিপুর পার্টিগী ভিঃ ফোর্স অমসুং স্পাইশিং থাদুনা চীঙশাং চীঙশাংগী খুনগী নিংথৌশিং কৌদুনা ৱা তানরগা নুপী অঙাং ফাওবা য়াওনা চেঙ-চাক, ফৌনচিংবা পুরকখি। অদুগা য়েক্নবগী লমদা লৈবা মণিপুর তম্পাক্কী নিংঙেন কৈথেন্দগী পোৎ ফাওবা বোংলী কৈথেন্দা ফংহন্দুনা ময়ামগী অৱাৎ-অপা মেন্নখি।

নোংমা বোংলী কেম্পতগী জাপানগী হিকারী কিকান ওফিস পুবা কেপ্তেন নাগাও সান অমসুং ওইরা সান্নচিংবা ওফিসারশিং অমসুং জাপানীজ লান্মী খরগা, আই: এন: এ: গী সিফাই ওফিসারশিং অমসুং সিফাইশিং খরগা মণিপুর পার্টিগী ভিঃ ফোর্সশিং খর অমদি শ্রীগুন সিংহগী অর্দালী অমু সিংহ, অসিনচিংবনা বোংলীদগী নুঙতাক্লোমদা পুন্না পেট্রোল্লিং চৎমিন্নখিরম্মী। মতমসিদা খুন অনি (বোংলী অমসুং নুঙতাক)সি মরক্তা বৃটিশকী সিফাই ৫০ রোমগা ওক্লরম্মী অমসুং ৱা ঙাংবা তানবা মফমদা লেপ্লরম্মী। মদুদা আই: এন: এ: গী ইন্টিলিজেন্স ওফিসার অদুনা, "মখোয় ভারতমচা ঙাক্তনি, ঈমা লৈপাক নীঙতমহন্নবা লাঞ্জঙমিন্নসি" হায়না ৱা ঙাংলিঙৈদা য়েক্নবগী মায়কৈদগী ব্রেনগন অমসুং মেচিনগন কাপশিল্লকখি। মখোয়গী মায়কৈদা গোড়া সিফাই অমনা নোংমৈ কাপ্নবগী হুকুম তৌদুনা শীল্লিবদু খঙদুনা জাপানীজগী মায়কৈরোমদগীসু নোংমৈ কাপ্লকখি। অসুম্না মায়কৈ অনিমক কাপ্নখি। অহানবা ৱা ঙাংখিবা অদুগা আই: এন: এ: গী ইন্টেলিজেন্স ওফিসারদু নোংমৈনা পান্দুনা মথৱাই থাখি। লান্দু ঙাইহাক কাপ্নরবা মতুংদা য়েক্নবশিংদু চেনখিদুনা লান লেপখি।

বোংলী কেম্পতা লৈরিঙৈসিদা শ্রীগুন সিংহনা মহাক্কা য়াম্না চান্নজবা জপানীজ কেপ্তেন নাগাও সানগা লানগী মরমদা য়াম্না চীক্লা ৱারী শানখি। মহাক্লা পেসিফিক ওসিনগী লান্দা জাপানীজশিংনা মায়থিদুনা এলাইড ফোর্সকী লান্মীশিংনা জাপানগী কোনুংলোমদা চঙশিল্লকপগী হিরমশিংদা মেপ পুথোক্তুনা লমশিংদু উত্তুনা শ্রীগুন সিংহদা তাকখিরম্মী। মহাক্লা, "সেপ্তেম্বর থা (খৃ: ১৯৪৪ গী) অসি জাপানীজশিংগী অরুবা থানি অমসুং ৱাফমসি অতোপ্পা কনাদসু হায়দোক্কনু হায়না শ্রীগুন সিংহদা চেৎনা শিন্নরম্মী। অদুগা মহাক্লা অসিমসু হায়খি, মদুদি, জাপানীজ ১০ (তরা) শুনা

হিংলিঙৈদা য়েরুবা আমেরিকানা জাপান লৈপাক লৌবা ঙমলোয়" - অসিনি। অসুন্না লান তৌরি-তৌরিবা লানফমশিংগী ৱাফমসি নুমিৎ খুদিংগী মখোয় অনি ৱারী শান্নরম্মী।

জাপানীজশিংনা মণিপুরবু কোয়শিনবা ঃ

খৃঃ ১৯৪৪ গী মতমসিদা মণিপুরদা বৃটিশকী ফিভম অসি য়াম্না ফৎলমদে। ভারতকী অমসুং মণিপুরগী নীঙতম লাম্মীশিং অমদি মখোয়বু মতেং পীরিবা জাপানীজ লাম্মীশিংনা খজীক খজীক চঙশিল্লক্তুনা মণিপুরগী মায়কৈ মরিমকসি পুমকোয় কোয়শিনখি। অমসুং মপান লৈপাক্কা ঈ-পাউ ফাওনবা য়াম্না ৱাখি। মতমসি জাপানীজশিংনা তৌরক্লিবা লানগী লাল্লোং অমসুং খুজিনদা থৌরাংদি ঃ-

"বৃটিশনা অৱাং অসামগী লেদো (কোয়লা থোকফম মনাক) ফাওবা শেমখিবা লম্বী অদুগা বর্মাগী ভামোগী মখাদা লৈবা মোংয়ুগী সোরোক অমনবা ফাওবা শম্নলা শেল্লগা অমসুং লোয়ন-লোয়ননা মচিনা লৌরগা চিনাগা পোৎ-মাল হোন্দোক হোঞ্জিন তৌবদা খুদোং চানবা কন্না হোৎনরমই। মরমদি ভারত্তগী চিনা তান্না হিমালয় চীঙদোন ফুট ২৩,০০০ লান্দুনা, অয়াম্বা মতমদা মণিপুর ফাওদুনা য়াম্না ৱাংনা প্লেন্না পোৎ-চৈ হোন্নবা লম্বী (The Hump Route) অদু মচিনাগী প্লেন তাফমদগী অমুক চিনা তান্না পাইরবদি ৱাংনা পাইবগী খুদোং থীবা কোক্কনি (মথক্কীসিদা, ৯৩)।

অসিনি। মথক্কী মরম অসিনা জাপান্না বেঙ্গল-অসাম রেলৱেদা হম্প রুউকী চিনা য়ৌনা পুনবা পোৎ লৈফম ওইরিবদু থুগায়বা তারবদি মণিপুর লৌবা য়াম্না দরকার ওই। অমনা লেদোগী শমজিল্লকইবা লম্বী অদু থিংদুনা চিনাগা শন্নবা য়াদনবা নোংপোক্লোমদা সালৱিন তুরেন ৱাংমরোমদগী চিনাগী লাম্মী তাঙ্খোকপা তারমই। মনিপুর লৌবা তারবদি মরু ওইবা লম্বীশিং-মখারোমদা টিদিম লম্বী অমসুং অৱাংদা ডিমাপুর লম্বী থিংবা তাই। মরম অদুনা জাপানীজশিং অমসুং অপুনবা লাম্মীশিং অদু শমজি খায়দুনা অমনা আরাকানলোমদগী টিদিমলোমদা অদুগা অতোপ্পা অমনা উখ্রুললোমদগী কোহিমা তন্না চঙলকখিবনি। অসুন্না ফুজিল্লকপসিনা খৃঃ ১৯৪৪ গী মে ২ দদি ইম্ফাল-কোহিমাগী লম্বী থিংখিরম্মী অমসুং মে তাং ৭ তা কোহিমা লৌখিরম্মী।

খৃ: ১৯৪৪ গী মে থাসিদা ইম্ফাল অসি বৃটিশকী মরিশুবা ইন্দিয়ান কোরগী হেডক্কার্টর্সনি। মসি ফেরে-ফেরে হায়দুনা খাঙলবনি। মণিপুর তম্পাক্কী মোইরাংদগী লোকপচীঙ ফাওবসিদা অকনবা লান কয়া থেংনখি। মসিগী মনুংদা নিংথৌখোংদদি

হকথেংননা কন্না য়ান্নখিবনি। ইম্ফালগী লানফম অসিদা বৃটিশকী লান্মী ৩০,০০০ (লীশিঙ কুনথ্রা) রোম শিখি। অদুবু নোংপোক অমসুং খা-নোংপোক এসিয়াগী ময়ায় ওইবা লমদমশিংদা শোরুরিবা লানগী ফিবমশিংদা জাপানীজশিংগী ফিবম ফৎচিল্লকত্রে। চিনাগী লান্মীশিংনা নোংপোকলোমদা সালরিন তুরেন লাম্হোক্তুনা মে ১৭ তা খাচিনাগী প্লেন তাফম ফাওবা চঙশিনখ্রে। কাঠাগী লমদা ৩ শুবা ইন্দিয়ান ডিবিজন্না জাপানীজগী মরু ওইবা লম্বী ৪ (মরি) খুদোংথীহল্লম্মী, মখোয়দুদি (১) মচিনা অমসুং মন্দলেগী রেল লম্বী, (২) নিংথি/চিন্দরিন তুরেনগী খোংবান্দা লৈবা হোমালিন (Homalin)দগী ইন্দাও (Indao) ফাওবগী লম্বী, (৩) অরাংগী শান ষ্টেটশিং ফাওদুনা চৎলগা ভামো (Bhamo) য়ৌবা লম্বী অমসুং (৪) ইরাবতীদগী ভামো য়ৌবা ঈশিং-লম্বী— অসি শিংসিনি। হায়রিবা চীঙ্গাক এমুনেসন্নচিংবা পীরক্কদবা লম্বীশিং অসি বৃটিশশিংনা থৎখিবদগীদি মণিপুরদা লৈরিবা জাপানীজ অমসুং মখোয়না তেংবাংবা লান্মীশিং পুন্নমক চান-থক্লবনচিংবা পুন্নমক পুমরাৎ-ৱাৎলক্লবনি। মরম অসিনা কেপ্তেন নাগাও সান না শ্রীগুন সিংহদা বোংলীদা শারিবা কেম্প অদু বর্মাদা অমুক হন্দোকপা তারে, মতম খর লৈরগা অমুক লাঞ্জঙলকপা তারে, হায়রম্মী।

বোংলী খুন্দা অরোয়বা খোঙফম ঃ-

বোংলী খুনসিদা বোংলী খুনগী নিংথৌনা ঙমজবা মখে হোৎনদুনা রেসন পীনবা হোৎনরম্মী। অদুবু চানবা লৈশিল্লক্তবনা জাপানীজগী চাকথোংকোন হাঙ্গো (Hanggo) গী মখুম অমতমক মী অমমম্না চাগদবনি হায়দুনা লান্মীশিং অদু চাবা ৱাৎপগী লাইনা অমা পকখিরম্মী। বোংলী কেম্পসিদদি শ্রীচুঙখুহেমনা ভিঃ ফোর্সকী মকোক ওই। পলেট মটে, দেবখুকম, থোংঙম, সোলিম, মখোয়সিনা এসিসটেন্ট কম্মান্দর ওইদুনা ভিঃ ফোর্স থারগা টেলিফোন ওয়ার ককথৎপা, বোমগী লাংথাকপা অমসুং মাইন ফুমদুনা য়েক্লবগী গাড়ী মাঙহনবগী থবকশিং তৌরম্মী। অদুবু বোংলীদগী লান হন্দোকপা তারক্লবদা মণিপুর পাটীগী শ্রীগুন সিংহগী ওফিসনা ঈহান হানা হন্দোকখি অমসুং কৈকম খুল্লোমদা চৎখিরম্মী। মতুংদা অমুক হন্না লান লাক্লবগীদমক্তা মণিপুর পার্টিগী মীওইশিং, ভিঃ ফোর্সশিং অমসুং অতৈ খর বর্মা/ম্যাম্মা দা পুন্নবা থৌরাং তৌরম্মী অমসুং চৎখিরম্মী। অদুগা অতৈশিংনা চীঙয়া-তময়া অকোয়বদুদা অদুম লৈহৌবা তারম্মী।

"মণিপুরী পৌনা ইন্দিপেন্দেন্স লিগ" কী লুচিংবা লাইশ্রম শ্রীগুন সিংহগী কাংবুনা য়াঙৌপোকপীদগী মংশারোমদা লান হন্দোক্লককখি। হায়রিবসিগী লম্বী অয়াম্বা ঈশিংনা নীঙজোন য়ৌনা থুম্বা য়াওরম্মী। মংশা খুন য়ৌরবদা খুনগী য়ুমশিং অয়াম্বনা মৈ চাকখিরম্লে। মফম পুম্নমক মেচিনগন্না কাপথৎলম্বগী খুদম ঙাক্তা ফংলম্মী। অহিংদা থুংবনিনা মৈ হৌগৎলগা লম্বীদা লাকপদা ঈশিং চোৎলকপা ফিশিং অদু কংহল্লগা অহিং লেল্লম্মী। নোংঙাল্লগা খুন্দুগী মৈতে খরনা পোৎ পুবীদুনা নারক্তা চৎলগা তুমু য়ৌরম্মী। তুমু য়ৌরবদা চান-থক্লবা ফংদদুনা য়াম্না ৱারম্মী। ৱানা লান হন্দোক্লক্লিঙৈসিদা বৃটিশকী এরোপ্লেনশিং পাইরক্তুনা বোম থাদরৈ অমসুং মেচিনগন কাপরৈ। অয়ুক্কী পুং ৬/৭ অমসুং নুমিদাংৱাইরমগী নুমিৎনা চীঙয়া থাংবদগী য়াচঙ ফাওবগী মতম অনিসি নত্তনা অতৈ মতমদদি মখোয়না পুঙখায় অমগী মতম কাননদনা য়েক্লবগী এরোপ্লেনশিংগা উনদুনতা লৈরম্মী।

লান হন্দোকপগী খোঙচৎ ঃ

শ্রীগুন সিংহ, মহাক্কী মণিপুর পার্টিগী মীশিং, জাপানীজ ওফিসার খর অমসুং সিফাই খর তুমুদা লৈরিবসি লান হন্দোক্লকপগী খোঙচৎসিগী মনুংদনি। তুমুদগী শ্রীগুন সিংহগা লোয়ননা শ্রীথোংঙাম, শ্রীপলেট, শ্রীয়াংখুলুন, শ্রীঅমুসিংহ, জাপানীজ ওফিসার খর অমসুং সিফাই খরদুনা চেট্টাং (Chittang) লম্বীদা চৎলম্মী, খরনা মখা লম্বী কেন্দাত, মোলাইক তাবা লম্বীদা চৎলম্মী। তুমু অমসুং চেট্টাংগী মরক্তা তুরেন অনি লালিল, অহানবগীদি য়োৎলী তিংলমদুনা মদু পায়দুনা য়াম্না ৱানা লাল্লম্মী। অকোনবগীদুনা খেৱা (Ferry) লীংনা মাগী মাগী পার্টি নাইনা লাল্লম্মী। খেৱাদু লান্নবা হোৎনবদা মতম য়াম্না চঙদুনা নুমিত্তুগী অহিংদু লেল্লম্মী। নোংঙাল্লগা মণিপুর পার্টিগী মীশিংনা চাক থোংবা লোয়রগা চাগে তৌরিঙৈদা চাক থোংবগী মৈ হৌবগী মৈখু কাখিবদুদগী বৃটিশকী এরোপ্লেন পাইরক্তুনা বোম থাদরৈ অমসুং মেচিনগন কাপথরে, ময়ামদু কায়দুনা চেন্নৈ। এরোপ্লেন হনখ্রগা চাক্তু থুনা য়াঙনা চাদুনা চৎপা হৌরগা অমুকসু এরোপ্লেন পাইরক্তুনা হেক চেন্নৈ, প্লেন হনখ্রবা অমুক পুনশিন্নদুনা চৎমিন্নৈ। অসুম্না চীঙ কাবগী মতেক অমা য়াওবা লম্বীদসু এরোপ্লেন লাক্তুনা অৱাবা থেংনখি। চেট্টাং য়ৌরমদায়দা অয়ুক্কী চাকলেন চাবদা মীগী অশিবা মশা লৈরমদুনা মনম নমথীবনা চাবা য়ানখিদে।

চেট্টাং য়ৌরদুনা জহাজ থাংফমদগী খর লাপ্পা মফম, ৱা ঙাক্তা হৌবা লোক্লুং অমদা কেম্প শাদুনা লৈরম্মী। হায়রিবা মফম অমসুং মতম অসিদা মণিপুর পার্টিগী মীশিং অদু অনাবা য়াওরক্লে, মরু ওইনা ভিঃ ফোর্সকী মীওইশিং য়াম্না নারক্লে। মফম সিদসু চীঙ্গাক্কী মতাং অসি অৱাবা ওইরম্মী। মফমসিদা শ্রীগুন সিংহনা অনাবশিংদু চাক খর চাবা ঙম্নবা হায়দুনা লোক্তগী চেষ্টরকপা ঈশিংদগী ঙা মচামচা ফাদুনা পীজরম্মী। নাদবা মীশিংদি য়েনশাং য়াওদনা চাক ঙাক্তা চারম্মী। পৈশানা লৈবা য়াবা মফমসু নত্তবনিনা নুঙ্গায় মথক্তা হৌবা লিন-চৈশু ফুক্লগা পানা শোয়দুনা ঘীনা ঙৌরগা চানবা ফাওবা য়াওরম্মী।

চেট্টাংদগী শ্রীগুন সিংহ, মৈতৈ লান্মীশিং অমসুং ভিঃ ফোর্সকী মীওইশিংদু কেন্দততা লাক্লম্মী। মখোয়না কেন্দাত য়ৌবদা নুমিৎ ১০ (তরা) নি হেন্না চঙখি। চেট্টাংদগী পোত্থা ২ রক থাদুনা নির্ংথি তুরেনগী খোংবানগী লম্বীদা লাকপনি, খোঙনসু হিনসু চৎলি। কেন্দাত য়ৌরগা শ্রীগুন সিংহনা শীন্দুনা লুপা লীশিং অমা (১,০০০) চঙনা কোম অমা মৈতৈ খুন অদুগী নুপী অঙাংশিং অমসুং ভিঃ ফোর্সকী মীওইশিং এরোপ্লেন পাইরক্লগা লোৎননবা তৌহল্লম্মী। নোংমা নুমিদাংৱাইরমদা বৃটিশকী এরোপ্লেনশিং পাইরক্তুনা বোম কয়া থাদরৈ, মেচিনগন কয়া কাপলৈ অমসুং য়ুম কয়া মৈ চাকহল্লে। হান্ননা কোম তৌহৌবনা নুপী অঙাংশিংদু কোম মনুংদা লোত্তুনা খাঙখি। কোমদুগী ফুট ৩০ (কুনথ্রা) রোম লাপ্পা মফমদা বোম অমা তাদুনা লোৎলিবা মীশিংদুবু নুংশা থিহল্লম্মী, অদুবু অশোক-অপন্দি থোইদোক্লা য়াওরমদে। অদুগা হায়রিবা নুমিৎসিদা কেন্দাতকী অৱা/গ্রাম্মা খুল্লক্তুসু বোম য়াম্না তাখি। মী, শা-শল য়াম্না শোকখি, মী ৪/৫ সু শিখি। মৈতৈ খুনগী কোম মনাক্তা বোম তাবা অদুদা বোমনা কোমগী লৈপাক্কা লোইননা মী পুখিদুনা নিংথি তুরেন্দা থাদবদগী মী ১/২ অদুম থিবা খঙখিদ্রে। ভারতমচাশিং, মৈতৈ অমসুং গ্রাম্মা খুল্লক্তা লৈবা খর অমসুং দুকান ফম্বা খরসু শিখিরম্মী।

লাংকাউঙ কেম্প

তৌরিবা থৌদৌসিদগী কেন্দাতকী প্রজা মীয়ামদুনা মণিপুর পার্টিগী মীশিং, জাপানীজশিং অদু কেন্দাততা লাকপদগী, মদুগী পাউদু বৃটিশকী স্পাইশিংনা পীখিদুনা বৃটিশশিংনা বোম থাদররিবনি, হায়রবদা হায়রিবা মীওইশিং অসি মোলাইক কংলৈগী

তুরেন ৰাংমদা লৈবা "লাংকাউঙ" কৌবা খুন অদুদা হোংখিরম্মী। খুন অসিদা থা অমরোম জাপানীজ ওফিসার মুচি সান হায়বা অমগা লোয়ননা ভিঃ ফোর্সকী মীওই ২৫/২৬ পু জাপানীজগী লাইরিক তম্বীদুনা লৈরম্মী। লাংকাউঙ কেম্প অসিগী মনাক্তা লম্বী অচৌবা অমা লৈরম্মী হায়রিবা লম্বীসিদা মতম পুম্নমক্তা অহিং-নুংথিল নাইদনা লান হল্লকপা জাপানীজশিং অমসুং আই: এন: এ: গী লান্মীশিং মশীঙ নাইদনা চৎলম্মী। আই: এন: এ: গী অশোক-অপন য়াওবশিং অমসুং অনা-অয়েক নংলকপশিং কেম্প অসিদা শিন্নরে।

মখা তানা লান হন্দোকপা

লাংকাউঙ কেম্পতা থা অমরোম লৈরবা মতুংদা য়েক্লবা বৃটিশশিংনা নকশিল্লক্লবদা জাপানীজশিং অমসুং মণিপুর পার্টিগী মীওইশিং অদু নিংথি তুরেলগী খোংলম ইন্দুনা খোঙনা খর চৎ, হিনা খর চৎ তৌদুনা লাঞ্জেল্লম্মী। অসুম্না লাকপসিদা তাঞ্জা অমা চানরুদনা অৰাগী নোংদাই কৌবা হিজাওদুনা হোন্থরকপা মপা চানরুদুনা হিজাওসিদা ভিঃ ফোর্স ১৪-১৫ গা জাপানীজ অফিসার ১/২ গা শ্রীগুন সিংহগা তোংদুনা মখা পাংনা হোন্থরক্লম্মী। মখোয়না অৰাগী কিনরবা ঈরেন লৈবা গজেট খুঙ্গং য়ৌরবদা হি অদু তুরেনগী ঈরৈ অদুদা লৈঃ-লৈদুনা লৈরম্মী। মতমসিদা অনকপদা এরোপ্লেন পাইরক্তুনা মেচিনগন কাপ্পগী মখোন তারম্মী। ঈশিংগী ঈরেনগী ঈরৈ ময়ায়দুদা তাদুনা শিবা য়াবনিনা হিসি হোল্লিবা হিহোনবশিংদুনা চৈঙাক অমসুং নৌশিং হিনুংদা থমদুনা ঈশিংগী ঈরৈনা লৈবগী মতুং ইন্না হিদু চৎহন্দুনা লৈরম্মী। অসুম্না পুঙ ১ (অমা) রোম লৈরম্মী। ঈরৈ অমমন্না ফৌরা অমমম্মুক চাওনা উরু-উরু লৈবদুদা হিনুংদা তোংলিবশিংদু হিংবগী ৰাখল তাল্লম্মী। অদুগা হিনুংদা তোংলিবশিংদুদা অৰাশিংনা ঈশিংদা তীন শিথবীগনু, মফম অদুগী লাইনা শাওই, মদুগী মফম অদু য়াম্না লুবনি, হায়রম্মী। অদুগা মতমদু নুমিদাং ওইরবসু থাবল য়াম্না ফবনিনা য়েক্লবগী এরোপ্লেন পাইরক্লদ্রা, মমাঙদা তৌখিবগুম এরোপ্লেন্না হি কাপখায়রগদ্রা হায়নসু মিপাইনম্মী। অদুবু লাইবক ফবদগী হি অদু ঈরৈদুদগী নাম্থোক্লম্মী অমসুং অৰাবদু কোক্লদুনা হি অদু শেঙ্গাও হায়বা খুন অদুদা য়ৌরে। শেঙ্গাও খুনসিদা ভিঃ ফোর্সকী কুৰাং খুনগী য়াংখুলুন অমসুং থোংহোন কৌবা কুকি নিপা অনি নারক্লম্মী। মখোয় অনিসি মৈতৈনা "থুমচোইবা" কৌবা, মখোঙ অনিমক্তু পঙথদুনা চৎপা য়াদবগী লাইনা অদুনা নাবনি। লাইনাসি বর্মাগী য়াম্না শিগনবা , ফত্তবা লাইনানি।

মতমদুদা শেঙ্গাওদা লৈরিবা মৈতৈ অমসুং ব্রাম্মাগী মী পুন্নমক অয়ুক্কী চাক ঙন্না ঙন্না চানরগা নারক-শীঙলক্তা লোত্তুনা লৈনরম্মী। মরমদি বৃটিশকী এরোপ্লেনশিং পাইরক্তুনা নোংমতা কাংদনা বোম থাদরৈ অমসুং মেচিনগন কাপথরৈ। অদুবু য়াংখুলুন অমসুং থোংহোন্দি চেনবা ঙমদ্রে। মখোয়বু ময়াম্না থাংদুনা পুবীরম্মী। মখোয় অনিসি ভিঃ ফোর্সতা খ্বাইদগী হেন্না অঙাং ওইরিবা নহাশিংনি। অসুন্না হোৎনরিঙৈ মতমসিদা ময়ামদুগা লোয়ননা লৈমিন্নরিবা জাপানীজ ওফিসার মি: মুচি সান নাদুনা শিরে। শ্রীগুন সিংহনা মহাক্কা লোয়নরিবা মণিপুরী পৌনা ইন্দিপেন্দেন্স লীগকী ওফিসকী ওইবা লুপা ময়েক বোরা ২/৩, নোট লুপা বোরা ২, ফিরোন উপু ২ নচিংবদু হুন্দোক্তুনা চেনবা তারবদা মহাক্না জাপানীজ ওফিসকী সাহেবশিংদা পাউ মথং মথং পীদুনা মমৈথংদা জাপানীজ সাহেব অনাবা অমা লাকখিরম্মী। মহাক্না মুচি সাননা লৈখিদবদু চাবদা চেকশিন্দবদগীনি হায়বা খঙদুনা মহাক্না করিগুম্বা অমা চাবা মতমদা শ্রীগুন সিংহদা হং-হংদুনা চারম্মী।

হৌজিক শ্রীগুন সিংহ, মহাক্কী মণিপুর পার্টিগী মীশিং পুন্নমক শেঙ্গাও খুঙ্গং থাদোক্তুনা অমুক চৎপা তারম্মী। হন্দক্তি ময়ামসি হিনা চৎপা য়ারোয়দৌরি, মরমদি হি ফংলোয়দৌরি। অদুনা খোঙনা চৎপা তারি, মরমদি য়েক্নবশিংনা নোংমা-নোংমগী মখোয় তম্না নকশিল্লক্লি। শ্রীগুন সিংহনা লুপা ১০০০ পীদুনা হি মচা অমা নেক্তুনা জাপানীজ সাহেব অনাবদুগা ভিঃ ফোর্সকী অনাবা অনি অদুগা মনেৱা সহর য়ৌনবা থাদোকখ্রে। মণিপুর পার্টিগী মী ৩/৪ গা জাপানীজ অমগা ওফিসকী পোৎ শঙহৌনবা থনম্লগা শ্রীগুন সিংহনা জাপানীজ সিফাই অমগা অনাবশিং খরগা লোইননা খোঙনা চৎথবা হৌরক্লম্মী। নোংমা নিনি লৈরগা শেঙ্গাওদা থন্নম্বা মণিপুর পার্টিগী ভিঃ ফোর্সশিংসু থেংনদুনা লাকমিন্নরম্মী। মতমদুদা জাপানগী রেসন পীবা গুদাম অমা লম্বীদা লৈরম্মী। মসিদা ব্রাম্মশিংনা নোংমৈ পায়বা মীওই খর লাকহৌই হায়না জাপানীজশিংদুদা তম্বদগী মণিপুর পার্টিগী ভিঃ ফোর্সকী মীশিং অদু বৃটিশকী মী ওইব্রবোইনীঙদুনা জাপানগী গুদাউন ঙাক্লিবা সিফাইশিংদুনা লাম্থেংননবা থৌরাং তৌদুনা লৈরম্মী। নুমিদাং ওইশিল্লক্লবদা মণিপুর পার্টিগী মীশিংদু জাপানগী গুদাউন লৈরিবা মনাক্তুদা থুংলম্মী। শ্রীগুন সিংহগী পার্টিদা য়াওরিবা জাপানীজ সিফাইশিংনা মাঙ থারগা জাপানীজ মরোন ঙাংন-ঙাংনদুনা চৎলম্মী। মতমদুদা গুদাউমগী শন্ত্রীদুনা চোংথোক্লকপদা মাঙদা চৎপা জাপানীজ সিফাইদুগা ৱা ঙাংনদুনা অমগা অমগা খঙনরে।

অদুদগী তাইশিন্নদুনা অহিং অদু মফম অদুদা লেক্লে। ময়াম পুন্নমক চাক থোং-থাক্তুনা চানৈ অদুবু শ্রীগুন সিংহদি থোংফম-থাকফম অমসুং ঈশিংনচিংবগী খুদোং চাদবনা থোংদ্রে, উহৈ-ৰাহৈ খর চাদুনা লেল্লে। অসুন্না তৌবসি মহাক্কী হৈনবী ওইনা নুমিৎ ২/৩ গী মনুংদা মহাক চাক অমুক-মুক চাই। মফমদুদগী নোংঙাল্লগা অয়ুক্কী পুঙ ৯ গী অদুৰাইদগী অমুক চৎপা হৌরে। মখোয়না "য়েউ" য়ৌগদবা নুমিৎ ৪/৫ গী মতম ৰাৎলিঙৈদা "তাউঙরেন" কৌবা নীঙথিরবা চীঙলক্কী তম্পাক মচা অমদা থুংলম্মী। মফমদুদা মখোয় নুমিৎ ২/৩ লৈখি। খুন্দুগী তজী অমসুং খুঞ্জাশিংনা মখোয়গী মতেং য়াম্না পাংবীরম্মী। খুন অসি ঈশিং ফংবা ৰাই, তুরেনমচা অমা লৈরম্মী, মদুগী লৈঙোইদু খোক্তোক্লগা গুহা শেমদুনা ঈশিং লৌনৈ।

তাউঙরেন খুনগী তজীবু শনগাড়ী থৌরাং তৌহন্দুনা ভিঃ ফোর্সকী অনাবশিংদু হাপ্লগা নাদবশিংনা খোঙনা চত্তুনা য়াম্না ৰানা য়েউ সহর য়ৌরম্মী। সহরসি বোম ঙায়হাক লৈতনা থাদবনা মৈনা তুমনা চাকখ্রে। য়েউদা নোংমা লৈরগা খোঙশান্দুনা নুমিৎ ৪/৫ নি চৎলগা মনেৰা সহর য়ৌরম্মী। সহরসিসু য়েউগুম মৈনা লোয়না চাকখ্রে, অদুবু য়ুম ২/৩ খক্তি চাক্লমদে। লম্বীদা জাপানীজ গুদাউন অমা লৈ। হায়না অৰাশিংনা তাক্তুনা মফমদুদা অহিংদু লেকখি। নোংঙাল্লগা রেসন গুদাউন্দুদা লৈরম্বা মীশিংনা তাক্তুনা মনেৰাগী মখারোমদা নিংথি তুরেনগী নোংচুপ থংবা তোবর্বান্দা লৈবা শদাউঙ হায়বা মফমদুদা মিঃ য়ামদা সাননা হিকারী কিকানগী ওফিস পুদুনা লৈ হায়বা পাউ ফংলম্মী। মদুদা শ্রীগুন সিংহনা হি অমা থুনা থাবীরক্তুনা অনাবশিং লৌবীরো হায়না চেনা পাউ থাখিরম্মী, অদুগা নাদবা মখোয় ময়ামসু শদাউঙদা চৎননবা হি থিরম্মী।

মনেৰা সহর পীক্লা ফজরবা সহরনি। অদুবু নুমিৎ খুদিংগী বোম তাবনা সহর অসিগী মীশিং অয়ুক-নুংথিলগী মতমদা অমতা লৈতে, লোয়মক লৰাই-থৰাই, চীঙ মাননচিংবদা লাঞ্জেন্নখ্রে। অদুগা জাপানীজশিংনা মখারোমদা লোৎ-লোত্তুনা চত্থিবদা পুখিবদগী হিশিংদু অমুক হন্না হোনগৎলক্তবনা হি অমতা লৈত্রে। অদুনা শ্রীগুন সিংহনা য়াম্না মথৰাই ৰারম্মী। মতমদুদা অৰা নুপা অমনা মঙোন্দা হায়রম্মী - "বুজি ! ঐগী হি অমা লৈ, জাপানীজনা পুখ্রগনি হায়না কিবদগী ঈশিং মনুংদা লোত্তুনা থম্বনি, নহাক্তি কটে (মৈতৈ) ওইবনিনা হি অদু লৌবীরোয়, অদুনা নখোয়বু শদাউঙ ফাওবা ঐ থিনগে, খোঙচৎ অমদা লুপা ৫০০ (চামঙা) পীয়ু" হায়রম্মী। ৰাফমদু য়ানরে অদুগা

মী ২৪/২৫ হিনা পুবা তাবনিনা অৱা নুপাদুনা খোঙচৎ অনিরক থোকসি হায়বদগী শ্রীগুন সিংহনা অনাবা, মশা-শোনবা মখৈগা অহানবা খোঙচৎকী ওইনা বৃটিশকী এরোপ্লেন থেংনদনবা নোংঙানগদবা পুঙ ৩/৪ রোম ৰাৎলিঙৈদগী মনেৰাদগী শদাউঙ তম্না হি হোন্থখ্রে। লম্বী তংখায় য়ৌরবদা নোংঙাল্লক্লে। অদুদগী অয়ুক্কী পুঙ ৭ লোম তাবগী খর হেল্লকপা মতম, শদাউঙ য়ৌরমদায়দা এরোপ্লেন পাইরকপগী মখোন তাখি অমসুং হি অদু অশোংবা মোংশোং লৈবা মফম অমগী মনাক্তা হোঞ্জিন্দুনা লোত্তুনা লৈরম্মী। এরোপ্লেন হেন্দোকখ্রবদা অমুক হোন্থদুনা অয়ুক্কী পুঙ ৮ (নিপান) তাবদা শদাউঙদা থুংলে। অৱা হিহোনবা নুপা অদুদা লুপা ৫০০ পীরগা মনেৰাদা লৈহৌরিবশিংদু অমুক পুরক্লবা থাখ্রে। শ্রীগুন সিংহনা মণিপুরী পৌনা ইন্দিপেন্দেন্স লীগকী ভিঃ ফোর্সকী মীওইশিংগা লোয়ননা শদাউঙ খুন্দা চঙলক্লবদা মফমদুদা হান্ননা লোত্তুনা লৈরম্লবা শ্রীয়ামখুলুন কুকি অমসুং শ্রীথোংহোল কুকি অনিনা উরদুনা মখোয় অনিনা ফম্লম্বা অৱাগী য়ুমথক্তগী লাউরকখি —"অজ্জা! ঐখোয় অসিদা লৈরে। হৌজিক্তি ঐখোয় শিররোয়"। অদুগা ময়ামদু উবদা হরাউবনা মমিত্তগী মপি জর-জর তাখি।

মণিপুর পার্টিগী ভিঃ ফোর্সনচিংবগী মীওইশিংদুনা জাপানগী হিকারী কিকান ওফিসতা চঙলক্লবদা ওফিসতুদা লৈরম্বা জাপানীজ কেপ্তেন য়ামাদা সান অমসুং অতৈ জাপানীজশিংদুনা থুংলরিবা ময়াম অদুবু তরাম তরাম্না ওকপীরে। অদুগা কেপ্তেন য়ামাদা সাননা শ্রীগুন সিংহদা মহাক্না হি থারক্লবা পীরকপা চেদু নুমিত্তুদা ফংঙি, মদুগী থৌরাং তৌনরিঙৈদা মখোয় ময়াম থুংলবনা হাল্লে, হায়না হায়রম্মী। অদুগা মহাক্না শ্রীগুন সিংহদা মিষ্টর নাগাসি সানগী পাউ তাবরা হংবদা মহাক্তি (নাগাসি সানদি) - এন্দো-আইঃ বিঃ পিঃ (পেট্রোলিয়ম থাউ থোকপা/পুথোকপা কম্পনী লৈবা চীঙ অমা) গী মায়কৈরোমদা চৎখিবনি, হৌজিক্তি মহাক্কী পাউ অমতা তাদ্রে" --- হায়না খুম্লক্লম্মী। মদুদগী শ্রীগুন সিংহনা মী তংখায় অমা লাক্লে তংখায় অমদি মনেৰাদা লৈহৌরি, ৰারী কোননা শারসি, ঙল্লিঙৈদা চাক থোংদোক্লুখিগে" হায়দুনা চাক থোংননবা হোৎনদুনা লৈখি। শ্রীয়ামখুলুন অমসুং থোংঙাম, অনাবা অনিদুনা শ্রীগুন সিংহদা মখোয়গী মখল-মখা অয়াম্বা অৱাবগী মরমশিং তম্লম্মী। মখোয়নদি হৌগত্তুনা চৎপা ঙমদবনিনা অৱা মচাশিংনা মখোয়গী মপোৎ-মচৈ মুনবীবগী মরমদসু তম্লম্মী। শ্রীগুন সিংহনা, মখোয়নীগী অনাবদু শনয়ুং থক্লগা ফগদবনি, মমাঙদা ঐনা শনয়ুং থিরুরগা

নখোয়দা থক্লনবা পীবদা নখোয়না লোননা লোননা হেক হেক হৈদোকখি, হৌজিক্তি ঐহাক শনয়ুংদু থিবীগে, অমুক হন্না হৈদোক্লগনু” — হায়বদা মখোয়নসু হৈদোক্লরোয় হায়না য়াখ্রে। অদুদগী ঙাইহাক লৈরগা শ্রীগুন সিংহনা ভিং ফোর্সকী মীওইশিংবু ঈশিং লুমহন্দুনা চমোৎ-চমোৎননা লৈরিবা অনাবা মীওইশিংদু মখুৎমক্লা ঈরুজবীরম্মী। মতৌদুদা অৱা নুপা-নুপীশিং পুন্নমক্লা কুম্মৈ ওইনা য়েংনখিরম্মী অমসুং মখোয় মশেন ৱারী শান্নখি —“কটে বুজি অসি মবুক কয়াদা ফখ্রবনো, মাগী সিফাইশিংবু মচা-মশুগুন্না মখুৎমক্লা ঈরুজবীরি, কয়াদা পুকচেল চাওখ্রবনো! ঐখোয় অৱাগী ওইরবদি খর চাওবদা অমুক্বা হেন্না চাওথোক্কুনা মনাই-মশন্দা হৈ-হা লাউদনা লৈগদবনি” হায়নখি। হায়রিবা নুমিৎসিদা অনাবা মীশিংদু ফি অশূবা শেৎহনখি।

নোংমা শ্রীগুন সিংহনা জাপানগী রেসন গুদাউনদগী মশামক্কী রেসন লৌবা চৎপদা অমুক্তা উদ্রিবা জাপানীজ লেফটনেন্ট অমনা রেসন য়েন্দুনা লৈরম্মী। লেফটনেন্টসিনা অতৈ মীশিং দা পীবগুম শ্রীগুন সিংহগীদসু তৌবদুদা কেপ্তেন য়ামাদা সাননা উরদুনা লেফটনেন্ট অদুদা চঙশিল্লক্লগা খর শাওরপ্পা, খোন কল্লপনা হায়রম্মী —“আই: এম: এ: অমসুং বি: ডি: এ: ওফিসারশিংদা পীবগুম নঙনা চাং কক্কুনা শ্রীগুন সিংহ সাহেবকী মফমদা পীগদবা নত্তে, মহাক অসিনা ঐখোয় খ্বাইবু চীঙদা থাক্লকখিবনি। মহাক্তি শা-ঙা চাদে, নোংমদা চরা অমতসু চাবনি, মহাক লাক্লবদি নখোয়না মহাকপু রেসন পীগনু, গোদাউন হাঙদোক্লগা মহাক্লা পাম্বশিংদু মখুৎনা হেক হেক লৌহল্লু। ঐখোয়গী থবক পুন্নমক মহাক্লা শীল্লকপা নুপানি”। অদুদগী মহাক্লা শ্রীগুন সিংহদা, “শ্রীগুন সিংহ সাহেব! মখোয়না নহাকপু খঙজদদুনা তৌবনি, শাওবীগনু! ঐহাক্লা নঙগী ৱা পুন্নমক লোয়না তাক্লবনি। নহাক নয়াঙ য়াম্না কংলে, চরা য়াম্না হেল্লমাল্লে, হৌজিক্তি নশাদু নীঙথিনা থাকলো। ননীঙ তৌনা রেসন হেক হেক লৌবীয়ু।” হায়না হায়রগা শ্রীগুন সিংহগী মখুৎনা পায়রিবা থাউ লীক্লীদু মখুৎনা লৌরগা মদু পীক থন্না থাউ হৈরগা অমুক্কসু হায়রকখি, “মসিদা ঘী য়াওদ্রে, নঙনা লন্নাই ওইনা অৱাশিংদগী থিদুনা ঘী, শঙ্গোম্লচিংবা লৈদুনা চাও! শেন-থুম দরকার লৈবদু ঐঙোন্দা হায়বীয়ু”। মসিগী মতুংদগীদি শ্রীগুন সিংহবু উনখিদ্রিবা জাপানীজ ওফিসারশিংনসু য়াম্না লুনা তৌরম্মী।

মখা চখরকপা থৌরাং ঃ

শ্রীগুন সিংহনা চাক চানবা থৌরাং তৌবা খুদিংমক্তা চুরাচান্দপুরগী চীঙমীগী লুচিংবা শ্রীলেটখোথাংনা মতম পুম্নমক্তা ঙস্না মখৈ মতেং পাংলম্মী। মহাকসি মৈতৈলোন শেংনা থোকপা মীশক্কি অমসুং মহাক্না শ্রীগুন সিংহবু খক থাদোক্তনা শেন্নরম্মী। শ্রীগুন সিংহনা কেপ্তেন য়ামাদা সানগা মণিপুরী পৌনা ইন্দিপেন্দেন্স লীগকি তুংগী ফিরেপকী মরমদা ৰারী কয়া মরুম শান্নরম্মী। মণিপুরগী চীঙদগী বর্মারোমদা কুমথরকখিবা মণিপুর পার্টিগী মীওইশিং খরসি মমাঙদা হায়নখিবগী মতুং ইন্না মতম খর বর্মাদা লেল্লগা অমুক হন্না মণিপুরদা লান্দারক্লবগী ৰারেপ লৌনদুনা লাকখিবনি। অদুগা হৌজিক লৈরিবা মণিপুর পার্টিগী ভিঃ ফোর্সকী মীওইশিংদি ঃ—

১) লমকাং খুনগী খুল্লাকপা শ্রীঙোলয়াংতোং কুকি,

২) চংনীঙপোকপীগী শ্রীথোংঙম কুকি,

৩) ডমপী খুনগী শ্রীলেটখোথাং কুকি,

৪) মালিবুঙ খুনগী শ্রীপাজাঙম কুকি,

৫) লময়াং খুনগী শ্রীপলেট কুকি

৬) করৰাং খুনগী শ্রীয়ামখুল্লুন কুকি

৭) ফোইলেন খুনগী শ্রীহোলকোয়াম কুকি

৮) খেঞ্জোই খুনগী শ্রীয়ামখুলুন কুকি,

৯) বোংনোই খুনগী শ্রীভুংখম কুকি,

১০) চাংবোল খুনগী শ্রীওখোথাং কুকি

১১) চাংবোল খুনগী শ্রীপতোং কুকি

১২) লৈশন খুনগী শ্রীঙুলয়াথাং কুকি

১৩) উখা খুনগী শ্রীসেমখোহাও কুকি,

১৪) বোংনোই খুনগী শ্রীপাকাং কুকি,

১৫) মোলপীবুঙ খুনগী শ্রীসেমকোথাং কুকি,

১৬) ক্লাংপোলোন খনুগী শ্রীপাজাওশৈ কুকি,

১৭) তোলবুঙ খুনগী শ্রীসোলেট কুকি,

১৮) সিহাও খুনগী শ্রীজামখাই কুকি

১৯) হেময়াং খুনগী শ্রীজামগিন কুকি,

২০) হিংজাং খুনগী শ্রীথোংহোল কুকি,

২১) হেংজাং খুনগী শ্রীথোংহেল কুকি,

২২) ফাইবোই খুনগী শ্রীথোংখোগিন কুকি,

২৩) হোলকোম খুনগী শ্রীভুমতিন কুকি,

২৪) হোলকোম খুনগী শ্রীজাংঙম কুকি,

২৫) মালিবুঙ খুনগী শ্রীভুলখোলুন কুকি

২৬) সাইনোম খুনগী শ্রীথোংয়াওন কুকি,

অসিশিংসিনি। মণিপুরদা খুন্দা-লৈতারিবা মীওইশিংগী মনুংদা মরৈবাক্কীদমক্তা মথৱাই কখোকপগী মথৌ চঙলকপদা মথৱাই পীদুনা থৌদাং উৎপা ঙম্বশিংগী মনুংদা কুকিশিং অসিসু অমনি।

শ্রীগুন সিংহনা কেপ্তেন য়ামাদা সানদা মহাক মতম খর মন্দলেদা পোত্থাদুনা লৈরগা মশা থাকউখিগে হায়দুনা মণিপুর পার্টিগী মী খরদং বর্মাদা য়াওরকপা অদুগী থৌদাং শিন্নরীঙবা উত্তুনা ৱারী শাখিরম্মী। মদুদা কেপ্তেন য়ামাদা সাননা শ্রীগুন সিংহবু নুমিৎ তরানীমুক চোম্থরগা কেপ্তেন নাগাসি সাননা শদাউঙদা হেক থুংলগা মহাক্কা লোইননা মখারোমদা চৎখো, হায়রম্মী। অদুগা কেপ্তেন য়ামাদা সানসিনা — "মরক অসিদা অনৌবা চঙলক্লিবা ভিঃ ফোর্সকী মীওইশিং অসিসু ট্রেনীং পীখিগে, অদুগা নহাকসু য়াম্না থুনা হল্লকপা তাই, মরমদি নঙ উদ্রবদি নখোয়গী চীঙমী ভি ফোর্সশিংসিসু মপুক ঈরাং লাংলগনি, লান লেপ্পখিবা ঈঙাও ঙাওরগনি" হায়নসু হায়রম্মী।

লান লেপ্পখিবা

পৃথিবীগী অনিশুবা লাঞ্জাওদা জর্ম্মন মায়থীরে হায়দু না খৃ: ১৯৪৫ গী মেগী তাং ১৫ দা এলাইড ফোর্সকী লান্মীনা খুৎলাই কাপ্পা লেপখি অমসুং মেগী তাং ৭ তা জর্ম্মনশিংগী লানগী লাঞ্জিংলেন-পুরেন (ফিল্ড মার্শেল) জোডলনা ময়ামগী ওইনা লানগী খুৎলাই থাদোকপগী য়ান-চে সাইন তৌখ্রে। অসুম্না য়ুরোপ মায়কৈদদি মে

তাং ৯ দা জর্ম্মনগী কোনুং বার্লিনদা অরোয়বা সাইন তৌনদুনা লান লোয়খ্রে। অদুবু এসিয়া মহাদেশকী ওইনদি লান লোয়দ্রি। শ্রীগুন সিংনা শদাউঙদা লৈরি, মহাক্না মফমসিদা থুংলবা নুমিত্তুগী মথংগী নুমিত্তা মনেৱাদা লৈহৌবা মণিপুর পার্টিগী মীশিং অদুসু শদাউঙদা থুংলরে। অৱা হিহোনবদুদা লুপা ৫০০ অমুক পীরে, মদুদা মহাক্না মহাক্কী হি অদু জাপানীজশিংনা মুনবীদনবা লেমাৎ (পাস/পামিসন) অমা পীবীয়ু হায়দুনা হিকারী কিকান ওফিসতুনা ওফিসকী লেমাৎ অমা মঙোন্দা পীবীরগা মহাকপু চৎহনখিরম্মী। অদুগা মফমসিদা মমাঙদা হায়খিবা অনাবা কুকি মচা অনি (শ্রীয়ামখুলুন অমসুং শ্রীখোংহোন)দু, শ্রীগুন সিংহনা হীদাক-লাংথক থিদুনা অমসুং পীজদুনা হোৎনবদগী মখোয়গী অনাবদু ফখি। মখোয়গী অনাবা ফহন্নবা হোৎনবদা লুপা ৫০/১০০ পীদুনা লমজেন তান্নহনবগী থবক ফাওবা লৌখৎখি।

মতম অসিদা য়েক্লবা বৃটিশশিংনদি নোংমা-নোংমগী মখোয়না লৈরিবা মফম অদোমদা নকশিল্লক্লি। অদুগা মখোয়না লাঞ্জেনবা নৎত্রবদি অতৈ উপায়না লৈত্রবগুম তৌরি। মতমসিদা নোংমা অৱাগী শুন্মাঙ ঈকোক কোকপদা লৈবা কোম মনাক্তা শ্রীগুন সিংহনে, অতৈ অৱামচা খরনে তুম্লম্মী। মদুদা খঙহৌদনা লিন অঙাংবা পান্থোমমুক চাওবা অমা চঙলক্কুনা চীক্কে তৌরম্মী। শ্রীগুন সিংহনা কন্না লাউবদগী চীকপদি চীকহৌদ্রে অদুবু লিন অদুদি থিবা ফংখিদে ময়ামদুনা য়েংবদসু মফম মরাং খঙদনা অদুম খঙখিদ্রে। মদুদা অৱাশিংদুনা মখোয়গী লাই নাট (মৈতৈ গী উমং লাইগুম্বা) ওইরমগনি হায়না হায়নখিরম্মী। অদুগা শ্রীগুন সিংহগা লোইনরিবা বামোন মচা শ্রীশিৎশেন শর্ম্মদু মখোঙদা বোম্না শোকখিবদগী অসুম অসুম লাওথোকখিদুনা কোম শানা হন্দুনা শরু উরম্মী। অদুনা মহাকপু মন্দলেদা থিনবীরুগে হায়না শ্রীগুন সিংহনা খল্লম্মী। হায়রিবা মতমসিদা কেপ্তেন নাগাসি সান এন্দোদগী শদাউঙদা থুংলরম্মী। শ্রীগুন সিংহনা মহাক্না বারী শান্নরে। শ্রীগুন সিংহনা মহাক্না মন্দলেদা চৎমিন্ননবা নহান মখৈ ঙাইরকপা নাগাসি সান লাক্ল-থুংনরবনিনা মহাক মন্দলেদা পোথাদুনা লৈরগে হায়বদগী কেপ্তেন য়ামাদা সান্না শ্রীগুন সিংহ অমসুং কেপ্তেন নাগাসি সান অনিবু মন্দলেদা থিন্নবা থৌরাং তৌরে। শ্রীগুন সিংহনা মহাক্কী মণিপুরদা পার্টিগী ভি ফোর্স কী মীওইশিংবু কেপ্তেন য়ামাদা সানদা নীঙথিনা শিন্নরে, "কোননা মতুংদা অমুক উনরসি, মহাক মতম খর মন্দলেদা পোথারুখিগে" — হায়রল্লগা কেপ্তেন নাগাসি সানগা লোইননা মন্দলে চৎনবা জীপ গাড়ী অমা কেপ্তেন য়ামাদা সাননা থৌদুনা

খোঙশানখিরম্মী।

শ্রীগুন সিংহ কেপ্তেন নাগাসি সান অমসুং কেপ্তেন য়ামাদা সাননা নুমিৎ ৩ নি চৎলবা মতুংদা মেঞ্জান সহর য়ৌদ্রিঙৈদা নোংঙানখিরম্মী। মরম অদুনা মখোয়গী গাড়ীদু অৱাখুন অমদা থৌজিন্দুনা চাওরবা খোংনাং বট পাম্বী অমগী মখাদা থৌজিন্দুনা পল্লম্মী। খোংনাং বট অদু য়াম্না চাওবা অমসুং মশা-মরেং পাক-চাওনা শন্দোকপনা মখাদা লৈবদা মথক্তা য়েক্লবগী এরোপ্লেন পাইরকপদা এরোপ্লেন্দা তোংলিবশিংদুনা উবা ফংবা ঙমদবনা মফম অদুদা নুংথিল নুংথিল জাপানীজশিংগী পোখাফম অমসুং গাড়ী পনফম ওইরম্মী। হায়রিবা উখা অসিদা মায়কৈ অতৈদগী লাকপা জাপানীজ সিফাই পুবা গাড়ীশিংগা লোয়ননা পুন্না গাড়ী ৫০ রোম পল্লম্মী। হায়রিবা মতমসি অয়ুক নুংথিন্দদি য়েক্লবগী এরোপ্লেন লাক্কনি হায়দুনা গাড়ী অমতা চৎনদে, অহিং অহিংদদা চৎপনিনা কদায় য়ৌরে, করি লমদা থুংলে হায়বা অমতা খঙনরমদে। মফমসিদগী নুমিৎ তাবগা শ্রীগুন সিংহগী খোঙবুশিংদুনা গাড়ী থৌদুনা লাকপদুনা নোংঙাল্লমদায়গী মতমদা মখোয় মেঞ্জান্দা থুংলম্মী।মেঞ্জান্দগী মোটোর বোট তোংদুনা ইরাবতী তুরেন লাম্থোক্লগা অমুক চৎখৎলকপনা মখোয় "থদউ" সহর য়ৌরম্মী। মদুদগী অমুক লাকপনা "চাউশে", য়ৌরে, মন্দলে সহর নকশিল্লক্লে। চাউশেসিদা অয়ুক্কী পুঙ ১০ রোম তারকপা মতমদা বৃটিশকী এরোপ্লেনশিংনা তোয়না তোয়না পাইরক্তুনা মফম অয়াম্বদা বোম থাদবগী মখোল তারম্মী। অদুগা মখোয়না তোংলিবা গাড়ী অদুগী মথক্তা তোয়না তোয়না এরোপ্লেননা তান্নদুনা লৈরম্মী। খুদোংথীবা থোকপা য়াই হায়না চিংনদুনা গাড়ী অদু হৈনৌ পাম্বী-মরক্তা থৌজীন্দুনা পল্লম্মী। পল্লিবা মফমদুদগী নুমিৎ তারগা গাড়ী থৌদোক্তুনা অমুক লাকপনা নুমিৎসিগী নুমিদাংগী পুঙ ১০.৩০ দা মন্দলে সহরদা থুংদুনা "জেজেট" কৈথেলদা গাড়ী থারম্মী। মফমসিদগী শ্রীগুন সিংহনা কেপ্তেন নাগাসি সানগা লোইননা বামোন মচা শ্রীশিৎশেন শর্ম্মবু ময়ুমদা থিনবীরল্লগা মখোয় অনি মণিপুরী পাওনা/পৌনা ইন্দিপেন্দেন্স লীগকী প্রসিদেন্ট শ্রীউথোনতেন শর্ম্মগী ময়ুমদা নুমিদাংগী পুং ১১ মখায়দা থুংলম্মী। হায়রিবা মফমদুদা মখোয় অহুম অহিংদু লেকমিন্নরম্মী।

নোংঙাল্লগা শ্রীগুন সিংহ, কেপ্তেন নাগাসি সান অমসুং প্রসিদেন্ট শ্রীউথোনতেন চাক থোংদুনা চামিন্নরে। কেপ্তেন নাগাসি সাননা শ্রীগুন সিংহদা, "শ্রীসিংহ ! ঐদি হৌজিক ওফিসতা চৎলগে নোংমা-নিনি লৈরগা নঙগী য়ুমদা লাক্কে, নঙগী এদ্রেস পীয়ু"—

হায়দুনা শ্রীগুন সিংহগী লৈফম —তমী দোজী, পৌনাজু, নম্বর ১৪, পোলিস ষ্টেসন, ইরগা চৎখ্রে। অসুন্না মখোয় অহুম কায়নরগা শ্রীগুন সিংহ ময়ুমদা লাক্লম্মী। মহাক্কী লৈকায়গী মীশিংদুনা মহাক্না হিংনা হল্লকপসিদা য়াম্না হরাউনখিরম্মী। হায়রিবা অসিগী মতুংদা কেপ্তেন নাগাসি সাননা মহাক্না হায়খিবা ৱাফম ঙাক্তুনা নুমিৎ ৩ নি লৈরগা শ্রীগুন সিংহগী ময়ুমদা লাকখি। অদুগা শ্রীগুন সিংহবু মখোয়গী হিকারী কিকান ওফিসতা মরক মরক্তা লাক্তুনা ঈপাউ লৌরনবা হায়খি অমসুং বোম তাবদগী মফম হোংখ্রবা মখোয়গী ওফিসকী লৈফম খঙনবা অমসুং ওফিসতুদা অনৌবা লাকপা অমদি লৈরিবা মীওইশিংগা শকখঙনহৌনবা হায়দুনা মখোয় অনি ওফিসতু ফাওবা চৎমিন্নখি। নুমিৎ খরনি লৈরগা কেপ্তেন নাগাসি সাননা, "মহাক খর হাননা রেঙ্গুন্দা চৎলম্লগে শ্রীগুন সিংবুসু রেঙ্গুন্দা লাকউ"— হায়রম্লগা কেপ্তেনসি রেঙ্গুন্দা চৎখিদুনা মখোয় অনি কায়নরম্মী। হায়রিবা মতমসিদা লাইশ্রম শ্রীগুন সিংহসি জাপানীজশিংগী হিকারী কিকান ওফিসতুদা নোংমা লেপ্লগা নোংমা কারম্মী। মমৈদা থা অমরোম লৈরগা মহাক রেঙ্গুন্দা চৎপগী মথৌ লাক্লদুনা হিকারী কিকান ওফিসকী রেঙ্গুন্দা থাগদৌরিবা মীশিংগা চৎমিন্ননবগী থৌরাং তৌরম্মী। হায়রিবসিগী নুমিৎ ৪ নি লৈরগা শ্রীগুন সিংহনা হিকারী কিকান ওফিসতা লাকপদা লম্বীদা বৃটিশকী এরোপ্লেন্না বোম থাদরবগী খুদোংথীবা নংলম্মী। মদুদা মহাক মন্দলে কোনুংগী থাঙ্গপাৎকী উকুদা চোংশিন্দুনা লোৎলম্মী, মদুদা মহাক্কী মফি-মরোন লোয়না চোৎলম্মী। মরম অসিনা মহাক ওফিসতা চত্তনা ময়ুমদা হল্লক্লম্মী। অদুবু হায়রিবা মন্দলেদা বোম তাবগী নুমিৎ, মহাক্না ওফিস চত্তবা নুমিত্তুদা শ্রীগুন সিংহগা ওফিস চৎমিন্নগদবা ওফিসকী মীশিংদু রেঙ্গন্দা থাখিরম্মী। মরম অদুনা নুমিত্তুদা রেঙ্গুন চৎকদবদু চৎহৌদ্রে। নোংঙাল্লগা মখোয় মশেন ওফিসতা উনদুনা ৱারী শান্নরে, বোম তাদুনা ঙরাং থোকখিবা থৌদোক্তুগী মরমদা শুগায়না খঙনরে। মরম অদুনা চয়োন অমরোম লৈরগা ওফিসকী মীশিংদু রেঙ্গুন্দা থাখিরম্মী। মরম অদুনা চয়োন অমরোম লৈরগা ওফিসকী মী অমুক পুদুনা শ্রীগুন সিংহ রেঙ্গুন্দা চৎপা তারম্মী। মতমসিদদি শ্রীগুন সিংহসি নুমিৎ খুদিংগী ওফিস কারম্মী।

বর্মা লৌশিনখিবা অমসুং মায়থীবা ঃ

এলাইডফোর্সকী ১৪ শুবা আর্মী ডিভিজন্না খৃ: ১৯৪৪ গী ডিসেম্বর ৩ দা কলেৱা য়ৌশিনখ্রে। লোয়না-লোয়ননা ১৫ শুবা কোড়না মখারোমদা আরাকানদগী অকিয়াব লোমদা চঙশিনখি। লেফ : জেনরেল হিয়ুলরনা এলাইড ফোর্সকী

লাঞ্জিংলেন-পুরেন-ঙমথং ওইরে; জেনরেল ভি: আই: পি: সুলতাননা বর্মা অমসুং ইন্দিয়াদা লৈবা চাইনীজ আর্মীগী কম্মান্দর ওইখ্রে। অমসুং খা-নোংপোক এসিয়াগী লাঞ্জিংলেন পুরেন মকোক জেনরেল সার ওলিভরনা ওইখ্রে, মহাক্কী মখাদা লান্মী ডিভি জন ২০ (কুন) লৈরিবনি।

চাইনীজ আর্মীনা হাননানা মচিনাদগী মখারোমদা লান তকথরক্লিবনি। ৩৬ শুবা ডিভিজন্না মগুৱাংদগী মখারোমদা রেল লম্বীগী পরীং ইন্না চখরক্তুনা ডিসেম্বর তারিক ১৬ তা নাবা (Naba) য়ৌখি অমসুং নুমিৎসিমক্তদা চাইনীজগী ৩৮ শুবা ডিভিজন্না ভোমো লৌশিনখিরম্মী। খৃ: ১৯৪৫ গী জানুৱারী তাং ৭তা সিবু লৌশিনখি। অমসুং জানুৱারী থা অসিগী মনুংদা বর্মা-চাইনা লম্বী পায়শিনখি। অদুগা খৃ: ১৯৪৫ সিগী ফেব্রুৱারী তাং ১৪ দা এলাইড ফোর্সকী লান্মীশিংনা বর্মা মনুংদা ইরাবতী তুরেন লাম্থোক্তুনা লৈরিবা লম পুন্নমক লৌশিনখি। অসুন্না এলাইড ফোর্সনা পন্থবা তৌদনা জাপানীজশিংগী লৈফমশিং অমসুং মখোয়গী মতেং পাংবশিংগী মায়কৈদা তমশিল্লক্লে। ফেব্রুৱারী তাং ১৯ দগী না মার্চ কী তাং ৭ ফাওবদা তমথীনা এলাইড ফোর্স অমসুং এক্সিস ফোর্সগী বৃটিশ অমসুং জাপানীজশিং কাপ্নদুনা মার্চ ৭ কী নুমিৎ অসিদদি এলাইড ফোর্সকী লান্মীগী ১৯ শুবা ডিভিজনগী সিফাইশিং পৈদুনা লৈখিরম্মী। মতমসিদা শ্রীগুনসিংহ মন্দলেদা লৈবা য়াদ্রদুনা রেঙ্গুন্দা কেপ্তেন নাগাও সানগী মনাক্তা চৎকে খনখি অমসুং হোৎনখি।

বর্মাগী অৱাং থংবা শরুক্তা অসুন্না লান তৌনরিঙৈসিদা মখারোমদসু এলাইড ফোর্সনা ফেব্রুৱারী তারিখ ২৪ দা তাউঙথা (Taungtha) সহর লৌশিনখি অমসুং থাসিগী তাং ২৭ তা জাপানীজশিংগী এরোড্রোম অমা এলাইড ফোর্সকী লান্মীশিংগী মখুত্তা তাখিরম্মী। অদুগা মার্চ তাং ৫- ফাওবগী মনুংদা মেইকতিললা লৌশিনখিবগা লোয়ননা মফমশিংদুগী মনুংদা লৈবা জাপানীজশিংগী এরোড্রোম ৭ (তরেৎ) অমসু লৌশিনখিরম্মী। অসুন্না জাপানীজশিং অমসুং মখোয়গা লোইনবা আই: এন: এ:, মণিপুর পার্টিনচিংবনা খুদোং চানরকত্রবা, অমনা অমবু হন্না য়েংনবা ঙম্নদ্রবা মতমসি য়ৌরকপদা অমসুং অমনসু অমবু কদায়দা লৈরিবা, করি, করম তৌরিবা হায়বনচিংবা মফম-মরাং খঙনরকত্রবা তাঞ্জাসিদা মন্দলে সহরগী অৱাং থংবদা সহর ময়ায়দগী মাইল ৩ (অহুম) লোম লাপ্না লৈবা লম্পাক অমদা ঈখঙ খঙহৌদা অয়ুক্কী পুং ৯/১০ বোম তাবা মতমদা এলাইড ফোর্সগী এরোপ্লেনশিং পাইরক্তুনা পেরাচুতনা

সিফাই ময়াম থাদরখি। অদুগা হায়রিবা নুমিৎসিদা নুংথিলগী পুঙ২ রোম তাবা অদুৱাইদা চেৎচাতিহা পুঙ্গিজাওদা লৈবা জাপানীজ ২/৩ গা আমেরিকাগী সিফাই ময়ামগা নোংমৈ কাপ্পদুনা জাপানীজশিংদু মথৱাই থাদোকখি। অদুগা মন্দলে নানেদা (অৱাগী থায়নগী কোনুং) মনুংদা জাপানীজ ৪/৫ লৈবদুসু আমেরিকান সিফাইশিংগা নোংমৈ কাপ্পদুনা মথৱাই থাদোকখি। অসুম্না মন্দলে সহরসিগী মচি-মচি খুদিংদা জাপানীজ অমমম অনিনি লৈবদুগা তকশল্লক্লিবা আমেরিকান অর্মীগী সিফাইশিংনা লান কাপ্পখি।

মন্দলেগী নানেদা মনুংদা নোংমৈ কাপ্পখিবা নুমিত্তুগী নোংঙাল্লগা অয়ুক্তা জেয়ু কৈথেন্দা জাপানীজগা মরী লৈনরম্বা মীনি হায়দুনা ইন্দিয়ান মচা অমা য়েক্লবগী সিফাইশিংনা ৱা-লান অমতা হংদনা কাপথুদুনা শিরে হায়না শ্রীগুন সিংহদা মহাক্কী মরুপ-মপাংশিংনা পাউ তল্লরম্মী অমসুং মহাকপুসু লোৎননবা ময়াম্না য়াম্না কন্না হায়খিরম্মী। হায়রিবা নুমিৎসিদগী শ্রীগুন সিংহ মহাক্কী মরুপ লিমাউঙ শর্ম্মগী ময়ুমদা লোৎখিরম্মী। মহাক অয়ুক - নুংথিল মপান থোক্তে। অসুম্না থা অমরোমগী মতম লেল্লক্লবদা য়েক্লবশিংদুনা মথং-মথং খোঙ্গুল লীনবা হোৎনরক্লম্মী। মখোয়না থা অমগী মতুংদুদা মণিপুরী পাওনা ইন্দিপেন্দেন্স লীগ নৎত্রগা মণিপুর পার্টিগী প্রসিডেন্ট-আয়ালুজী উথোনটেনগী মফমদা চে পীরক্তুনা অমুক থিরক্লম্মী। মতমদুদা আয়ালুজীসিনা "নখোয় ময়াম ফাদুনা পীয়ু হায়দুনা চে লাকই, অদুনা নখোয় মতম খর লোত্তুনা লৈখো; ঐঙোন্দা নখোয়বু ফানবগীদমক্তা চে/য়াথং য়াম্না লাক্লে, খর তুমিন্না লোত্তুনা লৈখো"— হায়দুনা পাউ পীরকপদগী শ্রীগুন সিংহ লোত্তুনা লৈরম্মী।

শ্রীগুন সিংহনা মন্দলেদা লোত্তুনা লৈরিঙৈগী মতম অসিদদি মণিপুর পার্টিগী থবক লেপখ্রে। মসিগী ভিঃ ফোর্সকী লৈরম্লিবা চীঙগী লুচিংবশিংসু তুমিন-তুমিন্না লৈনখ্রে। ভিঃ ফোর্সকী লান্মী ওইরম্বা মীওইশিং অদুসু খুদোং চাবা তাঞ্জা য়েংনদুনা মখুন-মখুন্দা হনখিবা য়াওনরে। লান লোয়শিন্নরকপগী তাঞ্জা ওইবনা চীঙগী লমশিং/খুনশিং ফাওদোক-ফাওজিন, চঙথোক-চঙশিন তৌনবদি থোয়না অরুবা ওইনা থোক্লমদে। অদুগা খৃ: ১৯৪৫ গী মার্চকী তারিখ ১০ ফাওবগী মনুংদা বর্মা দেশকী নোংপোক্কী লমদম শান চীঙলোঙ দা জাপানীজশিংদু লান হন্দোকখ্রে।

খৃ: ১৯৪৫ গী মার্চ থাসিদা এলাইড ফোর্সকী বৃটিশ লান্মী লুচিংবশিংনা মণিপুরী পাওনা ইন্দিপেন্দেন্স লীগ নৎত্রগা মণিপুর পার্টিগী লুচিংবশিংবু ফাননবা য়াম্না কন্না বর্মাদা, মরু ওইনা মন্দলেগী অকোয়বদা হোৎনখি। মতমসিদা মখোয়না শ্রীলাইশ্রম

গুন সিংহ মোইরাংগী মাইরেনবম শ্রীকোইরেং সিংহ অমসুং পোৎশঙবম শ্রীতোমাল সিংহবু ফংলবদি ফাও, লুপা য়াম্না পীগনি হায়না য়াথং কয়া থোকখি অমসুং লাউথোকখি। অদুগা লৈঙাক্লোনগী ফম পায়রিবা অৱা লৈপাক্কী লৈঙাকলোইশিংদা শ্রীগুন সিংহবু ফানবা চে মথং মথং পীরকখি। অদুবু মখোয় খুন-খুঙ্গং পুরিবশিং, লম-লমতুপ লৈঙাক্লিবশিং অদুনা শ্রীগুন সিংহবু চান্নবা মরুপ মপাং ওইবগা মহাক্না তৌরুরিবা থবক্তু মশা মতোমতগীগা নত্তবনা খুন-খুনগী মকোকশিং-আয়ালুজী ব্রজলালা শর্ম্মা, আয়ালুজী উথোনটৈন অমসুং পুলিশকী ইন্সপেক্তর ওইবা খুন অদুগী বামোন মচা গোপীশ্যামনা মহাকপু ফাদনবা শীনবদা নত্তনা মহাকপু লোৎহন্নবা হোৎনবদা মতেং পাংলম্মী অমসুং মহাকপু লোৎপীরম্মী। মতৌ অসুম তৌনা শ্রীগুন সিংহনা খৃ: ১৯৪৮ কী আগষ্ট ১৫ (তরামঙা) ফাওবা মন্দলেদা লোৎলগা থা অসিগী মনুংদা মন্দলে, বর্মা থাদোক্লগা মণিপুরদা লাক্কুনা ময়ুম লাইরিকয়েংবম লৈকায়দা নুমিদাংদা থুংখিরম্মী।

ম্যান্মারদা মণিপুরীশিংনা খুন্দাবগী পুৱারী

Indo-Myammar Cultural Relation 9-11 March 2012 at Moreh.

ম্যান্মারসিবু মৈতৈশিংনা "অৱা" লৈপাক হায়না অমসুং লৈপাকসিগী মীশিংবু অৱা খঙনৈ। অদুগা অৱা লৈপাকসিদা কবো নত্রগা শানশিংসু লৈপাকসিগী অৱাং থংবা শরুক্তা খুন্দাদুনা লৈরকই। শানশিংসিবুসু মৈতৈশিংনা (হৌজক্কী মতমদদি লৈবাক অমতগী মীওইশিং ওইবনা) অৱা হায়বসিগী মনুংদা চনশিন্দুনা খঙনৈ। অৱা অমসুং কবোশিংগী তোংঙান-তোঙানবা পুৱারীশিং লৈনৈ। খৃষ্টগী ১৭-১৮ শুবা শতাব্দশিংগী মতমদগীদি অৱা, ম্যাম্মা, ম্রাম্মা নত্রগা বর্মীজশিংনা ম্যান্মারদা লৈবা/খুন্দাবা কাংলুপশিংবু মখোয়গী মখাদা থমদুনা অপুনবা জাতিগী মমিংনি বর্ম্মীজ, ম্রাম্না/ম্যাম্মা হায়বসিনা ওইরকখিরম্মী। লৈপাক অসি হৌজিক্কী পাক চাওবসি স্কার কিলোমিটর ৬,৭৬,৫৭৮ নি অমসুং হৌজিক্কী কোনুংনা য়াঙ্গোন/রেঙ্গুন সহরনি [R.A. 2007,140]। অৱা লৈপাকসিগী লমখৈ-ঙমখৈদি মখোয়গী পালখিবা নিংথৌশিংগী মতীক-মথৌনাগী মতুং ইন্না পাকথোক-চাওথোকপা অমসুং পীকশিন-চেংশিনবা নাইনা পুৱারীগী মতম তাংককশিংদা চৎলি।

ম্যান্মারদা মৈতৈশিংনা খুন্দা-লৈতাবগী পুৱারী

ম্যান্মার, মণিপুর/মৈত্রবাক্কা হেক যুমথংননা অৱাং-নোংপোক, নোংপোক অমসুং খা-নোংপোক্তা কোয়শিন্দুনা লৈরিবা লৈপাক্নী। পুৱারীগী মতমশিংদা মৈত্রবাক্কা লৈপাকসিগা লৈঙাকলোন, খুন্নাইলোন অমসুং শেন্দ-শেনচৎলোনগী লমদাংশিংদা য়াম্না নক্নবা মরী লৈনৈ। লৈপাক অনিসিগী পুৱারীগী মমাঙগী মতম অমসুং অঙনবা পুৱারিগী মতম তাংককশিংদা লৈপাক অনিসিগী লৈনরম্বা মরী অমসুং অনিসিগী মীওইশিংনা চঙথোক-চঙশিন, খুম্থোক-খুন্দানচিংবা তৌনরম্বগী ৱাফমশিংসি ইন্টর্নেসনলগী থাক্তা অইবা ৱারোল নত্রগা আর্কিওলোজিকেল ইভিডেন্স ওইনা পুথোক্নুনা লৈত্রি। মণিপুরগী মায়কৈদগীদি মণিপুরগী অঙনবা মতমগী খুম্থোক-খুন্দা

হিংনবগী লানদা মীওইবনা ঈশা কোমনা অমসুং নুংঙাইনা হিংননবগীদমক্তা য়ুম পানবদা লায়নবা অনৌ-অনৌবা পোৎলমশিং পুথোক্তুনা শীজিন্নরকপা ঙাক্তনি। মসিদা অফবা অমসুং লায়না থোক্কদবা পোৎলমশিংদু লৌদুনা শীজিন্নরকপদা অনৌবা পোৎলমশিংনা অরিবা পোৎলমশিংগী মথক থংনখিবা ঙাক্তনি, অদুবু অরিবা পোৎলমদু লৈরক্লবগী অমসুং পুথোক্লক্লবগী মরূনি অমসুং মরমনি। মরম অসিনা অমনা অমগী মতৌ তম্নবনা কাংলুপ অনিগী মরী লীংখৎনবগী পোরম্নি, পরম্নি অমসুং লীখুন্নি। মৈতৈ অমসুং ম্রান্মাগী মরী অসি অমনা অমগী মতম চুপ্পগী য়েক্লবা ওইবদুগুম অমনা অমগী মতম পুম্বগী চান্নরবা মরুপ্নি। পুম্নমকসি মতম-মতমদুনা পুরকপা থৌদোক-ৱাথোক্কী মহৈনি, মীওইবনা থোকহন্নীঙি হায়দুনা থোকহনবা নৎত্রগা ওইহনবা য়াবা নত্তে।

ৱাখোম-ৱারোয়

মৈতৈ/মণিপুরী অমসুং ম্যান্মা/ম্রান্মা অনিগী নুংশি-চান্নবগী মরী অসি কাংলুপ অনিসিনা হেক খঙনরকপদা য়েংথী-য়েক্লবা ওইনা হৌরক্লবসু মীওইবগী থম্মোয়নুংদা লৈরিবা মীনুংশি হায়বসিনা ঈহৌরকপা মতমদা অমনা অমগী মতেং পাংনদুনা হৌরকখিবনি। ম্রান্মাশিংবু বৃটিশনচিংবা য়ুরোপ মচাশিংনা "বর্মা/বর্মাহ, বর্মীজ" অসিনচিংবা মমিংগা খঙনরিবসি "ম্রান্মা/ম্যান্মা" হায়বসি খোঙ্থোক চুন্না হায়দোকপা ঙমদবদগীনি, মসিগী খুদম্না "মোম্বাই" বু বোম্বাই, বোম্বে" হায়রিবা নৎত্রগা হায়রম্বা অসিনি। কাংলুপ অনিসি লাইনীঙ, লাইনীঙলোন অমসুং লাইনীঙ-লাইশোন তীন্নদ্রবসু অতৈ মচৎ-মনাৎশিংগী পরীং অমসুং পরেংদা য়াম্না মান্নবশিং লৈ। মৈতৈনা অহানবা শকখঙ-মায়খঙনবসি কবো (শান/Shan) নি, অদুবু কবো অমসুং ম্রান্মা অনিসি কাংলুপকী ওইনা খেন্নরবসু হৌজিক্কী মতমদা লৈপাক অমতগী কাংলুপ অমতগী ফিরান মখাদা লৈমিন্নরিবনিনা ম্রান্মা নৎত্রগা ম্যান্মা হায়রগা ম্যান্মার লৈপাক্তা লৈবা মীশিংবু খঙনগনি হায়বা ৱাফমসিদা থাজবা থমজরি।

কাংলুপ অনি নক্লরবদি, তীন-তোৎনরবদি অমসুং লোইন-চান্নরবদি অমগা অমগা মচৎ-মনাৎ, লৌনবনিনা মৈতৈনা ম্রান্মাদগী তম্বা অমসুং ম্রান্মানা মৈতৈদগী তম্বা, মতৌ তম্নবগী মচৎ-মনাৎ কয়া মরুম লৈনরি। মৈতৈনা হৈতবা কিয়োং/ক্যাউঙ (Kyaung) গী লাইশঙ শাবদ্ ম্রান্মা নুপা অমা লাক্লগা তম্বীররি, ম্রান্মানা হৈফাত্তবা পাঞ্জিগী মহৈ মশিঙদু মৈতৈগী ব্রাহ্মন নৎত্রগা কনক/গনক (Mathematician or Astrologer) চত্তুনা তম্বীরুরি। অসুম্না হিরম কয়ামুক্তা কাংলুপ অনি অমগা অমগা মরী লৈনরম্বা, লৈনখিবা অমসুং লৈনরিবগী মরমশিং মথক্তা খর মখৈ থমজখ্রে। অদুগা হৌজিক হৌজিক ম্যান্মারদা লৈরিবা মৈতৈশিং অসি ম্রান্মা কাংলুপকী মনুং চনবনিনা কাংলুপ ফিজেত্তা লুঙ্গী (Lungyi) শেৎলি, অদুগা মণিপুরদা লৈবা মৈতৈনা কাংলুপকী ফিজেত্তা ফৈজোম (Dhoti) শেৎলি হায়রিবসি লৈরুবা লম লমদুগী চৎনবী অমসুং ৱায়েন্না পুন্দুননি অমদি ম্যান্মা অমসুং মৈতৈ অনিগী লৈনবা মরীননি।

পুন্নমক ম্যাম্মাররোমগী খুন্থোক্লকপা ওইনা ফংই। খুদম ওইনা, পোইরৈতোন্না খুন্থোক্লকপগী ৱাফমসিনি। [মো:চ:ম: ১৯৭৯, ৪-১৫]।

ম্যান্মারদা মৈতৈনা খুন্দাবা হৌখিবা

পুৱারীগী ওইনা খুদম-চাংদম নত্রগা অইবা ৱারোলগা শাগোন্ননা ম্যাম্মারদা মৈতৈ নত্রগা মৈতৈশিংগী মপা-মপুশিং খরনা খুন্থোক-খুন্দাদুনা লৈবা হৌখিবগী ৱাফমসি মৈদিংঙু থাঙৱাই নিংথৌবা, মান্নবা মিংদা মৈদৈংঙু শেনবী ক্যাম্বা (খৃ:১৪৬৭-১৫০৮)গী স্নাহাক্তক্কী খৃ:১৪৭০ দগী ফংই। মসি মহাক্কা ম্যান্মারগী লমখৈ মনুংগী মোগাউঙদা পানবা পোং নিংথৌ চৌফা খেকখোম্বা নত্রগা, সাও/চাও-ঙান-পা (Sao-Ngan-Hpa) [P.G.1968,184-86, স:ম:খু:খুৎ: লাই: & R.B.P.,1998,113-14]গা লাল্লোইনবা ওইদুনা ক্যাং-খমপাৎ লান্দামিন্নরগা লান ঙম্মদুনা লম য়েন্নবা অমসুং মাগী মাগী মচৎ-মনাৎকী ওইবা পোৎলম-চৈরম অমসুং মী-পোং শিন্নবগী লমদাংদগীনি। মসিগী ঈপাউদি ঃ—

শকাব্দ ১৩৯২ (খৃ:১৪৭০)দা মৈদিংঙু ক্যাম্বনা ক্যাং ঙমগে হায়দুনা খারি চীঙখোঙদা শন্দং অমা ঈরাৎলে। কবো ক্যাং ঙমএ। মৈদিঙু ক্যাম্বগা পোং নিংথৌ চৌফা খেকখোম্বগা লানলোইননা... ... ... কবো ক্যাং খম্পাৎ নামিন্নৈ।... পোং নিংথৌ চৌফা খেকখোম্বগী মনাই লাকৱান পেরে খোংবগা মৈদিংঙু ক্যাম্বগী মনাই শেক্তা পুংয়ৈবগা সিন্নৈএ। মৈতৈগী মহৌ ৱাংবী শুম্বগা কবোগী চাপাক তে.তে কৌবগা লম য়েন্নৈএ [চৈথা: কুম: ২০০৪,১৯]।

অসিনি। মসিদগী মৈদিংঙু ক্যাম্বগী মনাই শেক্তা পুংয়ৈবসি পোং লৈপাক হায়বদি, হৌজিক্কী মোগাউঙ সহরদা কোনুং ওইবা পোং [মাও-শান নত্রগা টাই মাও (Mao-Shan on Tai-Mao)] লৈপাক্তা হায়বদি অৱাং থংবা ম্যাম্মারদা পুখিদুনা খুন্দা-লৈতাদুনা লৈখিবনি। অদুগা মহাক্কা শিন্নবসি লকৱান পেরে খোংবদমক হায়না পীরিবসি নোংপোক হারমলোন অমসুং সরাবেন মচা খুনকুম্বা (The Shan manu script referred by R.B.Pembertor in his book on page 108) নত্রগা কবো মৈতৈ লময়েন লাইরিক্তদি পোং নিংথৌনা মৈতৈ নিংথৌদা থৌদোকসিদা পীরম্বা মীশিংদি ঃ

১) লৌতাসেং কৌবা নুপা অসিনা লাইরিক্কী শীন তৌন-ও।

২) তৌখোক্লাং কৌবা অসিনা সনা থাঙ খন্ন-ও।

৩) চা হো-সেন কৌবা অসিনা মনা তা খন্ন-ও।

৪) তৌতারুবা,

৫) হংখু,

৬) তৌঙাইথোং,

৭) লাংথালোই,

৮) লারোং,

৯) তৌপ্রেং,

১০) তৌখুল্লীক,

১১) হেমতৌ চেং,

অসিশিংসিনি। মরম অসিনা মৈদিংঙু ক্যাম্বনা শেক্তা পুংয়ৈবসি মতোম্‌তা পীরল্লোয়, মখোয় ৫/১০ পীরমগদ্রা খঞ্জে।

মৈতৈ লাইরিক থাঙলোন-থাঙচত্তা— পাখংপনা লৈসুক লৈশোয় য়ামপীক লিলানপীকা ২ম পায়খুতা থাঙ কায়রেম্পা পীতুনা মায়কৈ ঙাকও সিখিএ। পোংতা পীখিপতি তরুং থাঙকা চৈশু থাঙকা ২মনে [ন:খ:ম:, ২০০৪,৫]। অসিনি। মসিনা তাক্লিবদি পাখংবগী মচা পোংসি থাঙ ২সি পুরগা পোং লৈপাক (মথক্তা পনখিবা) তা নোংপোক মায়কৈ ঙাকপা ওইনা খুন্দাখী হায়বনি। ৱাফমসিগী মতীক চাবা ৱাপাং অমসুং খুদম-চাংদম্না মপুং ফানা লৌগৎপা ৱারোল, ঈ-পাউনচিংবা লৈতবনা ৱাফমসি থাদোকচরল্লে।

মতুং তারকপা খুন্দা লৈতা

মণিপুরীশিংনা ম্যান্মারদা খুন্দাবগী অহানবা থৌদোকসিগী মতুংদদি য়ুমলোন্নবা লৈপাক্লিনা ম্যান্মার লৈপাকসি, মরৈপাক মণিপুরদা লৈবা য়াদ্রবা নিংথৌচাশিংগী চঙজ-থুপচফম নত্রগা চঙজফম লৌফম ওইবা লৈপাক অমা ওইরে। মদুগী অহানবা খুদমদি মৈদিংঙু চীঙখোঙ লমগাই ঙম্বা (খৃ: ১৫১২-২৩)নি। মহাক মৈদিংঙু ক্যাম্বনা শিবা মতমদা মনাউ নুপা কোইরেম্ব (খৃ:১৫০৮-১২)না খুৎ কন্নবা হেনখিবনা নিংথৌ ফম্বাল লৌখ্রবদা মহাক মণিপুরদা লৈবা য়াদদুনা চহি ৪রোম তম্পাক ম্যান্মারদা খুন্দাদুনা লৈখি। মদুদগী মহাক্কী মমিং চোইনৌ সনা কবো খমপাম্বা হায়বসি কৌখি [ও:ভ:স,

১৯৬৭,২৪০]। মসিদা "খম" হায়বসি কবো/শান মরোন্দা সনাবু খঙনবা ৱাহৈনি [মথক্কীসিদা, ২৪০]। মৈদিংঙু চীঙখোঙ লমগাই ঙম্বসি চহি ৪(মরি)দং ম্যান্মারদা খুন্দা-লৈতারুবনি। অদুবু নিংথৌ সিংহাসন মুন্নবগী ঈরাংসিনা কনখৎলক্লবদা নিংথৌ ফম্বালগীদমক্তা লানহৌবদা অঙম্বনা নিংথৌ ওইহৌরগা ঙমদবশিংনা অৱা লৈপাক্তা চঙজফম লৌবদগী হেন্দোক্তুনা ময়ুম ঈংখোল লীংদুনা খুন্দানবশিং য়াওরকখি। হায়রিবসিগী খুদমদি ঃ-

... চান্দম চীঙশোংগী কুম শক ১৬৭০ শাজিবু থানীননোং থাঙজদা শঙ্গোইতাবা ভরত শাইনা নিংথৌ ওই। কোনোক কোংয়াম্বগী কুম শক ১৬৭৫ হিয়াঙ্গৈ থা (Nov-Dec, 1753 A.D) ২০ নিংথৌকাবদা মৈতেংঙু মরাম্বনা ফম্বাল কায়এ। নিংথেম শঙ্গোইতাবদি অৱারম তাম্থোকএ। [চৈথা: কুম:, ২০০৪,১২০-২১]

অসিনি। হায়রিবা ভরত শাইসি মণিপুরদা অদুম হল্লকখীদ্রবনি, ম্যান্মারদা অদুম শিখ্রবনি। মহাক্কা মহাক্কী ময়াম্বা নন্দশাই অমসুং মচা-মশুশিং ম্যান্মারদা অদুম্মক লৈখ্রবনি [মথক্কীসিদা, ১২৫]। অসুম্না নিংথৌমচা লানহৌবশিংনা অৱাদা লৈখিবসিদা খ্বাইদগী হেন্না অৱাদা মমিং লৈখিবসি মৈদিংঙু মধুচন্দ্রগী মচা য়ুমজাও তাবা নত্রগা পিতম্বর সিংহ(খৃ:১৮২১) নি [মথক্কীসিদা, ২১৯]। মহাক ম্যান্মারগী পুৱারীগী মতমগী নিংথৌশিংনা লীংখৎপা মৈতৈ শগোল লান্মীগী লাঞ্জিংলেন ফাওবা ওইরম্মী। হায়রিবা ম্যান্মার নিংথৌশিংনা লীংখৎপা মৈতৈ শগোল লন্মীগী মতাংদা পীরম্বদি ঃ—

... The Burmese monarch enrolled Manipuris into his army in the Cavalry Corps, When, Alaung paya invaded Siam, he had 500 Manipuri horsemen [N.I.S., 1976,134] .

অসিনি। অলাউঙ পয়া (খৃ: ১৭৫৪-৬০) হায়বসি ম্যান্মারগী কোনবাউঙ নিংথৌ-শাগৈ (খৃ: ১৭৫৪-১৮৮৫) লীংখৎলম্মিবা অমসুং শাগৈসিগী অহানবা নিংথৌনি। মহাক মশামক মণিপুরদা খৃ: ১৭৫৯দা লাক্লম্মী [C.B.A., 1987,305 ১সুং চৈথা:কুম:২০০৫,১২২] । মহাক্কী মৈতৈ-মচা শগোল লান্মী ৫০০ লৈরবদি মহাক্কী মতমদা ম্যান্মারদা মৈতৈ মচা শগোল-লান্মী খক্তগী ঈমুংগী ওইনা মী ২,৫০০দি খুন্দা-লৈতাদুনা লৈরে। মসিদা অতৈ হিরমশিংদগী লৈবা মীওইশিংগী মীশীঙগা পারগা য়ামদ্রবা মৈতৈ ৪,০০০ রোমদি খৃ: ১৭৫০গী অদুৱাইদা ম্যান্মারদা খুন্দা-লৈতাদুনা লৈরে হায়না পাবা য়াই।

মীশীঙ য়াম্না য়াম্না খুন্দারকপা

ম্যান্মারদা মৈতৈ মশীঙ য়াম্না য়াম্না খুন্দাবগী থৌদোক অমসুং থৌওং থৌদৌশিংসিদি মণিপুরগী চহি তরেৎ খুন্দাকপা (খৃ: ১৮১৯-২৫) ননি। খুন্তাকপসিনা ম্যাম্মা/ব্রাম্মাশিংনা মৈতৈশিংবু লানফা(War Captive/Prisoner)ওইনা পুশিনখীবশিংদু মখোয়না মখোয়গী লৈপাক্তা খুন্দাহনখি। অসুম্না মণিপুরীশিংবু লানফা ওইনা ম্যাম্মারদা পুশিনখিবগী ঈ-পাউশিংদি ঃ—

১) ... ...ৱাকনবা হরিগী কুম শক ১৭৪১... ফাইরেন থা... ১০নি লৈপাকপোকপা (খৃ:১৮২০গী জানুৱারী ২৫)দা পাখানৱোন কানেউন ২ মগী লৌনম্না... ঈবুংশী জয়নচিংবা মৈতৈ লাখা৩ কা পুশিনখিএ [মথক্কীসিদা, ২১৬]।

২) ... ...মোইরাং খেলেম্বগী কুমদি শোক ১৭৪২... ফাইরেল থা... ৯নি লংমাইজীঙ (খৃ: ১৮২১ ফেব্রুৱারী ১১)দা কনেউন ... পাখানউন ২মসুং মৈতৈ লাখ ৩ পুদুনা অৱা চঙখিএ। [মথক্কীসিদা ২১৮]

অনিসিদা লাখ৩/৩ হায়রিবসি, খর হেঞ্জিন্না হায়বনি হায়না লৌরগা য়ামদ্রবদা পুন্না লাখ ২/৩দি চহি তরেৎ খুন্তাকপগী মতমদা অৱাশিংনা ফাদুনা পুশিখ্রগা মখোয়গী লৈপাক্তা মীনাই নৎত্রগা লান্মীনচিংবা ওইনা খুন্দাহনখী। মৈদিংঙু গম্ভীর সিংহ (খৃ: ১৮২৫-৩৪) না মহাক্কী সেনাপতি নরসিংহগা লোইননা খৃ: ১৮২৬ দা মণিপুর অৱাদগী হন্দোক্লবা মতুংদা কবো তম্পাক মরু ওইনা শমজোক [Thangdut/ Hsawnghsup (24.43N, 94.42E.)] অমুক হন্না লোই চনবগী মতমদা অৱাশিংনা ফাদুনা থম্লম্বা মৈতৈ ৩০০ (চহুম) অৱাগী মখুত্তগী কললকখি। [গ:শ;xxx,৪৮]। অদুগা মতুং তারকপদা মীশীঙ ১০০০/২০০০ য়ৌনা অৱানা ফাদুনা পুখিবদু মৈত্রবাক্তা অমুক হন্না পুরকখি [ব:ক:শ:, ২০০৯,১৫২]।

ম্যান্মারদা মৈতৈ লানফাশিং অদুনা অৱা নিংথৌগী প্রজা ওইদুনা মখোয়গী খুনশিংবু শকখঙদুনা চহি তরেৎ খুন্তাকপা মতুংদগীদি চখরে। হায়রিবা ৱাফমসি অহুমশুবা এঙ্গো-বর্মীজ ৱার, ১৮৮৫-৮৬কী মতমদা বৃটিশ পোলিটিকেল এজেন্ট জোনষ্টোননা হায়জবদগী মণিপুরগী জেনরেল বলরাম সিংহনা মৈতৈ সিফাই ৪০০ খোংজাই সিফাই ৫০০ পুন্না সিফাই ৯০০ পুদুনা কেন্দাৎ (Kindat হায়না হৌজিক) তা বৃটিশ মচাশীং কনবা জোনষ্টোনগা মহাক্কী বৃটিশ সিফাই ৫০গা লোইননা খৃ:১৮৮৬

কী জানুৱারীদা চৎপদা কেন্দাত্তা মৈতৈ খুন চাওনা লৈরম্বা থেংনখি। মদুগী মরমদা ডোনষ্টোন্না ফংবা ঈ-পাউদি ঃ

... The site of Kendet was very picturesque situated on the high left bank of the Chindwin... Below the town was a large Manipuri village, inhabited by the descendants of captives taken on the war of `1819-25 [S.J.J.,1990,250].

... December 29, the air was full of rumours, and some of the Burmese Manipuris, I have just allowed to plied my Manipuris with all sorts of stories, of a rising against us on the part of the Burmese. These stories had a great effect on the Manipuri's and they displayed so much unsteadiness, and at the same time such gross carelessness, that I determined to recross the river [ibid, 252]

অসিশিংসিনি। অসুন্না ম্যান্মারদা খুন্দাবা মণিপুরীশিংসিনা ম্যাম্মাশিংগী মীচঙদা লেপ্তুনা বৃটিশশিংবু মৈতৈ/মণিপুরীশিংনা মতেং পাংদনবা, শৌগত্তনা থবকশিং তৌরক্লিবসিনি। থমজরিবা ৱাফমসি কেন্দাৎখক্তগী ৱানি। মৈতৈশিংনা খুন্দারিবসি ম্যান্মারগী কোনুং য়াঙ্গোন্দসু বেঙ্গুন কৌবা মৈতৈ লাক ৩/৪ তাবা খুঞ্জাও অমা লৈ হায়না তাকপীরম্মী। অতৈ মফমশিং মংসা, মন্দলে, ভামোনচিংবদসু মণিপুরীশিং খুন্দাদুনা মমাঙঙৈদগী হৌজিক ফাওবা লৈরিবগী রিপোর্ট/পাউ ফংজৈ।

ৱারোয়শিন

মথক্তা থমখ্রিবা ৱাফম খরসিনা ম্যান্মারদা মণিপুরীশিংনা খুন্দাবগী ইতিহাস অসি মপুঙ ফাবা নত্রগা মরীক চুম্বা নত্রি। হেন্না কুপ্না থিজিন-হুমজিনবা অমসুং য়েংশিনবগী মথৌ তারি। লাই-তীনগী নত্রগা লাইওই-তীনওইবা ৱারীশিং অমসুং শাজিন ৱারীশিং থাদোক্তুনা পাৱারীগী পরম অমসুং পরীংদা ৱায়েন চুম্না চঙশিনবগী মথৌ চঙলি। হৌজিক ফাওবগী ওইনা ফংলিবা মৈদিংঙু শেনবী ক্যাম্বগী স্নাহাক্তক্তগী মণিপুরীনা ম্যান্মারদা খুন্দাবা হৌখিবগী ৱাফমসিদগী হেন্না ঙনখৎনবগী মচাকশিং লৈরমখিগনি হায়না থাজজৈ। অদুবু ম্যান্মারদা মৈতৈ খুম্হোক-খুন্দা অচৌবদি চহি তরেৎ খুন্তাকপ (খৃ: ১৮১৯-২৫)গী মতমসিদগীনি হায়বদি লাল্লরোয়দ্রা হায়না খঞ্জৈ অমসুং বৃটিশ মচাশিংগী ৱারোন্নসু মসিবু শৌগত্তুনা লৈ। অদুগা মণিপুরদা অঙনবা মতমদা খুম্হোক্লকখিবশিংসি ম্যান্মারদগী নৎত্রগা ম্যান্মার লৈপাক ফাঙুরগা খুম্হোক্লকখিবা ঙাক্তনিনা মণিপুরদগীসু খর মখৈদি ম্যান্মারদা চৎলমগদ্রা খঞ্জৈ। মরমদি মণিপুরগী

পাৱারীগী অথেংবা মতমদা মৈতৈ মণিপুরী মচাশিংনা মণিপুরদা লৈনীঙলকত্রগা ম্যান্মারদা চেন্নবসি য়াম্না তৌনরম্মী। অদুগা মংসাদা মৈতৈ নিংথৌশিংগী (Barn/ Granary) লৈরম্বগী ঈ-পাউ ময়াং কায়না লৈবনিনা মদুদা মৈতৈশিংনা খুন্দাবা হায়বসি শোয়দ্রবনি। অমরোমদা অমুক মণিপুরী অমসুং ম্যান্মা/শ্রার্ম্মাগী চারৌ-মৌরৌনবগী মরীদা, মরু ওইনা মৈতৈ নিংথৌ মচানুপীশিংনা অৱা নিংথৌ নত্রগা নিংথৌমচাশিংদা ওঙখিবগী মতাংদা খুদম ওইনা চকপা মখাওঙম্বী (মৈদিংঙু গরিবনৱাজগী মচানুপী) অমসুং সত্যমালা (মৈদিংঙু গরিবনৱাজগী মনাউনুপাগী মচানুপী [চৈথাঃ কুম;২০০৫,৬৭,১১৯])না অৱা নিংথৌদা লুহোংখিবগী অউন্নাইশিংগী খুন্দাফম, অহোম লৈপাক্তা মাগলুঘাট নত্রগা বোড়কুলা লৈবগুম লৈরমগদবা মাল্লি। অদুবু ম্যান্মাররোমদগী ঈ-পাউ অমতা ফংবা ঙমদে। অদুগা ম্যান্মারদা খৃষ্টগী ১৫ শুবা শতাব্দীদগী মৈতৈশিংনা খুন্দাবা হৌরে হায়বসিদি য়ুরোপীয়ান রাইটরশিংনা ফাওবদা শকখঙলে, অদুনা খ্বাইনা খঙনরে হায়না লৌবা য়ারে।

মরী-মখোঙ লৌজখিবা লাইরিকশিংগী মমিং-মথা

(ক) মৈতৈলোনগী লাইরিক ঃ

১) চৈথা : কুম:, ২০০৫ - লাইরেনময়ুম ইবুংঙোহল সিংহ অমসুং নিংথৌখোংজম খেলচন্দ্র সিংহ : চৈথারোল কুম্বাবা (ইম্ফাল - ২০০৫),

২) ব: ক: শ: ২০১১ - বি: কুলচন্দ্র শর্ম্মা: জেনরেল বলরাম সৌগাইজম্বগী পুন্সি ৱারী (ইম্ফাল-২০১১),

৩) মো: চ: স:, ১৯৭৯ - মোইরাংথেম চন্দ্রসিংহ: পোইরৈতোন খুনথোকপা (ইম্ফাল - ১৯৭৯),

৪) ন: খ: স: ২০০৪ - নিংথৌখোংজম খেলচন্দ্র সিংহ: অরিবা মণিপুরী সাহিত্যগী ইতিহাস (ইম্ফাল-২০০৪),

৫) ৱা: লু: স: ১৯৮৯ - ৱাহেংবম শ্রীলুখোই সিংহ: লাই হরাউবা (ইম্ফাল - ১৯৮৯),

৬) ডা: ল: চ:, ১৯৭০ - ডা: লৈশাংথেম চন্দ্রমণি সিংহ: মণিপুর ইতিহাস (ইম্ফাল - ১৯৭০),

৭) ন: শ:, ১৯৬০ - নন্দলাল শর্ম্মা: মৈত্রবাক (ইম্ফাল- ১৯৬০)

৮) ও: ভ: স:, ১৯৬৭ - ওয়নাম ভোগেশ্বর সিংহ: নিংথৌরোল লম্বুবা (ইম্ফাল - ১৯৬৭),

৯) শ্রীম: স:, ১৯৮৪ - শ্রীমঙ্গোল সিংহ: পৃথিবী অনিশুবা লাঞ্জাও অমসুং মণিপুর পার্টি (ইম্ফাল -১৯৮৪),

৫) গ:ক: - গৌরচন্দ্র শর্ম্ম; চহি তরেৎ খুন্তাকপা অমসুং গম্ভীর সিংহ (ইম্ফাল xxx)

৬) ব:ক:শ:, ২০০৯ - বি: কুলচন্দ্র শর্ম্মা: মৈত্রবাক্কী নিংথৌ কম্বাল কল্লকখিদবা নিংথৌ মচা-মশুশিং (ইম্ফাল-২০০৯)

(খ) খুৎই লাইরিকশিং ঃ

১) নোং: হা:, খুৎ: লাই: - নোংপোক হারমলোন খুৎই লাইরিক,

২) থাঙলোন থাঙচৎ, খুৎই লাইরিক, অসিনচিংবা।

English Books

1. R.A., 2007 — Russell Ash: Whitaker's World of Facts (New Delhi-2007),
2. P.G.,1968 — Padmeshwor Gogoi. The Tai And Tai Kingdoms (Guwahat 1968)
3. R.B.P.,1998 — R.B. Pemberton: North Eastern Frontier of India (Delhi 1998),
4. N.I.S.,1976 — N. Ibobi Singh : Manipur Administration (1709-1907 (Imphal - 1976).
5. S.J.J., 1970 — Sir James Jonstone: Manipur And Naga Hills (Delhi-1990
6. P.G., 1968 — Padmeswar Gogoi: The Tai and Tai Kingdom (Guwahat 1968),
7. R.A., 2007 — Russell Ash: Whitaker's World of Facts (New Delhi-2007
8. Ch. E.D., 1991 — Catherine Schwarz, George Division etc. : Chamber English Dictionary (New Delhi - 1991)
9. R.B.P, 1998 — R.B. Pemberton : North-Eastern Frontier of India (Delh 1998)
10. N.N.A., 1983 — N.N. Acharyya : Assam and Neighbouring States Historica Documents (New Delhi - 1983).
11. N.I.S., 1976 — N. Ibobi Singh : Manipur Administration (1709-1907 (Imphal-1976).
12. D.W.S. 1961 — Desai, W.S. : A Pageant of Burmese History (Delhi-1961
13. T.C.H., 2003 — T.C. Hodson : The Naga Tribes of Manipur (Delhi-1911)
14. RK. J.S, 1965 — R.K. Jhaljit Singh: A short History of Manipur (Impha 1965),
15. S.J.J., 1990 — Sir James Johnstones : Manipur and Naga Hills (Delh 1990).
16. M.E.S., 1967 — Melford E. Spiro Burmese Supernaturalism (New Delh 1967).
17. Dr. N.S., 1988 — Dr. Naorem Sanajaoba : Manipur Past and Present Vol. (Delhi-1988).
18. M.M., 1980 — Michael Macintyre ; Spirit of Asia (London -1980)
19. A.S.S–K. 1985 — Aung San Suu Kyi, Let's Visit Burma (London - 1985),

বি: কুল্লচন্দ্র শর্ম্মগী ফোঙখ্রবা লাইরিকশিং

১) সনাতোম্বী (নোভেল ঃ ১৯৬৮)
২) চরিক পরেং (নোভেল ঃ ১৯৬৯)
৩) যুগী পাত্রদা তশবীর (নোভেল ঃ ১৯৭০)
৪) খুমন নিংথৌরেল লম্বুবা (পুয়া মশামক ঃ ১৯৮৯)
৫) থাঙমৈরোন (পুয়া মশামক ঃ ১৯৮৯)
৬) সনামহী পুয়া (অরিবা লাইনিংথৌসিগী লাইরিক ৬খক ঃ ১৯৮৯)
৭) মণিপুরী নুঙগী চক্তা লৈরম্বা মীশিং (অর্কিওলোজিকেল এস্পেক্ত ঃ ১৯৯৬)
৮) নোংদা লাইরেল পাখঙবগী মমা মপা থিবা (থিজিন-হুমজিনবা ঃ ১৯৯৬)
৯) হৈক্রু হিদোংবা অমসুং মোইরাংলৈমা থাঙ্গপাৎ (থিজিন-হুমজিনবা ঃ ১৯৯৬)
১০) ৰাংখৈ মৈরাবা অথৌবা (থিজিন-হুমজিনবা ঃ ১৯৯৬)
১১) মৈত্রবাক মণিপুরগী খুন্থোক-খুন্দারোন (থিজিন-হুমজিনবা ঃ ১৯৯৭)
১২) চীংঙা লাইরেম্বীগী পুৰারী (থিজিন-হুমজিনবা ঃ ১৯৯৮)
১৩) মৈত্রবাক মণিপুরগী ফুশা-ৰানশারোন (থিজিন-হুমজিনবা ঃ ১৯৯৮)
১৪) খুমন নিংথৌরোল লম্বুবা (অনৌবা লোনগী ৰাহন্থোক য়াওবা)
১৫) মৈতৈগী লুহোংবা অমসুং লৌন লৈনবগী ৰায়েন-ৰাখুনা (থিজিন-হুমজিনবা ঃ ১৯৯৮)
১৬) মৈতৈগী শা লান ফাবগী থৌরম খর (থিজিন-হুমজিনবা ঃ ১৯৯৯)
১৭) সনা-চহি অহুম (থিজিন-হুমজিনবা ঃ ১৯৯৯)
১৮) চুপশারোল (থিজিন-হুমজিনবা ঃ ১৯৯৯)
১৯) Typology & Technology of Meitei Writing Materials (Research Work-1999)
২০) মৈতৈগী মচুগী মনাৎ (থিজিন-হুমজিনবা ঃ ২০০০)
২১) লমাদোংগী বিষুও লাইশঙগী য়ুমশা কৈশারোল (থিজিন-হুমজিনবা ঃ ২০০০)
২২) মৈদিংঙু ময়াম্বা গরিবনিৰাজ (থিজিন-হুমজিনবা ঃ ২০০০)
২৩) সঙ্কীর্ত্তণ নির্নয় (থিজিন-হুমজিনবা ঃ ২০০১)
২৪) কেক্রুপাৎ (থিজিন-হুমজিনবা ঃ ২০০১)
২৫) ফাইল (থিজিন-হুমজিনবা ঃ ২০০৫)
২৬) A Dictionary of Manipur Medical Terms (Medical Work 2007)
২৭) মৈত্রবাক্কী য়োৎ থাঙগী চক (থিজিন-হুমজিনবা ঃ ২০০৭)
২৮) মৈতৈ অথৌবা অহুম (থিজিন-হুমজিনবা ঃ ২০০৮)
২৯) Phamlon (Translation Work 2009)
৩০) মৈত্রবাক্কী নিংথৌ ফম্বাল কল্লকখিদবা নিংথৌমচা মশুশিং (থিজিন-হুমজিনবা ঃ ২০০৯)
৩১) চৈথারোল কুম্বাবগী কুম্বারোলশিং etc. (থিজিন-হুমজিনবা ঃ ২০১০)
৩২) চৈথারোল কুম্বাবগী কুম্বারোল অমসুং নুমিৎ থবান (২০১০)
৩৩) খৃঃ ১৮৯১ গী মমাঙদা লৈরম্বা মৈতৈ পাঙল (মণিপুর মুস্লিম) গী ফিভম (২০১০)
৩৪) জেনরেল শৌগাইজাম্বা বলরামগী পুন্সি ৰারী (২০১১)
৩৫) সনা চহী অহুম (২০১১)
৩৬) মৈতৈ লাইনীঙ, হিন্দু লাইনীঙ, চাংদম-পাদম (২০১১)
৩৭) চন্দ্রকীর্ত্তি জিলা দরবার —১৮৭৪ (২০১২)
৩৮) খৃঃ ১৮৯১ গী মমাঙগী মৈতৈগী ৰায়েনশঙশিং (২০১৩)
৩৯) লৈশাং যাত্রা অমসুং মৈতৈ মুক্না (২০১৩)
৪০) হিয়াংথাং লাইরেম্মা (২০১৩)
৪১) মণিপুরগা ম্যান্মারগা লৈনবা মরী (২০১৫)